5812

[illegible]

[illegible]

অনিশুবা লাঞ্জাওগী মতম খা-নোংপোক এশিয়াদা অশীবগী রেল লম্বী



খুবাইজম নিমাইচরন সিংহ

BVP05812

BVP05812

ꯑꯅꯤꯁꯨꯕꯥ ꯂꯥꯟꯖꯥꯎꯒꯤ ꯃꯇꯝ
ꯈꯥ-ꯅꯣꯡꯄꯣꯛ ꯑꯦꯁꯤꯌꯥꯗꯥ
ꯑꯁꯤꯕꯒꯤ ꯔꯦꯜ ꯂꯝꯕꯤ

অনিশুবা লাঞ্জাওগী মতম
খা-নোংপোক এশিয়াদা
অশীবগী রেল লম্বী

অইবা

খুরাইজম নিমাইচরন সিংহ

ইমাখোল পব্লিকেসন্স, মণিপুর

(ইরমদম মীয়ামগী অপুনবা খোর্জেই লূপ)

অৱাং পোৎশংবম, ইম্ফাল ইষ্ট

Anisuba Lanjaogi Matam/Kha-Nongpok Asiada ashibagi Rail Lambi. A short account of the brutalities of war as was shown by the happenings in South East Asia during 2nd W-War. Collected and written by Khuraijam Nimaicharan Singh

"অনিশুবা লাঞ্জাওগী মতম খা-নোংপোক এশিয়াদা অশীবগী রেল লম্বী"

অইবা ঃ- খুরাইজম নিমাইচরন সিংহ

© কোপীরাইট ঃ- অইবগী

অহানবা ফোঙবা ঃ- সেপ্টেম্বর ২০১৬

কোপী মশীং ঃ- ৭০০

ISBN ঃ- 978-93-85627-16-3

ফংফম ঃ- ইম্ফালগী মরুওইবা লাইরিক য়োনফম
অমসুং অইবগী খুরাই লমলোং এ পি
রোডতা লৈবা য়ুম

মমল ঃ- মখুম অপাবা লুপা ঃ ১৪০/-
মখুম অথাবা লুপা ঃ ১৮০/-

নম্ফম ঃ- লৈমহল কম্প্যুটরাইজদ প্রেস
খুরাই লমলোং কৈথেল, ইম্ফাল ইষ্ট

জেনেরেল সেক্রেটরিগী ৱারোল

খোরিরোলগী অনৌবা অরিবা খোর্জেরোই ময়াম অমা থোকপিরক্লবা পুক্লিং থৌগৎচরিবা ইরমদম মীয়ামগী অপূনবা খোর্জেলুপ (ইমাখোল), অৱাং পোৎশংবম ইং কুমজা ২০০৩ গী মার্চ তাং ২৩ দা অৱাং পোৎশংবমদা লিংখৎচখিবা অই লুপনি । লুপ অসিগী লুপলোইশীংনা অই লুপশিগী মখাদা ঙসি ফাওবদা ফোঙখ্রবা লাইরিক ৬১ লৈখ্রে । লাইরিকশিংদুদি :- শৈরেং ২৬ ৱারীমচা ৭, লীলা ৩, পুন্সী ৱারী ২ ৱারেং ৩, ফুঙ্গা ৱারী ১, ৱারী মপুম (নোভেল) ২, ঈশৈ শৈরেং ৬, পাওখোং ৩, পাওরৌ-পাওতাক ১, লমকোয় ৱারী ১, নোক্লীং নাচোম ২, হন্দোকপা ২, নৈন ৱারেং ১, থীজীনবা ২, পুয়া ১নি । হন্দক ইমাখোলগী ৬৪ শুবা লাইরিক ওইনা পুথোক্লবা থৌরাংজরিবা অসি খুরাইজম নিমাইচরন না ইবা "২ শুবা লাঞ্জাওগী মতম-খা-নোংপোক এশিয়াদা অশীবগী রেল লম্বী" হায়বা লাইরিক অসিনি । লাইরিক অসিমসু মচল অমা ওইনা ইমাখোলগী পুক্কৈদা হাপজিঞ্জরে ।

অইবগী লাইরিক অসিদা, থোকখিবা থৌদোক ৱাথোক শোক তারিক, নীংশিং শক্তম কয়া ময়েকশেংনা উৎলি, লাইরিক অসি পাবদা অকি তুজুং য়াওই । লাল হায়বশিনা কয়ামুক য়াম্না মীওইবগী পুন্সী, য়ুমলৈ- কৈরৈ লম্বী-থোংদা মাঙ-তাকহল্লীবনো হায়বদু য়াম্না ময়েক লানা উৎলি । মমিং লৈরবা লাইরিক কয়া ফোঙখ্রবা মশক নাইরবা অইবা অসিগী লাইরিক কয়া অমা মতুংদসু ইরকখিগনি হায়বশি ইমাখোলনা অচেৎপা থাজবগা লোয়ননা, লাইরিক অসিবু পাবীনবা নৈনবীনবগীদমক ইরোল-ইয়েকপু নুংশিবীরিবা ইরৈবাকমচা খ্বাই পূম্নমক্কী মফমদা ইমাখোলনা খুৎশীন্নজরি ।

ইবোমচা লাংপোকলাকপম

সেক্রেটরী ইমাখোল

অইবগী ৱাহৈ খরা

ঐনা ইথোকচরিবা অসি লানগী ৱারীনি । হৌখ্রবা, পৃথিবীগী অনিশুবা লাঞ্জাও অদুগী অৱাবা চৈথেঙগী মৈশা মপূংফানা লাংখ্রবা ঐখোয়গী লমদম মণিপুর অসিগী ৱারীদি নৎত্রে । মপূং ওইরিবা মফমদি, মণিপুরদগী খা-নোংপোক পাংবদা লাপ্না লৈখ্রবা এশিয়া মনুংগী লমদম কয়াদা লান্দ্‌রকখিবা জাপানগী লাম্মীনা ইং কুমজা ১৯৪১ দগী ১৯৪৪ ফাওবগী মনুংদা খুদুম চনশীল্লকখ্রবা মফম কয়াদা লৈরম্বা অচম্বা মীওই কয়াবু ওৎপী নৈবীখিবা অমদি মখোয়গী মখুত্তা লানফা ওইরবা এল্লাইদ ফোর্সকী লাম্মী লিশিং কয়াবুসু করম্না লোয়নবীখিবগে হায়বদুগী য়ুম্ফমদা খোঙফম ওইরগা লান হায়বা অসিগী নুংশি হৈত্রবা, ফৎত্রবা লীচৎ অদুবু য়েকথোকচবা ৱারীনি ।

ঐনা থেংনজরুবা লানগী লাইরিক খরদা য়াওরম্বা, থম্মোয় শোল্লুবা মফম মতম কয়াগী থৌদোক খরবু অতেনবা পাউদম ওইনা ইজরুবগী মরমদি, ঈংনা চিক্লা নুংঙাইনা হিংজবা পাম্নরিবা, মালেম অসিদা লৈনরিবা ঐখোয় মীওইবা হায়বা মীয়াম অসিগী খুন্নাইদা লান কৌবা মহাক অসিমদি মতম পূম্নমক্কী ওইনা ঐখোয় মীওইবগী পুন্সীদা তমথীনা য়েক্লবগী মশক্তি হায়বদু ফোঙদোকচবনি ।

কনাগুম্বনদি খনবীবা য়াই, ইজরিবা ঐহাক অসি, লানগী ৱারী ইবা পামজবনি হায়না । মদুগী ওন্নবদা, ঐনা হায়জনিংবদি, লান কৌবা মহাক অদুবুদি ঐহাক্লা কৈদৌনুংদসু নুংশিজদে, ওন্থোক্লা পামজদে । অদুম্নদি ওইরগা ঙসিদগী চহি হুম্ফুতরাগী মমাঙদা থোকখ্রবা, মণিপুর কৌবা ইরমদম অসিগা নক্লনা মরী লৈনখ্রবা মালেমগী ওইবা অনিশুবা লাঞ্জাওগী মতম অদুবুদি থোইদোক্লা নুংশিজে । থৌদোক্লা থল্লবা মতম

অদুগী ঈচেলগা, ঐনা অঙাং ওইরকঙৈ পুন্সীগী অৱা নুংঙাই ঈচেলগা পূন্না চেনমীন্নখিবা মরম্না ঐগী থম্মোয় অসিনা মঙোন্দগীদি লাপথোকচবা ঙমদবগুম্না তৌই ।

অমরোমদা অমুক, লাঞ্জাও অদুগী মনুংদা খা-নোংপোক এশিয়াগী চমজরবা মীওই, নুপী অঙাংনচিংবদা নত্তনা লানফা ওইরবা মশিং য়াম্লবা বৃটিশ লান্মী কয়াবু তমথীনা ওৎ-নৈনা লাক্লখিবা, হাৎপীখিবা অদুগুম্বা জাপানীজ লান্মী মখোয় কয়া অদুগী মফমদদি ঐগী পুক্লিং অসিনা অত-তাই ওইনা কনাবুসু শাওনিংবা পোকচদে । মদুগী মহুত্তা, ঐনা য়ানীংদনা, খমথেংনা শাওনিংবা পোক্লিবদি লান কৌবা মাগী মফমদনি। ৱাফম অসিগী য়ুম্ফমদনি, ঐনা ইথোকচরবা চেনা খরনা পিল্লবসু পিল্লা, ফংজরুবা ফোতো খরগা লোয়ননা লাইরিক অমা ওইনা নমথোকচরগা, ঙসি ঙসি মণিপুরী খোরীরোলগী অপূনবা লুপ অমা ওইরিবা "ইমাখোল" গী লেমজরবা, মিংলেন খাদ ফোঙদোকচবা ঙমজরিবশি । মসিগীদমক, ইমাখোলগী থৌ পুবীরিবা ইকায়খুম্নজরবা মীওই পূম্নমক্কী মফমদসু ঐগী শেংলবা থাগৎ ৱাহে থমজরী, লোয়ননা খুরাই লমলোঙদা লৈবা লৈমহল কম্প্যুটরাইজদ প্রেসকী থৌবুরেল শ্রীথৌদাম কান্ত সিংহ অমদি ইচা ইবুংঙো থৌদাম নাওচা-নচিংবগী মফমদসু ঐগী তৌবীমল খঙবা ফোঙদোকচরী ।

আগষ্ট ২২, ২০১৬

খুরাইজম নিমাইচরন সিংহ

কচ্ছবা

অদুঙৈ
অনিশুবা লাঞ্জাওগী মৈরীনা
মৈৱায়রক্লবা মতম মণিপুরদা
থোকখীবা তমথিরবা থৌদোক্লা
মাঙহনবীখ্রবা ঁইপাগী থৱায়
মিরেল অদুগী মফমদা ॥

- নিমাইচরন-

অনিশুবা লাঞ্জাওগী মতম খা-নোংপোক এশিয়াদা অশীবগী রেল লম্বী

সে: নং:	য়াওরীবা পন্দুপ	লামাই
১।	লান হায়বসিগী মরমচৎ।	১
২।	পৃথিবীগী খা-নোংপোক এশিয়াগী অতিয়াদা লানগী নোং মংলাকপা।	৯
৩।	লানগী ঈথক অসি নাম্থোক্লবা বর্মাদগী মণিপুর ফাওনা ভারত তম্না চেন্নরকপা মীওইবা কয়াগী অৱাবা মতম।	১৩
৪।	জাপানীজ লান্মীগী মীওৎ মীনৈ অমসুং অশম্বা নৈনরোল।	১৮
৫।	অমরোমদা জর্মনগী কন্সেন্ট্রেসন কেম্প।	২২
৬।	খা-নোংপোক এশিয়াগী মায়কৈদা অমুক।	২৪
৭।	দ ব্রিদজ ওন-দ রিভর ক্বাই।	২৮
৮।	ৱারীগা মরী লৈনবা পাউদম অমা।	৩২
৯।	জাপানীজ লান্মীনা নৈহৎপিরবা লানফা অমগী ৱারী।	৪৬
১০।	ফূবা হৌরবা।	৫৫
১১।	ৱাহং-পাউহং তৌবদা হৈনজদবা মীশক অমা।	৫৯
১২।	ঈশিং হৈজীন্দুনা ওৎপা।	৬২
১৩।	অৱাবা খাঙবগী মতম লোইরে।	৬৬
১৪।	পাউখুম থিরকপা।	৭০
১৫।	হৌজিক ফাওবদা ৱাখলনা লাঙ্গোয় চল্লিবা।	৭৫
১৬।	মশাগী প্রায়শ্চিত (তৌখিবা মপাপ কোক্লবা হোৎনজবা)।	৮০
১৭।	ঐ মাবু ফংলে।	৮৫
১৮।	অরোয়বা শরুক (কাইনথংদা কোমথোক্লরবা)।	৯০
১৯।	অশেঙবা ফোতো খরা অমসুং মোংফমগী চার্ট।	৯৮-১০০

২শুবা লাঞ্জাওগী মতম
খা-নোংপোক এশিয়াদা
অশীবগী রেল লম্বী

লান হায়বসিগী মরমচৎ :-

অদুঙৈ মীওইবগী তাইবং অসি লৈত্রিঙৈ, ধর্ম কয়াগা মরী লৈনরবা লাইয়াম কয়াগী ৱারীদসু, লান হায়বা ৱাহৈ অসিমদি তোকপা য়াদ্রবা মপূং ওইবা থৌদোক্কী শরুক অমা ওইনা ঐখোয় মীওইবনা ঙসি ফাওবদা চীনবুঙ য়ৈনা মথঙ মথঙ তাদুনা লাক্লি । খুদম ওইনা হিন্দু ধর্মগী ৱারীদা, রামায়ন মহা ভারতকী ৱারী য়াওবগুম্না খৃষ্টিয়ান অমসুং ইসলাম ধর্মগী ৱারীনচিংবদসু মথঙশীৎনা যোসুৱা অমদি এমোরাইট্‌স কাংবুগী মরক্তা শোক্লখিবা লান অমসুং ইসলামগী ওইনা ইমাম হাসন অমদি হুসৈন অনিগী মতমদা কারবালাগী লানফম হায়বনচিংবা লৈবগুম্না, পৃথিবীদা লৈরিবা মীওইবা ঐখোয় কয়ানা চৎনরিবা ধর্ম হায়বসিগী হৌরকফম ৱারী কয়াগী য়ুম্ফমদা লান হায়বসিগী মফম অমদি অদুম কন্দুনা লাক্লি । অদুগুম্বা লাইরমলেনগী মতম অদু লোইখ্রবা মতুংদগী মীওইবা কৌবা কাংবু অসিনা পৃথিবী অসিদা খুন্দা লৈতানা লৈরকখিবা, কুইরবা মতম কয়াদগী হৌনা তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা লান শোক্লরকপগী ৱারী য়াওদবা মতম অমত্তা লৈখিদে । অনকপগী ওইনা, অরায়বা খুদম অমদি ঐখোয়না লৈরিবা ভারত হায়বসিগী ইতিহাসতা মফম মতম কয়াগী ওইনা থোকখ্রবা লানফম কয়াগী ৱারী কয়া লৈরিবা অসিসু অমনি । পূম্নমক অদুবু শুপচীন্না য়েংবা ৱাখল মিৎয়েং অমগী মখাদা থম্লগা, ফোঙদোকচনিংবা ৱাফম অমদি, ঙসি ঙসি, চাওখৎলক্লবা মীওইবগী মতম অসিদদি, লান হায়বসি ঐখোয় পূম্নমক্কী য়েক্লবনি হায়বা নত্তনা অতৈ করিসু নত্তে হায়বশীনি ।

ঙসি পৃথিবী অসিদা লৈনরিবা মীওইবগী মরক্তা লান হায়বসি থোক্লকপা/ওইরকপা য়াবা মরম কয়াগী মরক্তা মরম অমদি ---- মশা-মশাবু পাঙ্গল্লে খনজবা লৈবাক মশেল, করিসু নত্তবা, তৌদ্রবসু য়াবা হীরম খরদা পুক্লিং চঙনরক্তুনা অঙম-তান্নরকপদগী য়েংথীনবা হৌনরক্লবদা লান হায়বসি ওইরকপগী মরু ওইবা মরম অমনি। লৈবাক-লৈবাক্কী লুচিংবা, অচৌবা ফম পুবা মখোয়শিংগী মরক্তা হীরম অমগী মরমদা য়েৎনরগা, শাউনরগা তোকপা নত্তে, মখোয় মখোয়গী ওইবা লৈবাক্তুদা লৈনরিবা লাম্মীগী মপৈ, মতম মতমগী ওইবা লানগী খুৎসু খুৎলাই পুথোক্লদুনা অমনা অমবু নমথনবা লাক্লরকপদা মমল য়াম্লবা পোৎশক, মফম অমদি মীওইবগী পুন্সীবু লোইশিল্লি। লান হায়বদুগা মরী লৈনফম থোক্তবা, চম্না হিংজবা মীওই নুপী অঙাং অহল লম্মন অমসুং তোঙান তোঙানবা শিনফমদা ইংনা চিক্লা হিংজরিবা মীওই কয়াগী পুন্সীবু লৈতাফম খঙহন্দনা ৱাহল্লি। লান হায়বসি থোক্লবদা, লান অদুনা কোনশিল্লিবা মফম কয়াদা লৈবা মীওইবনা মায়োক্লগদবা খুদোংথীবগী মতম কয়াদি - ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা শাফগদবা মফম থিবদা খা-রাই খঙদনা চেন্নবা, অনা অয়েক, অশোল অনাগী পোৎলুম, চানিংঙাই থক্লিংঙাই লৈরক্তবা, শেল লৈরবসু পোৎ লৈফম লৈতবা, হিংবদা তঙায়ফদনা চঙবা অচা অথক, হিদাক লাংথক ফংলক্তবা, লায়েংফম লৈতবগী মরমনা মীশী মীনা তোয়রকপা, লৌউ শিংউ লেপখীবনা চাকতাঙবগী অৱাবা খাঙবা, হুৱান চিন্থি য়াওরকপা, থক্লনবগী অফবা ঈশিং ফংদবনা অকীবা লায়না শন্দোরকপা, নোংমৈ তোপ কী খোঞ্জেল মরক্তা মৈহৌ লাংপোক মায়োক্লনা থৱায় হিংননবা হোৎনবা, নৌরিবা অঙাংশিংগী মহৈমশিং তম্বগী থবক পূমলেপ লেপখীবা অসিনচিংবা মীওইবগী খুন্নাইদা শাথিনা মাঙ তাক্লিংঙাই ওইরবা শাফু কয়া'সিগা লোয়ননা মফম মফম কয়াদা মমা মপা, মচিল মনাও, মরুপ মপাঙ কায়নবগী মীকপ মীরাওখোলনা ঙাইহাক লৈতনা নিল্লকপা, অসিগুম্বা পামদবা থৌদোক কয়া অসিনা খূজীঙনি।

শমজীন্না অমুক মখাতানা পল্লবদা, লান হায়বসিনা লৈবাক কাং-খোং চাইহল্লি, চাওখৎ-থৌরাঙগী ওইনা পায়খৎলুরবা থবক মুখৎলি, মীওইবা কয়াগী পুন্সীবু খাংউথক্তা কেমহল্লি । করি করিগুম্বা মফমদা, নুপীওইবী কয়াগী ইকায়খুম্নবীগদবা পুন্সীবু মিনুংশিগী ৱাংমদা খোঙনেৎনদুনা মাঙহল্লি । অমরোমদা, লান শোক্লরিবা লৈবাক লৈবাক্কী সিফায় মশেল, মরুপ মপাঙ ওইনা নুংশি চান্ননা হিংমীন্নরম্বা য়াবা কয়া অমা লৈবাক্কীনি হায়দুনা, মশাগী ওইনদি করিসু য়েংথীনবা নত্তবদা কাপ্পদুনা হাৎনহল্লি । মশিগী ৱাহন্থোক অসিবু করিনো ? মদু অচূম্বনি, লৈবাক্কীদমক্তনি হায়রবসু, মীওইবগী থম্মোয় হায়বদুনদি য়ানিংলোই । অসিগুম্লবা ৱাফম অসিগী মতাঙদনি, আমেরিকাগী কুম্ব্রামাথোইশুবা প্রসিদেন্ট ওইখিবা হর্বট হুভরনা অনিশুবা লাঞ্জাও মনুংদা ফোঙদোকখিবা "ওলদর মেন দিক্লার ৱার, বট ইতীজ য়ুথ হু মস্ট ফাইট এন্দ দায়" হায়বা ৱারোল, অহল ওইবশিংনা লান তৌরে হায়দুনা লাউথোকই, অদুবু শোক্লগদবা শিগদবদি নহা ওইবা ঙাক্তনি হায়রীবসি কয়াদা চুমখ্রবা । অসিনি, লান হায়বসিনা থোকহল্লিবা অৱা অনাগী, খুদোংথিবগী থৌরম কয়া অসি । লান হায়বা ৱাহৈ অসিদি, নুংঙাই য়াইফ তাল্লিবা মীওইবা খুন্নাইগী মায়োক্তা নুংশি হৈতনা লেপ্পিবা হিংচাবা অমগী মমিংনি । মহাক্না খুদুম চনখ্রবা মফম অদুদা য়াইফবা পুন্সীগী মমি তাররোই অমসুং চাওখৎপগী লমজেলনা শাংনা লমশাঙ চেল্লক্লবা লৈবাক কয়াগী খোঙজেল পূমলেপ লেপ্তুনা অমুক হানী নৌনা চেল্লকপা তাই, লান লোইখ্রবা মতুংদা ।

পৃথিবী অসিগী মফম পূম্নমক্তা লৈনরিবা মীওইবা হায়বা কাংবু অসিনা পাম্নরিবসি মশা মশাগী ওইনা, মাগী মাগী ইমুঙ অদুগী ওইনা, লৈকায় অদুগী ওইনা অশুম মথঙ মথঙ লৈবাক অদুগী ওইনা নুংঙাই য়াইফনা হিংবগী লম্বীদা তঙায়ফদনা চঙফম থোক্লবা শেল থুমগী ফীভম, চান-থক্লবা, হকশেল অমসুং মহৈ মশিংনচিংবা য়ুমলৈ কৈরৈ, লম্বী থোঙ অসিনচিংবা চাওখৎলবা

মতমগী অপূনবা থাক অমদা অমনা অমগী তেংবাঙনদুনা, পূম্নমক্কী ওইবা, পুক্লিং ৱাখল মকা লাম্না লৈতানা হিংমিন্নবা পুন্সীগী পান্দম অদুনি । অদুবু অসিগুম্লবা মীপূম খুদিংমক্কী ওইনা পুক্লিং লৈতানা হিংনফম থোক্লবা পুন্সী অসিদা, লান হায়বা মহাক্না অকায়বা পীরক্লবদা মীওইবগী পুন্সী অসি চনিং তানা শোর হোনফম খঙদবা মফম হায়বদু ওইরকপনা, পাঙথোক্কদবা তৌগদবা থবক কয়া কাউরকপা, থৌশারক্তবগা লোয়ননা ঙসি'সিমা হৌখ্রগা লোইরে হায়বগী ৱাখলদা হিংবগী মঙাল শামথরক্তুনা, পাঙথোক্কদবা তৌগদবা থবক অমত্তা চাকওই শিংওইনা তৌনরক্তে, তূম্ফম চাফম খঙনদে । করম্বা মতমদা নুংঙাইবা পুন্সী হায়বদুগী মঙাল উরক্কবা হায়বদুগী ৱাখলদা অৱাবা খাঙহল্লবা মীওই কয়াগী পুন্সীনা ঙসিনা করি থোক্কদবা, হয়েংনা করি ওইগদবা হায়বগী অকীবা ঈথক অমদা মিহুল চোংনা মতম লেনগদবা ঙাক্তনি ।

মথক্তা পঞ্জরিবা ৱাফম খরা অসিগা লোয়ননা লান হায়বসিনা থোকহনবা অকীবগী মশক ওইরবা পুৱারিগী মতাঙ অমা ওইনা ঙসিগী মীওইবা এখোয়না নিংশিংগদবা অমদি, পৃথিবীদা থোকখ্রবা অনিশুবা লাঞ্জাও অদু লোইখিবগী তমথিরবা খুদম অমা ওইনসু মীওইবগী পূক্লিংদা লৈনহৌরবা থৌদোক, আমেরিকাগী এতোম বোম্ব অনিনা জাপান লৈবাক্কি হিরোশিমা অমসুং নাগাসাকি কৌবা সহর অনিবু ইং কুমজা ১৯৪৫ গী আগষ্ট তারিখ ৬ অমসুং ৯ দা পূমলোয় লোইশিনবা ওইনা মথঙশিৎনা চাকথেক্তুনা মাঙহনখিবা অদুনি । মরাল লৈত্রবা মীওই লাখ কয়াগী পুন্সী মিকুপ খরগী মনুংদা লোইখি, মাইল কয়ারোম পাকশন্না হৌরবা অশঙবা উ-ৱাগী লমদম খুদক্তা পূমকঙ কংনা মাঙখি, য়ুম কৈ, দালান মশিং খঙদনা কিন্থখি । মহৌশাগী ফজরবা মফম কয়া মিকুপ খরগী মনুংদা নরক্কী মফম ওনখি । পুখ্রি, পাত, তুরেল অমসুং অনকপদা লৈবা সমুদ্রগী ঈশিং এতোমগী মৈশানা হু ওন্না শাখি ।

খুজিন খুনাম্থোক্তা হিংহৌবা মীওই কয়াগী চঙজফম, পোখাফম লৈখিদে । অশুম্না এতোম বোম্বগী চৈনা ফংনা হিংহৌরিবা মীওই ‘হিবাকুসা’ হায়না জাপান লৈবাক্তা খঙনরকখিবা মখোয় কয়ানা ফংখিবা, খাঙখিবা এতোম বোম্বগী চৈথেং অদুদি ঙসি ফাওবা লোইদ্রি হায়বা য়াই ।

অসিগুম্লবা, মীওইবগী পুন্সীদা তমথিনা য়েক্লবগী মশক ওইরবা লান হায়বসিনা ওইহল্লকপা অৱাবগী অকীবগী থৌদোক কয়া অসিবু অমুক হন্না পৃথিবী অসিদা থোকহন্নিংদবগী অচেৎপা ৱাখল অমদা, আমেরিকা লৈবাক্কী মতম অমদা প্রসিদেন্ট ওইখিবা জোন এফ কেন্নেদিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম :- “মীওইবনা লান হায়বসি মরু ফংনা মুত্থৎকদবনি, মদু নৎত্রবদি, লান হায়বা অসিনা মীওইবা হায়বা কাংবু অসিবু নোংমদি শোয়দনা মুত্থৎখ্রগনি ।” হায়বা ৱাফম অসিমক অচুম্বনি । পৃথিবীগী অনিশুবা লাঞ্জাও অদুগী চৈথেং, চৈনাখোল অদু মালেমদা লৈবা মীপুম খুদিংমক্তা খাঙবদা ৱানখি অমসুং মদুগুম্বা থৌদোক অদু অমুক হল্লকপা পাম্নখিদবা ৱাখল্লোন অদুগী মনুংদনি নেভিল চেম্বরলেইন কৌবা ইং ১৯৩৭ তগী ১৯৪০ ফাওবা বৃতেনগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইখিবা মহাক্লসু ফোঙদোকখিবা “লান শোক্লবা হায়বসিদা য়াওরীবা লৈবাক অনিগী মরক্তা লৈবাক অমনবু ঙম্লবসু মাঙজবা হায়বা অদুদি লৈবাক অনিমক্তা চপ মান্নে” হায়বা ৱাফম অসিমসু অচুম্বমক্লি । চাওখৎলবা লৈবাক কয়া মাঙ-তাকহনখিবদগী, লৈবাক্কী শেল থুমগী পুক্কেদা চাওনা ময়েং তাহনখিবদগী অমুক ইনৌ নৌনা মতম চঙনা শেমগৎলকপদা, অমরোমদা শিখ্রবা থৱায় কয়াগী য়াম্লবা মমলগী চাং অদুবুদি অমুক হন্না পারুদ্রবসু, হীরম পূম্নমক্তা অকীবা ফংনা অৱাবা শাফু অমা, লানগী মতুংদা ফংহৌবদি মশানা তারবনি ।

অসিগুম্বা মচাক কয়া অসি লৈদুনসু, ঙসি ঙসিগী মফম কয়াদা অপীক-অপীকপা মৈরীক্তগী চাওনা মৈ হৌনা পৃথিবীগী মফম কয়াদা চাক্লকপা

য়াবা লৈবাক মশেল য়েৎনবগী, খৎনবগী পাউনিংখোল কয়াদি তাবা ফংলি। অসিগুম্বা মতম মতমগী তানরীবা পাউ অমসুং লৈবাক মশেলগী মরক্তা লৈনরিবা ৱাথোক্লা লান ওইরকপা য়াবগী অমদি মীচঙ শঙ্গন নাইনরকপদগী অহুমশুবা লান অমা পৃথিবী অসিদা ওইরকপা য়াবগী লম্বী লৈতনবা হায়দুনা পাঙ্গল্লবা লৈবাক মশেল য়াম্না চেকশীন্না অমনা অমবু থেমজিন্নদুনা লৈরকপগী মরমসু, অসিগুম্বা পাম্নদ্রবা থৌদোক অসি অমুকহন্না মালেম অসিদা থোকহন্দনবগী পান্দম অমনি। পৃথিবীগী ২বা লাঞ্জাও লোইখ্রবা মতুং ইং ১৯৪৫ দা মালেম অসিদা লৈবা লৈবাক কয়াগী অচৌবা মীফম পাঙথোক্তুনা, লান হায়বসি কাউথোক্লদুনা, মদুগী মহুত্তা পৃথিবীদা লৈরিবা লৈবাক পূম্নমক নুংশিননা, খৎন-চৈনদনা, শেল থুমগী, মহৈ মশিংগী, লৌউ শিংউবগী, কল-কারখানাগী অমসুং অনা লায়েংগী হীরম্নচিংবদা পূন্না চাওখৎমিন্নবগী তেঙবাঙ পীনদুনা লৈবাক মশেল নুংশিননা হিংমিন্নবগী, চৎমীন্নবগী ফজরবা ৱাখল্লোন অদুগী অচেৎপা য়ুম্ফমদা পৃথিবীগী লৈবাক পূম্নমক্কী ওইনা "দ য়ুনাইতেদ নেসন্স ওর্গেনাইজেসন" হায়বসি অহানবা শেমখীবদগী ঙসি ফাওবদা পৃথিবীগী লৈবাক পূম্নমক অসে, লান হায়বা মীওইবগী য়েক্লবা মঙোন্দগী লাপথোক্লবা হোৎনরক্লি। খোঙথাঙ অসিগী মতুংইন্না, লৈবাক মশেলগী মরক্তা য়াওরকপা অশোয়বা, অরানবা কয়া থেমজিন্নদুনা, চুমথোক্লদুনা অমগা অমগা তেংবাঙ পীনদুনা চৎথরক্লিবা লৈবাক মরা তপ্লিংঙাই ওইরবা খোঙচৎ অসিগী মখাপোন্না ঐখোয় মীওইবনা তুং কোইনা তেক্ত কায়দনা, খুয়া তুশিৎনা হিংবা পূন্সী অদুগীদমক্তদি লৈবাক মশেল নুংশিনবা হায়বসি পূম্নমক্কী থৌদাং ওইরবনি।

মথক্কী মরু ওইবা ৱাফম খরা অসিগা লোয়ননা, হৌখ্রবা পৃথিবীগী লাঞ্জাও অদুনা মীওইবা কয়াগী পুন্সীদা থোকহনখিবা অৱা অনাগী চৈথেঙ কয়া অদুগা মরী লৈনখিবা অদুগুম্বা অৱাবা মতম অদু মালেম অসিদা অমুক হন্না

ওইরক্তনবগী মরমদা লেপ্পখ্রবা ৱারেপকী য়াম্না শমলপ্পা পাউদম থমজরবগী তুংদা, মথঙদা অমুক, ইজরিবা ৱারেং/ৱারী অসিগী মতুং ইন্না পঞ্জদবা য়াদবা ৱাফম অমদি হন্না হন্না নিংশিংলিবা হৌখ্রবা লাঞ্জাও অদু মফম কদায়দগী অহানবা খোঙহৌ ওইরক্লগা খা-নোংপোক এশিয়াগী লমদম কয়াদা করম্না য়ৌশীল্লকখিবনো হায়বশিনি । পৃথিবীগী অনিশুবা লাঞ্জাও হায়বা মালেমগী চাওরবা থৌদোক অদু হৌরকখিবগী ৱারী অসিগী অহানবা মরম খরা য়াম্না তেনশীন্না পঞ্জরবদা, ঐখোয়না নিংশিংগদবসি ইং ১৯৪০ গী মমাঙদা লৈখিবা পৃথিবীগী পাঙ্গল্লবা লৈবাক খরদি, বৃটেন, ফ্রান্স, জর্মনি, য়ু এস এ, য়ু এস এস আর অমসুং জাপান লৈবাক তরুক অসিনি । য়ুরোপকী ওইনা লৈবাক মশেল করিগুম্বা হীরম খরদা য়েৎনদুনা লৈরকপা অসিদি ২বা লাঞ্জাও হৌরকপা ইং ১৯৩৯ গী মতম অদুগী মমাঙ চহি ৩০০ লোম ৱাৎলিঙৈদগী হৌনা থোকখ্রবা ফ্রেন্স রিভোল্যুসন মতুংদগী অদুম মখা তানা য়ুরোপ লৈবাকশিংগী মরক্তা লোইশিনবা নাইদনা লৈরক্লে । ইং ১৯৩৯ গী মতমদা য়ুরোপকী পাঙ্গল্লবা লৈবাক জর্মনিনা অতৈ থংনবা লৈবাক খরবুসু মখোয়গী মখা পোলহন্নিংবদগী ইং ১৯৩৯ সেপ্তেম্বরগী অহানবা নুমিৎমক্তদা পোলেন্দ লৈবাক্তা এরোপ্লেন্দগী বোম থাধদুনা লান্দাখি । থৌদোক অসিমক্লা পৃথিবীগী ২বা লাঞ্জাও হায়বদু হৌরকখিবগী অহানবা খোঙফম হায়বদু ওইখি । অহানবদা, জর্মনি ফ্রান্স অমদি বৃতেনখক্তা ওইরম্বদগী মথঙ মথঙ য়ুরোপকী মফমপুম্বা শীনথুংনা লান অদুনা কোনশিল্লকখি । চহি অমগী মতুংদদি লান অদু, অৱাংথংবা আফ্রিকাগী লমদম অমসুং লিবিয়াগী সমুদ্রখোংবান য়ৌরকখি । ফ্রান্স লৈবাক্লা জর্মনগী মফমদা খুৎলাই থাদোকখিবদগী বৃতিশকী লান্দাবা কাংবু অদুসু য়ুরোপকী মফম খরদগী তান্থোরকপা ঙমখ্রে । মথঙগী চহিদদি জর্মন লান্মীনা রাসিয়াদা অমুক লান্দাশিল্লকপদগী লান অদুগী ওইবা অনৌবা মায়ওন অমা লাকপা হৌরে,

অমসুং চহি অদুগী লোইশিল্লকপদা য়ুনাইতেদ ষ্টেট্স ওব আমেরিকা অমদি জাপান লৈবাক য়াওশিল্লকপদগী পৃথিবী অপৃম্বগী লান হায়বদু ওইরকখিবনি ।

পৃথিবীগী ২বা লাঞ্জাও হৌরকফমগা মরী লৈনবা ৱারীগী মশা কয়াদি লৈগনি, অদুবু অতৈ অতোপ্পা ৱারীগী মশা লাম্লদনা ২বা লাঞ্জাও হায়বসিদা ঐখোয়না শমজীন্না উগদবা মিৎয়েংদি মায়কৈ অনিখক্তনি । অহানবদা, বৃটিশকা মীচঙ ওইরবা লৈবাক কয়াগী অপূনবা এল্লাইদ পাৱর হায়বদুগা জর্মনিগা নোংচুপ লমদা শোক্লবা লান । মতম খরগী ওইনদি নোংচুপ য়ুরোপকী ওইনা ইতালি লৈবাকসু এল্লাইদ পাৱরদা য়াওরম্মী, মথঙদা সোভিয়েট রাশিয়া, কানাদা অমসুং অৱাং আমেরিকাসু য়াওশীল্লকখি ।

অনিশুবদা, নোংপোক মায়কৈদা লাপ্না লৈখ্রবা পাসিফিক সমুদ্রদা এল্লাইদ পাৱরগা জাপানগা শোক্লরকপা লান্না খা-নোংপোক এশিয়াগী লমদম কয়া য়ৌরকখিবা অসিসু অমনি । য়েৎনবা নাকল অনিমক্কী তোঙান তোঙানবা মরম লৈনখি, অমসুং তোঙান তোঙানবা মফম মতম কয়াদা খেন্ন-খেন্নবা মওংদা মীচঙ ওইবা কাংবু মশেল অমগা অমগা হীরম অমত্তদা খুৎশম্লদনা য়াম্না তাঙনা থোক্লবা লাল্লোঙ কয়াদা, অমসুং তোঙানবা মফম কয়াদা মখোয় মখোয়গী য়েক্লবা কাঙবুগা লাম্হেংনখিবনি ।

পৃথিবীগী খা-নোংপোক এশিয়াগী অতিয়াদা লানগী নোং মংলকপা :-

নোংপোক লমদমগী ওইনা, মরু ওইনা পাসিফিক সমুদ্রগী মফম খরদা চৎথরকপা লানগী থৌরম পরেং খরগী মরু ওইবা থৌদোক্কী মতমনচিংবা মরী লৈনবা ৱাফম খরা অমুক য়াম্না শমজীনবা মওংদা মখাগী অসুম্না তেনশীন্না থমজরী :-

২বা লাঞ্জাও হৌখ্রবা মতুংদা ওইরক্লিবা লান অদুগী অৱাবা খুদোংথীবা কয়া অদুদগী ঙাকথোকপা ঙম্নবা অমসুং লান অদুদগী লাপথোক্লা ঈংনা তপ্না লৈবা য়ানবা, মতম অদুগী ওইনা আমেরিকাগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা ফ্রাঙ্ক লিন রুজভেল্টনা জাপানগী নিংথৌরেল (হিরোহিতো) দা শান্তিগী পাউজেল কয়ারক হন্না থাখী, পাউখুম লাকখিদে। ইং ১৯৪১ দিসেম্বর ৬তা অকোনবা ওইনা পাউজেল থাখীবা নুমিৎ অদুগী অথেঙবদা, জাপান লৈবাক্লা য়ু এস তা লৈবা মখোয়গী এম্বেসিদা থারকপা কোদ (খঙ-ন ৱাহৈ) মেসেজ অদুগী তরাহুমদোই শুবা শরুক অদুবু চেকশীন্না শেন্নরিবা আমেরিকান ইন্টলিজন্স কাংবুনা খঙদোকপা ঙমখিবগা, অমুক পন্থদনা প্রসিদেন্ট রুজভেল্টকী মফমদা ৱারোল অদু খঙহনখিরমই অমসুং মখা তানা, খা-নোংপোক এশিয়াদা লৈরিবা আমেরিকাগী লোইলম লৈবাক কয়াদা য়াম্না খুদোংথিবা থোকহন্না জাপানীজগী ওইথোকপা য়ারবা লাঞ্জঙ অমা লৈরে হায়বসি মখোয় পূম্নমক্না ময়েক শেংনা খুদক্তা খঙবা ঙমখি।

লানগী খোঙজঙ অমদা জাপানীজগী নোংথক অমসুং লৈখা লান্মীনা খা নোংপোক এশিয়াগী লমদা মথঙ মথঙ চৎথরকপা লাল্লোঙ অমসুং আমেরিকানা লান য়াওরকপগী শমলপ্পা ৱারোল।

দিসেম্বর ৭-১৯৪১

আমেরিকাগী মফমদা য়াম্না ঙক্লা, থাজদনা, হাৱাই ঈথৎকী পার্ল হার্বরদা থম্বা মখোয়গী জাহাজ মপৈ অমদা জাপানগী ফাইটর প্লেন ময়াম্না অকীবা ফংনা ইং ১৯৪১ গী সিদেম্বর ৭ তা লান্দাখি। নুমিৎ অসিদগী হৌনা জাপান লৈবাক্লা বৃটেন, কানাদা, অস্ট্রেলিয়া অমসুং য়ুনাইতেদ ষ্টেৎসকী মথক্তা লান তৌরে হায়দুনা লাউথোকখি। পার্ল হার্বরগী থৌদোক অসিদা য়ু এস কী

লানগী জাহাজ নিপান মাঙ তাকহনখি, ক্রুজর্স (মীয়াম পু-নবা অচৌবা জাহাজ) অহুম গা লোয়ননা নোংমৈ অচৌবা য়াওরবা দেস্ট্রোয়র অহুমসু থুগায়খি। মীওই ২৩৪৪ হাৎখি, ৮৭৬ না অশোক অপন নংহনখি, থিবা খঙদনা, সমুদ্রদা মাঙখ্রবা মীশিং ৯৬৬ শুখি।

দিসেম্বর ৮-১৯৪১

পার্ল হার্বরদা জাপানীজনা নোংথক্তগী লান্দাখিবা থৌদোক অদুগী মতুংদা য়ু এস এ নসু জাপানগী মথক্তা লান তৌরে হায়না লাউথোরকপগা লোয়ননা জর্মনি লৈবাক্কসু য়েক্লবা ওইখ্রে। বৃটেনগী প্রাইম মিনিষ্টর ৱিন্সটন চর্চিলনসু জাপানগা লান তৌনরগনি হায়না বৃটিশ পার্লিয়ামন্টেতা লাউথোকখিরমই। চহি অদুগী দিসেম্বর তারিখ ৭ কী নুমিৎ অদুবু আমেরিকাগী প্রসিদেন্ট রুজভেল্টনা, জাপানগী মফমদা, মখোয়গী মিংচৎ থিবা, লূজদবা নুমিৎ অমনি হায়না লাউথোকখি। জাপানগী অহানবা লাঞ্জঙ অদুগী মতুংদগীদি এশিয়াগী খা-থংবা মায়কৈগী লমদম কয়াদা মখোয়না মথঙ মথঙ তকথরকপা হৌরক্লে। দিসেম্বর ৮ গী নুমিৎ অসিদসু জাপান লানমীনা অৱাঙথংবা মায়কৈদগী মালায়াসিয়াদা লান্দরক্তুনা জিত্রা হায়বা মফম অদু লৌশীনখি। মথঙদা ফিল্লিপিন্স য়ৌশিল্লক্তুনা, গুৱাম অমসুং থাইলেন্দ-দা বোম্ব থাদখি। বৃটিশ লান্মী লিশিং ১৪,০০০ না ঙাক্লিবা হোঙকোঙদসু বোম্ব থাদদুনা ভিক্তোরিয়া হোঙকোঙ পায়শীনখ্রে। মফম অদুগী লুচিংবা ওইরিবা বৃটিশ ফোর্সকী পার্সিভলনা করি তৌরকপগে হায়বদু ঙাইদুনা নুমিৎ ১৫ নিগী মতমদি জাপানীজ কাংবু তূমীন্না লৈখি, অদুবু য়ানবা ৱাফম অমত্তা য়াওদনা পার্সিভলনা লুচিংবা বৃটিশ কাংবু অদু খুৎলাই থাদোক্তুনা জাপানীজগী মফমদা চঙজখি। থৌদোক অসিদা, মশিং য়াম্লবা বৃটিশ লান্মী লাখ অমরোম লানফা ওইখি, বৃটিশ লান্মী লিশিং মাপন অমসুং জাপান লান্মী লিশিং তরা শিখি।

দিসেম্বর ৮ দগী ১০ ফাওবদা জাপানীজগী লাঞ্জঙ :-

কংফালগী লমদা জাপানীজ লান্মী কাংবুনা বাটামবাং অমদি কেম্বোদিয়ারোমদগী থাইলেন্দ য়ৌশিল্লকপগা লোয়ননা দোনমুৱাং এয়ারফিলদ দসু মখোয়গী এরোপ্লেনশিংনা বোম্ব থাধখি। অমরোমদা থাইলেন্দগী গল্ফ মপান্দা লৈবা হিন অমসুং পাতানিগী মরক্তা লৈবা সমুদ্রদা,

ঈশিংদসু তাবা য়াবা, লান্মী ময়াম পুরকপা জাপানগী এরোপ্লেন তরেৎ চঙশীল্লক্তুনা থাইলেন্দগী খা থংবা লমদম কয়াদগী জাপানীজ লান্মীশিং য়ৌশিল্লখি । তকশীল্লক্লিবা জাপানীজশিংদুবু মওংতানা থৌরাঙ তৌরবা বৃটিশ লান্মীনা ইমু-নাইমু তানা ঙাকথোক্লবা হোৎনরবসু মখাতাবা ঙমখিদে । মতম অদুদা, ৱিন্সটন চর্চিলনা সিঙ্গাপুরদগী বৃটিশকী লানগী জাহাজ অনি, প্রিন্স ওব ৱেল্স অমসুং রিপল্স হায়বদু পাসিফিক সমুদ্রদা মালায়া তম্না চঙশীল্লক্লিবা জাপানীজশিংবু অথিংবা পীননবা থারক্লমই । জাহাজ অনিমক জাপানগী সবমেরিন্না উখিবদগী পুং অনিগী মনুংদা এরোপ্লেন মরীফুতরা পাইশিল্লক্তুনা চঙশীল্লকখিবা জাহাজ অনিমক অদু মাঙ তাকহন্না সমুদ্রদা লুপহনখি ।

মালায়া দা লান্দাবা

দিসেম্বর ৮-১৯৪১-জানুয়ারী ৩১-১৯৪২

বৃটিশকি লম ওইনা লৈরিবা মালায়া, রববর অমসুং টিনগী হৌরকফম মফম অমনি । মালায়াগী মতোনথংবা মচিন্দনি সিঙ্গাপুর ঈথৎকী ওইবা, পাঙ্গল্লবা লানগী জাহাজ ১দি লান্মীগী মফম (বেজ) অমা ওইরিবা । জাপানীজশিংগী অহল ওইরবা, হৈশিংলবা, কুনমঙাশুবা আর্মী কাংবু অমনা মালায়াগী অৱাংথংবা মায়কৈদগী চঙশীল্লক্তুনা জঙ্গলগী লমদম অমদা ফাওজীল্লকখি । মমিংগী ওইনা মশিং য়ামজবা বৃটিশ লান্মীশিংগী খুৎলায়দা মতিক চাবা ওইদবা অমসুং মখোয়গী মরক্তা অয়াম্বনা হৈ-শিংবা, খঙবা ৱাৎপদগী জানুয়ারী ১৯৪২ গী মতমদদি জাপানীজশিংনা মখোয়বু মায়থীবা পীখি ।

দিসেম্বর ১৬-১৯৪১

জাপানীজ লান্মী বোর্নিও, য়ৌরকখি । মিরি হায়বা মফমদুদগী অৱাং পাংনা সমুদ্র খোঙবান্দা চাইথোরকই । মালায়াসিয়াগী বোর্নিও সারাৱক লৌশীনখি । ইন্দোনেসিয়াগী ব্রুনৈ, সেলেবেস লৌশীনখি ।

দিসেম্বর ২২-১৯৪১

জপানীজ লান্মীনা মিন্দানো অমদি ৱেক ঈথৎ য়ৌরকপা ।

দিসেম্বর ২২ গী মতমদদি ফিল্লিপিন্স ঈথৎপূম্বা জাপানীজনা খুদুম চনখ্রে । লান শোক্লরকপদি দিসেম্বর ১০ দগীনি, মতম অদুদা জাপানীজশিংনা

ফোরমোসাদগী পুরকপা লান্মী কাংবুনা আপারি, ভিগান অমদি মানিলা দসু লান্দাখি। অমরোমদনা পালাও ঈথৎতগী পুরকপা লান্মীশিংনসু দাভাও অমসুং জোলোদা লান্দাখি । মানিলা সহর মনাক্তা লৈরম্বা আমেরিকান কেম্পশিং অদুদগী লান্মী ময়াম অমা বাটান পেনিনশুলাদা লৈবা কোরিজিদর হায়বা অমেরিকান লানবল অদুদা হন্দোক্লুনা লৈখিরম্মী। মফম অসিদগীনি, সমুদ্রগী হিথাংফমদা চঙশীল্লকপা হি অমদি জাহাজ কয়াবু মখোয়না চেকশীন্না য়েংশিন্দুনা লৈরকখিবা। হায়রীবা, সমুদ্রনা কোয়শীনবা পেনিনশুলা অদুদা লৈবা আমেরিকান লান্মী লিশিং মরীফু না মে ৬ ফাওবদি জাপানীজ লান্মীগা মায়োক্লগদৌরী, অদুগী মতুংদা হিংহৌবা কয়ানা জঙ্গলদা লোৎখ্রগা গুরিল্লা লাল্লোঙদা লান শোক্লগদৌরি । মার্চ ১২ ৱাইদদি জেনরেল মেক অর্থর, পেনিনশুলা অদু থাদোক্লুনা অস্ট্রেলিয়াদা চঙজফম লৌখী ।

জানুৱারী ১৫ দগী মে ১৫- ১৯৪২

জাপানীজ লান্মীনা বর্মা য়ৌশিল্লকপা :-

বর্মাদা জাপানীজগী নোংথক অমসুং লৈখাগী লান্মীনা লান্দারকপা অমসুং মখোয়বু থিংবা ঙমদনা তকখায়রকপদা বৃটিশকা মীচঙ ওইরীবা এল্লাইদ কাংবুগী মফমদা য়াম্না হকচীন্না অঙকপা পোক্লখি। লান্দারক্লিবা জাপানীজশিংনা হনবা লৈতনা নৈখায়রক্লবদা বর্মাদা লৈরম্বা বৃটিশ, আমেরিকান, চাইনিজ অমসুং বর্মাগী লান্মী মশিং য়াল্লবা কয়া অমা খা- থংবা চাইনাগী লমদা অমসুং ইন্দিয়ারোমদা চেনশীন্নখি । বর্মাদা হান্নদগী লৈরক্লবা ভারতকী মীওই কয়া অনকপা লম্বীদা ভারত য়ৌবা য়াখিনবা য়াম্না অৱাবা খোঙচৎ অমদা চীংমান জঙ্গল ফাওদুনা মণিপুর য়ৌরকখি। মতম অদুদনি ভারতকী অৱাং নোংপোক্তা লৈবা বৃটিশনা ঙাক্লীবা ইম্ফাল সহরদা ইহান হানবা ওইনা জাপানগী এরোপ্লেন শঙ্গু অমনা ইং ১৯৪২ গী মে তারিখ ১০ দা বোম্ব থাধদুনা পৃথিবীগী অনিশুবা লাঞ্জাও অদুগী মনুংদা মণিপুর লানকায়বা হায়বা খুদোংথীরবা মতম অদুগী অৱা চৈথেঙ ফংবা হৌখিবসু ।

লানগী ঈথক অসি নাম্থোক্লবা, বর্মাদগী ভারত তম্না, মণিপুর ফাওনা চেন্নরকপা মীওইবা কয়াগী অৱাবা মতম :-

মথক্তা পঞ্জখ্রবা ইং কুমজা ১৯৪১ গী দিসেম্বর তারিখ ৭ তা জাপানীজ ফাইটর প্লেন ময়াম্না হাৱাই ঈথৎকী পার্ল হার্বরদা থম্বা আমেরিকাগী জাহাজ মপৈ অমদা লান্দাখিবা অচৌবা থৌদোক অদু থোকখিদ্রিঙৈগী মতম ফাওবদি, লান অসি ভারত্তা য়ৌরক্কনি হায়বগী ওইথোকপা করিসু লৈতে হায়না বৃটিশকী মফমদা থাজবা লৈখি, অদুবু কুইখিদে, চয়োল তরাগী মনুংদা সিঙ্গাপুরদা নত্তনা মালায়াগী মফম পূম্নমক জাপানীজনা লৌশীল্লকপগা লোয়ননা ইং ১৯৪২ গী মার্চ ৭ ফাওবদা ইষ্ট ইন্দিজগী মফম পূম্নমকসু দচ্চ লৈঙাক্তগী জাপানীজনা পায়শীনখিরমই । হান্নদগী হৌনা, থাইলেন্দগী (মতম অদুদা শিয়াম হায়না খঙনবা) মায়কৈদগী বর্মা য়ৌবা ফাওবা জাপানীজনা তকশীল্লক্লবদা, বৃটিশকী মফমদদি য়াম্না অঙকপা, অমম্বা ওইনা খল্লিঙৈ, বর্মাগী কোনুং রেঙ্গুন ফাওবা জাপানীজগী মফমদা খুৎলাই থাদোকখিরমই । হায়রীবা অসিনা তাকপদি, মতম অদুদা বৃটিশকী ওইরম্বা মফম পূম্নমক মথঙ মথঙ মাঙজবা হৌখ্রে হায়বনি । অসিগা লোয়ননা বৃটিশ লাম্মী দিভিজন কয়াবু সালৱিন তুরেলফাওবা নমদুনা তাম্থোরকপদগী সিত্তাং য়ৌরকখি । মার্চ থা লোইরকপা মতমদদি জাপানীজশিংনা ইরাৱাদি তুরেলগী লৈতেম মান্নবা লমদম য়ৌনা চঙশীল্লক্তুনা থা অমরোমগী মতুংদদি মন্দলেগী মতাই-মতাইদা লৈবা মফমশিংদা চরাঙনবা হৌরক্লে । মতম অসিদা ইম্ফাল (মণিপুর) হায়বা মফম অসিদা লান শোক্লফম ওইগনি হায়বগী ওইথোকপা য়াবা ৱাফম লাপ্না খন্নরম্বা অদু, কুইথদনা, খঙহৌদনা লান য়ৌরক্লগনি হায়বগী ৱাখল বৃটিশকী পূক্লিংদা ফাওরক্লে । ঈংনা চিক্লা, চীংলোন কয়ানা ঙাক্তুনা লৈরিবা তম্পাক

লমদমগী সহর অসিদা মাঙজীল থানা লান্দা চঙগদবা পোৎলম কয়াগী থম্ফম তঙায়ফদনা ওইরকখি । অশুম্না, চাওনা শেম-শারবা মফম অমা ওইনা, বর্মারোমদা চঙশীনখিগদবা লাম্মী মপৈ কয়াগী খোঙহৌফমসু ইম্ফাল নত্তনা অতৈ মফম লৈখিদে । খঙহৌদনা, তঙায়ফদবা মরম কয়া মায়োক্লবা তারকপদা, থবক মরম পূম্নমক মথক মখা ওনবা তারকই । বর্মাদগী হন্দোক্ল রকপা লাম্মী লিশিং কুম্বাগী (কেম্প) লৈফম শেম্বদা ভারতকী মফম কয়াদগী অফঙ-অফঙবা তম্বুর কয়া খোমদুনা য়াম্না অথুবগী ওইনা ইম্ফাল য়ৌনবা থাহল্লকখি অমসুং আসামগী চা-বাগান্দগী তারপোলিন কয়া অমসু লৈদুনা পুরকখি ।

মীওইবনা চৎনদ্রবা চীং-মান মোংশোংগী লম্বীদা, অকীবনা লাকশীল্লবা, নিংবা কায়রবা, পূক্লিং শোন্থরবা, লানজেন্নরকপা মীওই কয়ানা খুদোংথিরবা কয়া মায়োক্লনা, থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা য়াম্না চোকথনা, ৱানা, মণিপুর তম্পাক য়ৌনরকখি । বর্মাদা লান য়ৌরক্লিঙৈ, বর্মাগী অচৌ-অচৌবা ইন্দস্ত্রিদা, থবক শুফম মফম কয়াদা, ভারত মচাদা নত্তনা অতোপ্পা লৈবাক্কী মীওই মখল, মশিং য়াম্লবা মখোয় কয়াবু, থবক শুনিংদবা নুংঙাইনা হিংবা পাম্বা বর্মাগী মীওই কাঙলুপ অমনা নুংশিখিদে । জাপানীজ লাম্মীনা বর্মাদা চঙশীল্লকখিবা মতম অদুগী তাঞ্জা লৌরগা, মখোয় পূম্নমকপু ওৎ-নৈরগা মরল মথুম মুনবীবগী ৱাখল পোক্লরকপা অমসুং জাপান লাম্মীনসু বর্মা নৈখাইরকপা মতম অদুদনি ভারতমচা কয়া অমা সমুদ্রগী লম্বীদা বর্মা থাদোক্তুনা চেন্নবা হৌখিবা । কয়া অমনা সমুদ্র খোঙবালদা অৱাং পাংনা চৎখ্রগা আক্যাবতগী হি তোংদুনা চেন্নখি । অতৈ মশিং য়াম্লবা মীওই লিশিং কয়া অমনা ময়ায়থংবা বর্মাগী লমদম ফাওবা লাক্লগা (চিন্দৱিন) নিংথি তুরেল লাম্থোক্তুনা ইন্দিয়াগী লম য়ৌনবা মণিপুররোমদা লাক্লখিবা মখোয়গী পূক্লিংদা লৈখিবদি মখোয়না চৎলক্লিবা লম্বী অদুনা তুমু য়ৌরকপবু ঙম্লবদি ইম্ফাল য়ৌরকপা ঙম্লগনি অসিনি। য়াম্না ৱানা জানুৱারীগী অঙনবা মতমদা মখোয় ইম্ফাল য়ৌরকপা

হৌরে । রেঙ্গুনগী হিথাঙফমদা থবক শুরম্বা মীওই কয়া অমসুং ভারতকী অতৈ থবক শুবা মীওই, কুলি, মীগী ইমুঙদা থবক শুরুবা কয়াগী মচা মশু, নুপী অঙাং, এংগ্লো ইন্দিয়ান, অমসুং এংগ্লো বর্মিজনচিংবগী মীওই লিশিং কয়ানা লম্বী লমশাঙশিংনা, অৱাবদা অসিনি হায়ফম খঙদনা মণিপুর য়ৌনরকখিবনি । মখোয় অদুগী মরক্তা, থাও শুংফম কয়াগী, উগী কারখানা কয়াগী মপু ওইনা থবক তৌরম্বশিং অমদি বৃটিশকী ইমুং মনুংদা নত্তনা ইতালিয়ান, স্বিদেন্নচিংবগী মীওই কয়াসু চেল্লক্লরিবা মীরক অদুদা য়াওরম্মী । মীয়াম পূন্নমক অদুগী হকচাঙ শোক্লিংঙাই ওইশিল্লকপা, চিঞ্জাক ৱাৎলকপা হায়বসিনা মখোয়গী খ্বাইদগী ফৎত্রবা য়েক্লবগী মশক ওইরকই, মসিগা লোয়নননা লায়না কয়ানসু মখোয়বু লাকশীল্লকখি । মীওই চাম্মচাম্ম, লম্বী চৎনা-চৎনা ৱান্থরক্কুনা শিহৌই । মশা-মশানা পুরকপা গারী মখল কয়া পোৎয়োম কয়া লাক্লিবা লম্বীগী মপান্দা হুন্দোক্লরমই । হি দা স্টিমারদা অমদি এম্ব্যুলেন্সনচিংবা কয়াদা মতিকচানা পোৎ হাপফম লৈতবদগী, মৈ পুথোক্লবা, মুত্থৎনবা ইঞ্জিন কয়া চিন্দরিন তুরেল মপান্দা হুন্দোক্লম্বসু কয়ানি । ওইবসু য়াই, মখোয় লানজেল্লকখিব অয়াম্বনা ভারতকী ঙমখৈ অসি মফম অদুদগী কয়াম লাপ্পনো হায়বফাওবা খঙদনা চয়োল খরগী মমাঙদগী হৌনা মফম অদুদগী ইপঙ পঙনা খোঙশাল্লকখিবা । অমরোমদা, চৎকদৌরিবা লমশাঙ অদুদা মখোয়না মায়োক্লগাদবা অৱাবগী মশক ওইরবা কয়া অদুসু মাঙজৌননা খঙবা ঙমখিদবা ।

জঙ্গলগী লমদম, চীং-মান কয়া ফাওদুনা মণিপুর তম্পাক য়ৌনবা চেল্লক্লবা মখোয় কয়াগীদমক ইম্ফালগী অৱাংদা লৈবা কোইরেঙ্গৈদা বৃটিশ কাংবুনা কেম্প অমা থৌরাঙ তৌখি । মফম অসিদা মখোয় মশিং খঙদনা চাম্ম-চাম্ম মতম নাইদনা য়ৌরকখি । মখোয় অয়াম্বগী মশাদা পয়শা য়াওদ্রে, অহেনবা ফি য়াওদ্রে, পূন্নমক অদুগী মথক্তা য়াম্লবা নুপী অঙাং কয়াদি মশা

শোকচীন্না অনাবা মখল কয়া মায়োক্লবসু য়াওরক্লি । মখোয় ময়াম্না লম্বী থন্না লাকপদা, কনাগুম্বা মীগী পূক্লিংদা ফাওগদবদি, ফুটবোল শান্নফম স্টেডিয়ম অমদগী মপাল থোক্লরকপদা লম্বী চৎফম খঙনদবদুনি । লান চেল্লক্লিবা মখোয় পূম্নমক্কী ব্রাখলদা ইন্দিয়া য়ৌবা হায়বসি মখোয়গী ব্রাশক্লি । মখোয়গী পূক্লিংদা মণিপুর অসি ইন্দিয়া নত্তে, অসিনি । মখোয়, ব্রহ্মপুত্র ব্রাংমা লাম্থোক্লা হেন্না লাপ্না চৎকদৌরী, অশোয় অঙাম লৈত্রবা মফম অমা থিবদা । কংলাতোংবীদা পন্ননবা বৃটিশনা মখোয়বু থেমজবা পূম্বা অরেম্বা তাখি । মণিপুরদা চঙশীল্লক্লিবা বৃটিশ আরমীগী কনভোয় গারী পরেং অদুবু থৈদোকপীরবদি মখোয়গী লৈফম চাফম পীগনি হায়না হায়জরবা ফাওবদা মখোয়গী ব্রাখল মচি লেঙখিদে । অসিগুম্লবা মখোয়গী খোঙচৎ অসি, অহিং নুংথিল নাইখিদ্রবনি। চৎপা ঙমদ্রবা কয়ানা, লম্বীগী মফম কয়াদা অশিবা হকচাঙ ওইনা তাহৌই । অরাপ্পদগী য়েংবদা মখোয় রিফ্যুগীজী কেম্প নৎত্রগা মখোয়না পল্লিবা মফম্নচিংবগী অহাঙবা অতিয়াদা লাঙজা ময়াম অশিবা হকচাঙ য়েংদুনা কোপায় পাইরি । অহিং খুদিংগী, অশিবা হকচাঙ কয়া, লায়না শন্দোক্তনবগীদমক্তা সিফায়শিংনা মৈ থাদোকই । অঙাং কয়াকয়া মমা মপা কায়নখী, মমা মপা কয়া মচা কয়া কায়নখী । লাপ্না-লাপ্না চৎলিবমখৈ মখোয়না পুরিবা পোৎ অমসুং লাকমিন্নবা মীশিং হন্থরকই । মীওইবগী থম্মোয়দা খমথেংনা নুংঙাইত্রবা, অব্রাবা নুংশিবগী শক্তমনি । লম্বীদা মমা মপা শিহৌরবা ইমুং অমগী অঙাং নুপামচা নুপীমচা, কনাগা চৎলিবনো খঙদনা তোঙান তোঙান্না চৎনখিবসু কোঙ্গায়নি । রেঙ্গুন, পেগু নৎত্রগা তোংঙুদগী শাংলবা খোঙচৎ অসি চৎপা হৌরকপদগী ইমুং কয়ামরুমগী মাগী মাগী নুংশিবা নক্লবা মীওই কয়া কায়নখি । অমরোমদা, মশা শোনবনা মখোঙ থাংবা ঙমদ্রবা মখোয় (রিফ্যুজি) লানচেল্লক্লিবা লিশিং তরা তরারোমগী কাংবু কাংবুনা চপ মান্নবা মতমদা মখোয়বু অব্রাং পাংনা লোরী অমদা পুবিনবা তাঞ্জা ঙাইনদুনা লৈনরিঙৈ, মখোয় কয়াগী মরক্তগী য়ামদ্রবদা মীওই কুন্দগী

য়াংখৈফাওবা নোংমা-নোংমগী, ইতোল লায়নানা কোলেরানা, মেলেরিয়ানা অমদি লাইথোকপগী লায়নানচিংবনা শিহনখিবসু কয়ানি। ইং ১৯৪২ এপ্রিল-মেগী মতমদদি মী পুনবা লোরি মশিং মরাঙ কায়দবনা, লানচেল্লক্লিবা মখোয়গী মরক্তা পাঙ্গল ফনা চৎপা ঙম্লিবা মখোয় অদুতমক দিমাপুর য়ৌনবা পুবীখিবা য়াওই । মতম অদু, ইম্ফালদদি চেং চাক্কী মমল অদুক্কী মতিক ৱাংখৎখ্রবনি, চাননবা হৱাই চেংৱাই, থাও থুম য়াম, আতা চিনিনচিংবা পোৎলমগী ফংফম অমত্তা লৈখিদে ।

অমরোমদা, মখোয়গী মথক্তা হাপচীল্লকপা অৱাবা পোৎলুম অমনা, নোংজু মতমগী ওইনা চুথরক্লবা কুমগী অকনবা নোং অদুসু অমনি । তুশিন-তুশিন, হাইরং হাইরং তৌনা লাকপা মীওই কয়া অমসু য়াম্না চোকথনা য়াম্না থেঙনা মণিপুর তম্পাক য়ৌরকখিরম্মী । মখোয় অয়াম্বনা চিন্দৱিন তুরেল মপালদগী লাকপনা, মীওইবনা খুন্দাদ্রবা জঙ্গলগী লম্বীদা, মেলেরিয়া পুবা কাঙনা পিক থল্লবা চীং মানগী অশুকপদা, লোক তাই কয়া লান্দুনা লাকখ্রবা নুমিৎ মশিং খঙদ্রবা খোঙচৎ অদুনা লোইরকপা মতমদদি মখোয় পূম্নমক অরাম খৌরাংবনা ঙাওরবা, অরুম লাইহৌ শাগোন্নরবা অঙাওবগুম্না উরবা মীওইঙাক্ত ওইখ্রবনি । মতম অদুদা, ইম্ফালগী লম্বী সোরোক্তা লমদম অসিগী মীওই অমত্তা উখিদ্রে, কৈথেল লৈত্রে, ইম্ফাল মনুংগী লৈকায় লৈকায়দা লৈবা ইমুং পূম্নমক অরাপ অরাপ্পা খুঙ্গংদা লানজেন্নখ্রবনি অহানবা বোম তাখিবা মে ১০ গী নুমিৎ অদুদগী হৌনা, অশুম্না ২বা লাঞ্জাওনা থোকহনখিবা মীওইবা লিশিং কয়াগী খুদোংথিনা ৱারবা মতমগী ৱারী অমদি মথক্তা পঞ্জখ্রিবা থৌদোক অসিসু অমনি ।

জাপানীজ লান্মীগী মীওৎ মীনৈ অমসুং অশন্বা নৈনরোল :

মথক্তা য়াম্না শম্না তমজরিবা লান অদুগী পাউদম খরা অসিগা লোয়ননা জাপানীজ কাংবুনা খুদুম চল্লবা লমদম খরদা থোকখিবা অৱাবা ৱারী কয়া অমসু লৈরী। ১৯৪১ দিসেম্বরদগী ১৯৪২ ফাওবদা খা নোংপোক এশিয়াগী মফম কয়া অমসুং পাসিফিক ওসিনগী শরুক খরদা জাপানীজ লান্মীনা চঙশীল্লকখিবা অমসুং মথঙ মথঙ মহৈ য়াল্লকপদু উবদা বৃটিশ এল্লাইদ ফোর্সকী অপূনবা, আমেরিকান, দচ্চ, অষ্ট্রেলিয়ান লান্মীনচিংবগী ওইবা কম্মান্দর মখোয় পূম্নমক্কী মফমদা য়াম্না ঙক্লা চম্মম্লবা মতম হায়বদু ওইখি। মখোয়না (জাপানীজনা) লৌশীনখ্রবা মফম পূম্নমক্তা য়াম্না নুংশি হৈতনা চৎথবা শা-ঙাগী থবক মথঙ মথঙ পাঙথোকরপা উখি। পনবা য়াবা থৌদোক কয়াগী মনুংদা, ইং ১৯৪১ গী খৃষ্টমাস মতমদা হোংকোঙ ঈথৎতা লৈবা সেন্ট স্টেফন কলেজগী লম্পাক্তা লৈরম্বা বৃটিশ আরমীগী ফিলদ হোসপিটাল অদুদা য়াল্লবা জাপানীজ সিফায় ময়াম হুপচিল্লক্লুনা হোসপিটাল অদুবু কোয়শীন্দুনা থল্লগা, খুৎলায় য়াওদনা অশোল অনা, অশোক অপন ময়াম্বু লায়েংবগী থবক তৌজরিবা, মফম অদুদা লৈরম্বা মীওই পূম্নমকপু ওৎ-নৈখি। মফম অদুদা নর্স ওইনা লৈরম্বী নুপী কয়াবু কোয়শীল্লগা মখোয় ময়াম হুপ্না য়াম্না তমথিবগী লিচৎতা মথঙ মথঙ নুপী ওইবীগী ইকায়খুম্নবা খোঙনেৎনখি। হোসপিটাল অদু পৃথিবীগী ওইবা রেদ ক্রোস কী খঙ-ন খুদম, ফীরাল য়ুংলিবনি, মরম অদুনা সিফায়নসু ঙাকপা মফম নত্তে, রেদ ক্রোসকী মার্ক থল্লবদি চৎনবী মতুংইন্না কনানসু অকায়বা পীরক্লোই হায়বগী ৱাখলদা, দাক্তর নর্স পাউখোল্লোই কয়ানচিংবা হোসপিটাল অদুগী মীওই কয়ানা মিনুংশি হায়বদুগা লোয়ননা খুৎলায়না শোক্লবা অশোল অনা কয়াবু চেকশীন্না লায়েংলিবা মফমনি। মদুগী চৎনবী অদু জাপানীজ লান্মীনা ইকীয়খুম্নখিদে, মখোয়গী ওফিসারশিংনসু অথীংবা পীখিদে। অশোক অপন থোক্কুনা লায়েংলিবা বৃটিশ

সিফায়দা নত্তনা দাক্তরনচিংবা অতৈ নুপা ওইবা কয়াবুসু নোক-খেনা লক্লরগা শঙ্গিন্না থিন্দুনা হাত্তোকপিখি । লমদম অদুগী লৈঙাক মপুনা খুৎলায় থাদোক্লবদা, জাপানীজ লাম্মীশিং অদুনা লমদম অদুগী মফম কয়াদসু চঙশীন দুনা লৈরম লৈরম্বা চাইনা নুপী কয়াগী মফমদা শারমচৎকী থবক মখা তানা চৎথখি । মফম অদুদা জাপানীজশিংনা খুদুম চন্দুনা লৈরকপা চহি ৩ থা ৮ গী মনুংদা মখোয়না রেপ তৌবীখিবা নুপী লাখ অমরোমদি ওইগনি হায়বগী ৱাফম থেংনৈ । ইং ১৯৪২ গী ফেব তারিখ ১৪ দসু সিঙ্গাপুরদা লৈবা আলেকজান্দ্রা হোসপিটাল কোয়শীন্দুনা থম্লগা মফম অদুদা লৈরম্বী নর্স ওইবী পূন্নমকপু য়াম্লা তমথিবা মওংদা নুপী ওইবীগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীরগা হিংচা য়াইতম্বগী শাজত্তা শঙ্গিন্না থিন্দুনসু হাত্তোকপিখি, অশিবা হকচাঙ পূন্নমক্তু মফম অদুগী অশোঙবা জঙ্গলগী মফমদা লংশিনখি । মতৌ অশুম, হোসপিতাল অদুদা লৈরম্বা, লৈরম্বী অনাবা সেবা তৌরম্বা তৌরম্বী মীওই অমফাওবা খাক্তনা জাপানীজ লাম্মীশিংদুনা লোইশিনখি । অহানবা নুমিৎ অদুদা মখোয়না লাক্লবীবা, ওৎপীবা অদুদগী হিংহৌবা মখোয় (বৃটিশকী নৎত্রগা লমদম অদুগী মীওই) কয়া অমসু মখোয় নিপান নিপান মখুৎ তুংবুন্নরগা পুল্লপ্লা থৌরী অমনা লাকশীল্লগা লম্বীদা চৎহল্লি, অমসুং ৱাস্থরকপশিংদু খুদক্তা শঙ্গিন্না থিন্দুনা হাৎলি । অতৈ অরেম্বা কাংবু অদুদি, অহিং অমা অমোৎপা কা অমদা করি অমত্তা পীজ পীথক্তনা থম্লগা নোংঙাল্লকপদা অমমম মথঙ মথঙ পুথোক্লগা লোইশিনখি । মতম অদুদা ওফিসার অমগা অতোপ্পা ফম পায়বা মীওই মরী খক্তা হিংহৌই হায়বগী ৱারোল থেংনৈ । জাপানীজ লাম্মীনা ফারবা বৃটিশ লাম্মীগী মশাদা য়াওবা মমল য়াম্বা পোৎ- শেল, ঘরী লিক মরীনচিংবা পূন্নমক মখোয়না লৌশীল্লি ।

লাঞ্জাও অদুগী মনুংদা অসিগুম্লবা অৱাবা অকীবা, ওৎনৈবগী ৱারীদি মফম মফম কয়াদসু মান্নবা থৌদোক কয়াদি লৈগনি । অমসুং লানফা ওইরবা কয়াবু কাংবু অমনা ওৎ-নৈবগী ৱারী অসিদি লান হায়বসিদা মশানা য়াওজরবা

পামদবা থৌওং অমনি হায়না খন্দোক্লগা ঐখোয়না খঙনীংলিবা অপাম্বদি ওৎনৈরিবগী থৌওং অদু "মসিফাওবদি য়াই, মদুদি য়াদে" হায়বা চৎনবীগী অথীংবা অমা লৈফম থোকপদুনি। মথক্তা পঞ্জরিবা, অনিশুবা লাঞ্জাও মনুংদা জাপানীজ লান্মীনা চৎথবা থৌওং কয়া অদুগা বৃটিশকীগা খেন্নবা অমদি, নোংচুপ লমদমগী ওইবা বৃটিশ এল্লাইদ ফোর্সকী লান্মী অমনা কনাগুম্বা লানফা ওইরবা য়েক্লবগী লান্মী অমদা/লান্মীশিংদা অরানবা থবক তৌরবদি খুদক্তা মহাকপু দন্দি পীদুনা, মদু তৌবা য়াদে হায়বা খঙহল্লি, অদুবু জাপানীজগী ওইনদি শাহিং ঙাহিং চাবা মীশক্কুম্না পাকশন্না পাঙথোকপা তমথিবা লীচৎ অসিমদি য়াম্না খেন্নবগী মশক্কি। মখোয়না তৌরিবা পামদবা থবক অদুদা মখোয়গী কম্মান্দরশিংনা পুক্লিং থৌগৎলি। শম্না হায়রবদা, পৃথিবীগী ওইনা লৈখ্রবা "রেদ ক্রোস" হায়বসিগী চৎন-কাঙলোন অসি অনিশুবা লাঞ্জাওগী মতমদা জাপানীজশিংনা মশক খঙনা চৎখিদে/খঙখিদে। মদুগী খুদম অমনা, বোর্নিওদা রেদ ক্রোস কী মীহুৎ ওইনা থবক তৌদুনা লৈজবা মতৈ-মনাও অনিনা, লানফাশিংবু থীনা তৌবিবা য়াদে হায়রুবগীদমক মখোয় অনিমকপুসু হাত্তোকপিখীবা অদুনি। জাপানীজ সিফায়শিংনা চৎথখিবা অরানবা, ফত্তবা থবক কয়া অদুগী ঙাকলৌ ওইগদবা মরম কয়া, মখোয়গী অখঙ-অহৈ ওইবা মীওই কয়ানা ফোঙদোকখিবা ৱারোল খরগী মনুংদা :- অয়াম্বা জাপানীজ লান্মী পূম্নমক মরৈবাক নুংশিবগী লিংজেল চেল্লি, মরৈবাক্কীদমক্তা শিবা হায়বসি মখোয়গী ৱাশক্কি। লান চৎলগা মখোয়, মায় পাক্তনা হল্লকপা য়াদে। য়েক্লবগী মখুত্তা লানফা ওইবগী মহুত্তা মশা-মশানা শিজগদবনি। মখোয়না চঙশীল্লকপা লম্বীদা অপনবা পীবা পূম্নমক মখোয়গী য়েক্লবনি, অদুনা মীওই অমা হাৎপদা অচূম্বা অরানবগী ৱাফম মখোয়দা লৈতে। মখোয়গী নিংথৌরেলগী মফমদা থমখিবা লৈবাকনিংবগী ৱাশক্কা লানফমদা থৱায় থাদোকপগা মরী লৈনহল্লি। অমরোমদা পল্লিবা ৱাফম অমনা, মহৈ মশিংগী মঙাল ফংবা ৱাৎপা জাপানীজ লান্মীনা অয়াম্বনি, মরম অদুনা মখোয় কনাসু

লানগী অকুপ্পা চৎনরোল খঙবা ঙমদে অসিনচিংবসিনি । মখোয়গী ৱারোল কয়া অসিদা অচূম্বা য়াওরবসু পৃথিবীগী মীওই কয়ানদি ঙসি ফাওবা য়ানিংদে, মতম অদুগী জাপানীজ লান্মীশিংনা মহে মশিং হৈত্রবসু মখোয়গী ওফিসর, লুচিংবা কয়াদি মহে হৈবা য়াওরী, মখোয়না করিগী জেনেভা কনফরেন্সকী চৎনরোল ঙাক্তবনো ? অমরোমদা জাপানীজ কম্মান্দরশিংনা মতাঙ অসিদা থল্লিবা ৱাফম অমনা ইং ১৯২৯ গী জেনেভা কনফরেন্সতা মখোয়গী লুচিংবশিংনা সাইন তৌখ্রবসু, ইদুনা লৈরিবা চৎন কাঙলোন কয়াদুগী অকুপ্পা ৱারোলদি মখোয় কনাসু খঙদে অসিনি, মরম অদুনা লানফাশিংবু লোয়নবদা অসিফাওবা য়াই য়াদে হায়বগী চৎনবী অমনা মখোয়বু পুনশিনবা, অথীংবা লৈখিদে অসিনি । মরম অসি লৈবদগী জাপান লান্মীনা খুদুম চনখ্রবা মফম কয়াগী নুপী অঙাংদা, খুৎলাই য়াওদ্রবা লানফাশিংদা চৎথখিবা মখোয়গী মিনুংশি য়াওদবা তমথীবগী থবক অসিমদি য়াম্না অকীবগী মশক্লি । অসিগুম্লবা নৈননিংঙাই ওইরবা ৱাফম কয়া অমদি পৃথিবীগী অনিশুবা লাঞ্জাও লোইখ্রবা ফাওবদা ঙসিফাওবা হিস্টরিয়ান (পুৱারী ইবা) কয়ানা য়েৎনহৌরী । চাওখ্রবা থৌদোক মখল কয়া অদুগা মরী লৈনবা ৱারোল মপূম অমগী তেল্লবা লংলা লংজিল খরদং লীজরিবা ৱারী অসিগী পরিংদা কাঙথোকচবতনি । মথক্তা পঞ্জরিবা থৌদোক অসিগা মান্নবদসু নোংচুপ লমদমদা জর্মনগী নাজি কাংবুনা মশিং য়াম্লবা জিয়ু কাংবুগী নুপা-নুপী কয়া হাৎখিবগী, ওৎখিবগী ৱারীসু লৈরী ।

অমরোমদা
জর্মনগী কন্সেন্ত্রেসন কেম্প

পৃথিবীগী ২শুবা লাঞ্জাও মনুংদা য়ুরোপকী লৈবাক কয়াদগী জিয়ু মীওইনি হায়না খঙলবা মশিং য়াম্লবা নুপা নুপী অঙাং নহা অহল অমত্তা খাক্তনা, মখোয় পূম্নমক্কী মোংফম ওইরগদবা পোলেন্দগী মফম অমদা জর্মন কাংবুনা পুরক্লগা থমজীল্লি । য়াম্না খঙহৌদনা জর্মনি কাংবুনা পাঙ্গল লৈরকপগা লোয়ননা, ফারবা অমদি পুরক্লবা মীয়াম লিশিং কয়াবু থম্লনবা কন্সেন্ত্রেসন কেম্প হায়বা তোপ তোপ্পা মওং অমদা শেমদুনা থমখ্রবা তোঙান তোঙানবা



জর্মনিগী ৱৈমর মনাক্তা লৈবা বুচেনৱালদ কন্সেন্ত্রেসন কেম্পতা চাবা ফংলক্তবদগী শিগদৌরবা পোলিটিকেল প্রিজনর লিশিং ২১০০০ কুনমাথোই, য়ু এস লান্মীশিংনা এপ্রিল ১২-১৯৪৫ দা থেংনরুবা ।

মফম কয়াদা লৈহনখিবনি । কন্সেন্ত্রেসন কেম্প হায়বসি মরুওইনা জর্মনি সিফায়শিংনা চেকশীন্না ঙাক্তুনা লৈবা মফমনি, হায়রীবা জেলগুম্বা মফম অসিদনি, মীওই কয়াবু মশাগী য়ানিংবগী ৱাংমদা নমদুনা শিহন্নবগীদমক্তা ফাজীন্দুনা

থমখিবা । অদুবু কন্সেন্ট্রেসন কেম্প হায়বসি জেল অমনি হায়বদগী খেন্নবা খরদি লৈরী । জেল অমদা লৈবা মীশিংনা য়ামখৎলকপদা কন্সেন্ট্রেসন কেম্প মখল অমদি হৌদোকই, অদুবু জর্মনগী নাজি কাংবুনা শেম্লীবা মখোয়গী কেম্প অসিগী মতাঙদদি হায়রীবা মরম অদুগী নত্তে । মী অমবু কোর্টনা জেলদা থাজীনবা হায়বসি মীশক অদুবু মরাল পীবা অমসুং মানা তৌরুবা মরাল অদুগী মরমদনি । কন্সেন্ট্রেসন কেম্প অমদা থাজীল্লক্লিবা মীওইশিং অসিদি মখোয়না তৌরুবা অরানবা থবক্কী মরমদা অমত্তা নত্তে। য়ামখ্রবা মীওই মখোয় কয়ামরুম অদুবু লৈবাক অদুগী, লৈঙাক অদুগী মায়োক্তা লৈগদবা, য়েৎকদবা ফত্তবা মীওই ঙাক্তনি হায়না খনবীখিবা অদুগী মরম্লনি । অশুম্না, মখোয় পূম্নমকপু মফম অদুগী কোর্ট অমনা থারকপা হায়বদু নত্তে । জর্মনি নাজি কাংবু কাংবুগী মরক্তা মদুগী থবক পুরীবা মীওইশিংনা মশা মশাগী ব্রাখলদা নিংথৌ অমগুম্না লেটর্স দি কেচিট হায়না মতম অদুদা খঙনবা মখোয়গী (লাইসেন্স) চে-অদুদা সাইন তৌরগা থারকপা ঙাক্তনি । মতৌ অসুম্না কেম্প অদু য়ৌখ্রবা নুপা-নুপী কয়াদি অমুক হন্না থোরকপা য়াদ্রে, মফম অদুদা মখোয় লোয়না পৎ-পুম্না শিবা তারম্মী, অচুম্বমকসু লোইন্নমক শিখিবনি ।

নোংচুপলোমগী ওইনা জর্মনি অমসুং বৃটেনগী মরক্তা লান অসি হৌরকপগা, কেম্পশিং অদুগী মওংদা মখল মখলগী অহোঙবা লাকখিবগী মরমসু নাজি কাংবুগী ব্রাখল্লোন অদু মীয়াম্না খঙনরকপগী মরম অদুননি । মথঙ লাকপা চহি খরগী মনুংদদি কন্সেন্ট্রেসন কেম্প কয়াদা মীওই মিল্লিয়ন কয়া হাৎখি, চাওরাক্লা মিল্লিয়ন তরেৎলোম ওইগনি হায়না পানৈ। হাৎখিবগী পান্থেদি, থবক কন্না শুহনবা, তঙায়ফদবা পোৎ অমত্তা ফংহন্দবা, অচৌবা লায়না মখলনা শিহনবা, হকচাঙ কয়াদা হিদাক্কী চাংয়েং তৌবীবা, লেপ্তুনা নোংমৈ কাপশীনবা, খুয়াদা চৈনা কনবা অমদি শোর ফুলহনবা অসিনচিংবনি ।

মতম অদুদা মীয়াম মরক্তা কনা কনা মরাল লৈবা লৈতবা হায়বা জর্মনগী মফমদা করিসু খেন্নবা ব্রাখল লৈখিদে মখোয়গী কাংবু নৎত্রবা কম্যুনিস্টশিংবু অসুক্কী মতিক তাথীখিবগী খুদমদি জর্মন সিফায় অমা শিবদা কম্যুনিস্ট য়াংখৈদগী চাম্মা ফাওবা হাৎপগী হুকুম তৌখি ১সুং মফম কয়াদা মীওই কয়া হাৎপিখি ।

য়ুরোপতা র্জমনগী নাজি কাংবুনা ফাজীন্দুনা থমখ্রবা জিয়ু মীওই কয়ানা, মখোয়বু থম্লিবা কন্সেন্ট্রেসন কেম্প মখল কয়াদা মখোয়না খাঙখিবা অৱাবা

অমসুং মখোয়বু হাৎপীখিবা মতমগী থৌদোক অদুসু ২বা লাঞ্জাওগী ৱারীদদি য়ুরোপ লমগী ওইনা চাওরবা পন্দুপ অমনি । মদুগী মরিক চূম্বা পাওদমদি লাইরিক অসিদগী তোঙান্না লৈখ্রে ।

পূম্নমক অদুবু শুপচীন্না য়েংবা মিৎয়েংদা উবা ফংলিবদি লান হায়বসি মীওইবগী য়েক্লবা ওইবা নত্তনা অতৈ করিসু নত্তে হায়বসি ঐখোয় মীওইবগী পুক্লিংদা ফাওহল্লিবা অসিনি হায়দবা ঙমদে ।

খা-নোংপোক এশিয়াগী মায়কৈদা অমুক

মতৌ অশুম্না মথক্তা পঞ্জখ্রিবা পুক্লিংদা নুংঙাইতবা, তুজুংবা ফাওবা, নোংচুপ লমগী অকীবা থৌদোকশিং অসি নত্তবদা, অনিশুবা লাঞ্জাও অদুগী মনুংদা খা নোংপোক এশিয়াগী মফম কয়াদা য়াম্না ঙক্লা, তেল্লবা মতম খরগী মনুংদা থোকখ্রবা লাক্ল-ফান ঙমদ্রবা জাপানগী ইম্পেরিয়েল লাম্মীশিংনা য়াম্না পাঙ্গল থোক্লা, বৃটিশ অমসুং আমেরিকান গবর্নমেন্টনা লৈঙাক মপু ওইদুনা লৈরিবা এশিয়াগী মফম কয়া :- ফিল্লিপিন্স, মালায়া, থাইলেন্দ, বর্মা অমসুং সিঙ্গাপুরনচিংবা লৈবাক কয়াদা মথঙ মথঙ খুদুম চনশিন্না তকখায়রকপগী থৌদোক ৱারীগা মরী লৈনরবা পাউদম পীরকপদা মখাগী ৱাফম অসিমসু য়াম্না মরু ওইবা, হুন্দোক্লম্বা য়াদ্রবা মচাক কয়াগী মতাঙ অমা ওইনা থমজরী ।

ইং ১৯৪২ গী ফেব্রুৱারী তারিখ ১৫দা মশিং য়াম্লবা বৃটিশ লাম্মী লিশিং (৮৫,০০০) মরিফুমঙা মালায়াগী লানফমদা খুদোংথিনা মায়থীবা ফংবদগী য়েক্লবা জাপানীজগী মফমদা খুৎলাই থাদোক্লুনা চঙজখী । লাঞ্জাও অসিগী মনুংদা য়াম্না চাউনা বৃটিশকী মায়থীবা হায়বদু ওইখি । বৃটিশ লাম্মীগী মফমদা য়াম্না ঙক্লা লান অসিগী ৱারীদা খুদোংথীনা নমথবীখিবা অসিগা মান্নবদি চহি চাম্মগী মমাঙদা কাবুল তুরেলগী চীংলক্তা থোকখিবা মায়থীবা মখল অদু নত্তনা লৈখিদ্রে হায়না পল্লি । মালায়াদা ফারবা মীওই লিশিং কয়াদুগী মরক্তগী বৃটিশকী লাম্মী ওইনা য়াওরকপা ভারতমচা লিশিং কুনমঙারোমদি, হান্ননা জাপান লৈবাক্তা লৈরম্লবা রাস বিহারী বোসকা লোয়ননা জাপান অমসুং সুভাসচন্দ্রগসু য়ানন শেম্লবা আই-এন-এ নৎত্রগা আজাদ হিন্দ ফৌজগী লাম্মী ওইনা অচূম্বা অরানবা হায়বা ৱাখল অনিগী মরক্তা মসিনি হায়বা খঙবা য়াও, খঙদবা য়াও লোইনমক চঙহনখিরমই ।

মখোয় অদু নত্তবা, জাপানীজ লান্মীগী মখুত্তা লানফা ওইনা লৈরবা বৃটিশ, অস্ট্রেলিয়ান, আমেরিকান, নিয়ুজিলেন্দ, দেনিস অমসুং দচ্চনচিংবগী অপূনবা (বন্দি) লানফা লিশিং হুম্ফুমাথোইগা লোয়ননা এশিয়াগী মফম কয়াদগী থবক শূহন্নবা ফাদুনা পুরকপা মীওই লাখ অনিরোমগা, মখোয় য়ামখ্রবা মীয়াম কাংবু অমদি জাপানীজ ইম্পেরিয়েল অমীনা থাইলেন্দগী কঞ্চনাবরী হায়বা মফম অদুদগী বর্মাদা লৈবা থমব্যুজয়ট কৌবা জাপান লান্মীগী বেজ কেম্প লৈরিবা মফম অদু ফাউবা কিলোমিটর ৪১৫ শাংনা চীংমান, তুরেল অমসুং জঙ্গলগী মফম কয়া ফাওনা লম্বী ককহন্দুনা রেল লম্বী অমা শেম্বগী থবক্তা লানফা পূম্বগী পুন্সীবু পোন্থা ওইহন্দুনা শীজীন্নখি। লম্বী অদু কায়নথংদা অশীবগী রেল লম্বী হায়না খঙনখিবগী মরমসু চাবা থকপা মরাঙ কায়না ফংদ্রবা নোংম-নোংমগী কংশিল্লক্লবা লানফা কয়াগী পুন্সী, অমসুং থবক শুবা ঙমদ্রবা শোল্লবা কয়াবু ফুবীখিবা, হাৎপিখিবা অমসুং লম্বী মশাঙ অদুগী মফম মফম কয়াদা অশীবা হকচাঙনা মশিং থিবা ঙমদনা তাখিবা অদুগী মরমননি। লম্বী অদুনা সিঙ্গাপুরদগী মালায়া অমসুং থাইলেন্দ ফাওরগা বর্মাগী রেল লম্বী কয়াগা অপান্ননা শম্নহল্লগা বর্মাদা লৈবা জাপান লান্মীগী বেজ কেম্প শিংদুদা, খুৎশু খুৎলাই, পোৎ-চৈ য়ৌহনখিবগী মতেঙ ওইবগা লোয়ননা ভারত্তা লান্দাশিনবগী অচৌবা থৌরাঙ অমসুনি। বর্মা অমসুং থাইলেন্দগী মরক্তা রেল-লম্বী শেম্বগী থবক অসিদি চহি কয়াগী মমাঙ, ইং ১৯১০ গী মতমদা বৃটিশনসু লম সর্ভে তৌদুনা কক্কদবা লমগী শরুক ওন্থোক্তুনা চঙশীনবা হৌরুরবনি, অদুবু লম্বী অদু কক্লকপগী থবক্তা মায়োক্লগদবা খুদোংথিবা, অৱা অনা অমসুং চীনুং কয়াদুদা থেংনগদবা নোংজু নুংশা অমদি লায়না মখল মখা অদুগুম্বা কয়া অদু উরকপদগী পায়খৎলুরবা থবক অদু ইং ১৯১২ দা থাদোকখিবনি। খুদোংচাদবা কয়া অদু লৈদুনসু, লাঞ্জাও অদুগী মনুংদা জাপান কাংবুগী পুক্লিংদা লেপখিবা ফীরেপতি, করিগুম্বা মখোয়না পার্ল হার্বরদা চৎথখিবা লাঞ্জং অদুগী মতুংদা খঙহৌদনা মখোয়গী মফমদা মায়থীবগী মতাঙ থোক্লবদি, মখোয়দা ওইরক্কদবা খুদোংথিবা, মাঙজগদবা কয়া অদু খল্লুবদা, মায়পাকপা, লানঙম্বা হায়বসিদা চঙবা য়াবা মমলগী ঙমখৈ নাইদে হায়বগী অচেৎপা ফিরেপতা লম্বী অদুবু শেম্বদা থেংনগদবা অৱাবা খুদোংথিবা, অশি অনানচিংবা পূম্নমক অদুগী শরুক অদু বৃটিশ লানফা ময়ামগী মপুন্সীগা শিন্নহন্দুনা নম্ফুদা থবক অদু পাঙথোক্লবা লেপখীরমই। ইং ১৯৪২ সেপ্তেম্বর ১৬ তগী লম্বী ককপা হৌখি। লানফা ময়ামগী পাঙ্গলনা চীং তৌখায়খী, লৈপাক হোনখি, উ য়ানখি। দিগ্রি .৩৮

য়ৌনা শারবা নুংশাদা মখোয়গী হকচাঙ নোংম নোংমগী কংশিল্লকখি । থবক অদু জাপানীজ ইঞ্জিনিয়রশিংগী ৱাখলদদি চহি মঙা চঙগনি হায়না পাখিবনি, অদুবু মখোয়গী অকনবা য়াথংগী মখাদা থা ১২ দগী ১৬ ফাওবগী মনুংদা লোইশিনগদবনি হায়না তকশীল্লকপদগী (দেথ রেলৱে) হায়না খঙনবা লম্বী অদু পূল্লোয় লোইনা শেম্বদা ইং ১৯৪৩ দিসেম্বর ২৫ দা মপুং ফাবা ঙমখি । রেললম্বী অদু শেম্বগী থবক্তা য়াওখিবা বৃটিশ, দচচ, আমেরিকান, অস্ট্রেলিয়ান্নচিংবগী লানফা লিশিং (৬১,০০০) হুম্ফুমাথোইগা এশিয়াগী মফম



ফীরাল অঙৌবা পুদুনা খুৎলাই থাদোক্লবা চঙলক্লিবা বৃটিশ ওফিসর ময়াম ।

কয়াদগী ফারকপা থবকশুবা মীওই মীশিং লাখ অনিরোমগা লোয়ননা থবক অদুগী খোঙচত্তা অশীবগী অৱাবগী থৌদোক কয়া নংখিবনি, শিখিবনি। মখোয় বৃটিশ লানফা কয়াদুগী মরক্তগী লিশিং (১৬,০০০) তরাতরুক্কী পুন্সী লোমখি, এশিয়াগী থবকশুবা মিনাই লাখ অমরোম মাঙখি হায়না থাজনৈ, চপচাবা মশিংদি, লান লোইরকপা মতমদা জাপানীজ ইম্পেরিয়েল আরমীনা চে- চাং পূম্নমক মাঙহনখিবা মরম্না, কনানসু খঙখীদ্রে ।

জাপানীজগী মখুত্তা লানফা ওইরবা মখোয় পূম্নমক অৱা অনা খাঙলকপগা লোয়ননা অশীবগা শাগোন্নরকখি । মখোয় মখোয়গী ওইরকপা নুমিৎ নুমিৎতুগী পুন্সীবু মশাগী লাইনিং ওইরকখি, ওইরক্লিবা নোংম- নোংমগী

বৃটিশ লান্মী কাংবুনা থাদোক্লবা খুৎলাই (নোংমৈ ময়াম)

নুমিৎ অদু নত্তুনা মখোয়গী মফমদা ঙরাং অমসুং হয়েং হায়বদু নিংশিংনখিদ্রে। মখোয়গী চাননবা চিঞ্জাক মরাঙ কায়না ফংখিদে, করি করিগুম্বা নুমিত্তা, চাক্কা মোরোক মহি খক্তগা পীরকখিবসু কয়া অমনি। মশা শোন্থরকপগী, নারকপগী লায়েং লৈখিদে, মখোয় কয়া কোলেরানা শিখিবসু কোঙ্গায়নি, অমসুং অশীবা হকচাঙশিংদু শিদ্রিবা লানফাশিংদুদা মৈ থাদোকহন্দুনা পোৎলোইহল্লি। মতম অদুগী ওইনদি, জাপানীজশিংগী মফমদা পুন্সী হায়বশিগী মমল করিসু ওইনা উখিদে। রেল লম্বী অদু শেন্নকপদা, চীং-মান জঙ্গল ফাওনা লম্বী কক্কপা, তুরেলদা থোং শাবা, অচৌবা উ য়াল্লগা চিংথোকপা, তুরেল খোঙনুঙদা য়ুংবা, চীংগী নাকন্দা উ কয়ানা ফৈনা য়ুংনা চৈঙাক ওইনা শেম্বা, শাংলবা রেললম্বীগী তালী মখাদা মশিং য়াম্লবা উগী মকক থারকপা, লৈপাক তৌবা, হোনবা অসিনচিংবা পাঙ্গলনা শুবা থবক কয়া অদু তৌরকপগী মথক্তা অমুক্কা হেন্না লমদম অদুগী শারবা নুংশাদা মখোয় লানফা কয়াগী হকচাঙ মশানা কংশিল্লক্তুনা লোইখিবসু লিশিং লিশিংনি। মশা শোন্থরকপা, চিঞ্জাক মপুঙ ফারক্তবনা থবক ঙম্লক্রবদা কাপখায়বীদুনা শিহনখিবা অকীবগী ৱারীনি।

অসিগুম্বা অৱাবা, পেন্দবা কয়াগী মরমদা Weary Dunlop কৌবা লানফা অমগী দায়রীদা ইরম্বা অমা-- "মখোয় অসি অশুক ফত্তবা, শাগুম্বা মীনি হায়বদু খঙদবনা শেরান্নবা থাজরুই, ঐখোয়বু নুংঙাইহন্না, ঈরোয়ফম (স্বিমিং পুল) অমা শেমগদৌরিবনি হায়দুনা চাউরবা মফম অমগী লৈপাক তৌথোকহল্লগা, লানফা কয়াগী অশীবা হকচাঙগী ফুম্ফম ওইখি। লানফা (বন্দি) ময়াম পরেং লেপহল্লগা মেচিনগন্না লোইশিনখি।"

দ ব্রিদজ ওন-দ রিভর ক্বাই

অনিশুবা পৃথিবীগী লাঞ্জাও মনুং অদুদা বৃটিশ লানফাশিংবু ক্বাই তুরেলগী মথক্তা শাহনখিবা থোং অনিনি । অহানবা শাবা, উগী থোং অদুমদি ১৯৪৩ গী ফেব্রুয়ারীদা লোইবা ঙমখি, অমরোমদা নুঙ লৈঙোয়না মখোঙ হৌরগা য়োৎনা শাখিবা থোং অদুগী মথক্তা রেলগারী চেনখিবসু চহি অদুমক্কী জুন থা-দনি । থোং অদুগী মপোৎ মচাক অয়াম্বা জাপানীজনা থুগাইখ্রবা জাভাগী ওইল ফিলদ অমদগী মচেৎ মকায় ওইনা কঞ্চনাবরী তান্ন পুরক্লগা ক্বাই-য়াই তুরেল লাম্থোরক্লগা থোং শাবদা শীজীন্নখি । শেম্লক্লিবা রেল লম্বী অদুসু ক্বাই-নোই তুরেলগী নোংপোকথংবা তুরেল মপাল মতুং ইন্না লাক্লগা বর্মাগী ঙমখৈ য়ৌরক্কদৌরীবনি ।

থোং অদুনা লৈরিবা তুরেল অদুগী মফমদি থাইলেন্দগী ক্বাই য়াই (অচৌবা ক্বাই) অমসুং ক্বাই নোই (অপিকপা ক্বাই) তুরেল অনি তিন্নরগা মাই ক্লোং হায়না চেনবা হৌখিবা তুরেলগী মফম অদুদনি । মাই ক্লোং তুরেলনা কঞ্চনাবরীদগী থাইলেন্দগী সামুট সোংখ্রাম কৌবা বেঙ্কোক্কী খা- নোংচুপতা কি-মি ৭০ লাপ্না লৈবা হিথাঙফম অদু য়ৌনা চেল্লিবা অদুদি পাক চাওরবা তুরেল অমনি । আমেরিকান অমসুং বৃটিশ এয়ার ফোর্সকী ফাইটর প্লেন কয়ানা থোং অনিমক ১৯৪৪ দগী য়াম্না তোয়না বোম্বীং তৌদুনা অকায়বা পীরকপনা ইং ১৯৪৫ কী মনুংদদি শীজীন্নবা য়াদনা থুগায়খী ।

অপূনবা বৃটিশকী লানফা ময়াম্বু থোং অনিমক বোম্বনা থুগাইরকপা খুদিংগী শেমজীলহল্লি অদুবু উগী থোং অমসুং য়োৎকী থোং অনিমক মথঙশীৎনা এপ্রিল অমসুং জুন থা- দ থুগায়খী । থোংশিং অদু থুগায়খিবনা, জাপানীজশিংনা বর্মা ফাওবা পোৎ থাদোক থাজীন তৌবগী থবক্তা চাওনা অকায়বা থোকহনখি । থবক্তা অপান্ননা শীজীন্নবা থোং অদুমদি অকোনবগী ওইনা B-24 বোম্বার্দিয়ারগী লেফটনেন্ট কোলনেল বিল হেন্দরসন-না ১৯৪৫ গী এপ্রিল তারিখ ২ দা মপুং ফানা কায়হনখীবনি ।

অসুম্না বৃটিশ লানফা ময়াম্না শাখিবা থোং অদু থাইলেন্দগী টমারকম হায়বা মফম অদুদনি । মাইক্লোং তুরেলগী মথক্তা শাবা উগী থোং অদু ইং ১৯৪২ গী ওক্তোবরদা হৌখি, মীওই কয়া শোক পনখি, শিবা কয়া য়াওখী, মখোঙ মখুৎ তেকখী । ফেব্রুয়ারী ১৯৪৩ দা শীজীন্নবা য়ানা লোইখি । তুরেল অদু ক্বায় য়াই হায়নসু খঙনৈ, মদুগী থোং অদুনি "দ ব্রিদজ ওন-দ রিভর ক্বায়" হায়না খঙনবদু । থোং অদুগা হেক থংনবদা য়োৎকী থোং অমা শাখিবদুসু ইং ১৯৪৫ জানুয়ারী দগীনা জুন ফাওবগী মনুংদা বৃটিশ প্লেন্না হন্না হন্না বোম থাদদুনা থুগায়খি, থুগায়রকপা খুদিংগী লানফাশিংবু শেমজীনহনখি ।

লন্বী শেন্নকপা, থোং শারকপগী অৱাবা ৱারী অসিগা লোয়ননা, জাপান লান্মীগী মখুৎ চল্লবা লানফা কয়াগী পুন্সীদা থোকখ্রবা মঙলাক্লবগী মশক ওইরবা মতমগী অকীবা থৌদোক কয়া মায়োক্লনা হিংহৌরবা অমসুং লাইবক ফবা হায়গদ্রা ফত্তবা হায়গদ্রা, মফম অদুদগী শীহৌদনা হল্লকখ্রবা মখোয় অয়াম্বগী পুন্সীদি, চুম্নগী অচম্বা মীওইনা হিংনরিবা পুন্সী মরেল অদুগা মান্নদনা লৈতানা লেনজবা পুন্সী হায়বদুমদি ফংনখিদ্রে । হল্লকখ্রবা মখোয় অয়াম্বগী পুক্নিং হকচাঙগী ফীভমদা নৎত্রগা মওং অমদা কা হেনজিন্না নুংঙাইতবা, মখল মখাগী অওনবা কয়া লাকখিবগী মরম্না কনাগুম্বা খরদি হিংবগী নুংঙাইফম খঙলক্তদুনা মশা মথন্তা শিজখিবসু কয়ানি । কনা কনাগুম্বনা মপুন্সীগী শোইনাইরবা মীওই ওইনা লৈখিবা, খরনা মতম চৃপ্পদা হোসপিটাল চত্তুনতা লৈবা তাখিবা, খরা অমনা মপুন্সীগী ওইনা ফগৎলকপা ঙমদ্রবা ৱাখল লায়না অমগা শাগোন্নদুনা হিংহৌবা অমসুং নহা ওইরিবা কয়া অমনা পুন্সী অসিগী ওইনা লুহোংবা হায়বা অদুদগী লাপথোক্লা লৈবা তারকপা ... অসিগুম্বা পুন্সীগী মওং অসিনি, নরক্কী মফমগা মান্নরবা, রেল লন্বী অদু শেন্নকপগী মতমদা লানফা ওইনা য়াওখিবা জাপানীজ লান্মীনা তমথীনা নুংশি হৈতনা ওৎপীরকখ্রবা মখোয় কয়াগী পুন্সীদি । করী অমুক হায়গনি, চহি য়াংঙ্খেগী

মতম হেল্লক্লবা ফাওবদা মঙলাক্লবগী মতৌগুম মখোয়গী পুক্লিং ৱাখলদা ময়েক শেংনা উদুনতা লৈখি, মখোয় মখোয়গী মমান্নবা লানফা কয়া শিখিবা, করম তৌনা শিখিবা মফম কদায়দা শিখিবা, করি মরমগী শিখিবা, --অসিগুম্লবা কাউথোকপা ঙমদনা লৈহৌরিবা ৱাহং---মখোয় কয়াবু পরেং লেপহল্লগা জাপানগী মেচিনগন্না মিকুপ্তা পূম্নমক লোইশিনখিবা, গেসোলিন থাও হৈজীল্লগা মৈ চুদুনা হাৎখিবা, অশীবা হকচাঙ ময়াম বুল দোজরনা হঙ্গৎ হন্দা থৌদুনা অচৌবা কোমগী মনুংদা ইন্থখিবা, লৈপাক খোৎচীন্দুনা ফুমখিবা ।

অশুম্না হৌখ্রবা ২বা লাঞ্জাও অদুগী মনুংদা খা-নোংপোক এশিয়াগী মফমশিংদা তকশীল্লকখিবা জাপানীজগী মখুৎ চল্লবা, মখোয়গী লানফা ওইরবা লৈবাক কয়াগী বৃটিশ লাম্মী কয়াবু ঙমখৈ লৈত্রবা অৱাবা চৈথেঙ খাঙহন্না, অমদি মখোয় লিশিং কয়াগী নুংশিরবা মপুন্সী লোইহন্না শেমহনখ্রবা, অকীবা অৱাবগী মমিং চৎখ্রবা, অশীবগী রেল লম্বী, হায়না লাঞ্জাও অদুগী ৱারীদা লৈখ্রবা জাপানীজ লাম্মীগীদমক্তদি থোইদোক্লা মরু ওইখ্রবা, থাইলেন্দদগী বর্মা য়ৌবা ফাওবা কি: মি: ৪১৫ শাংলা শেমখ্রবা লম্বী অদু লান লোইখ্রবা মতুংদগী, থাইলেন্দ অমসুং বর্মা লৈবাক অনি য়ানবগী মতুংইন্না মাগী মাগী ঙমখৈদগী কি: মি: চাম্মা-চাম্ম চঙশীন্নরগা ককথৎপদা লেপ্লখিবা মরম্না, অমুক মখাতানা শীজীন্নখিদ্রে ।

লম্বী অদুবু শেম্লকপদা য়াওরকখিবা মখোয় কনাসু লম্বী অদুদা চৎখিদে ।



বৃটিশ লানফাশিংনা শাখিবা দ-ব্রিদ্জ ওন-দ রিভর ক্বাই- ১৯৪৫

য়োৎনা শারবা থোং অদুগী মথক্কী শক্তম দ ব্রিদ্জ ওন-দ রিভর ক্বাই-১৯৪৫

ৱারীগা মরী লৈনবা পাউদম অমা :-

‘দ দেথ রেলৱে’ হায়না খঙনরবা অকীবা মতমগী থৌদোক অদুদা থৱায় থাখ্রবা বৃটিশ লান্মী কয়াবু ইকায়খুম্নমা, নুংশিনা নিংশিংবা ওইনা চহি খুদিংগী ঙসি ফাওবদা “ক্বাই রেলৱে মেমোরিয়ল” হায়বা থৌরম অমা বৃটিশ লান্মীশিংগী মরক্তা পাঙথোক্লদুনা লাক্লি। ইং ১৯৯৭ তা পাঙথোকখিবা অদুগুম্বা থৌরম অমদা FRED SEIKER কৌবা, মতম অদুদা লানফা ওইরকখিবা মীশক অমগী পাউদম ৱারোল :-

লানফা ওইরবা, ঐখোয় ময়ামগী মফমদা মখোয়না করী হায়রক্কদৌরিবনো হায়বসিমদি পুক্লিং পুক্লিংদা খন্ননা, ঐখোয় লোইনমক ঙাইদুনা লৈরকখি। অহাঙবা মতম লৈনরবনিনা ঐখোয়গী মরক্তা মরম চাদনা শাউনরকখিবসু কয়ানি। অদুবু ঐখোয় পূম্নমক থাইলেন্দ চৎননবা মতম লাক্লে, ঐখোয় ময়াম অদু রেলৱেদা শীজীন্নবা ত্রক গারিশিংদা নমশীন্দুনা পুরক্লমই। নুমিৎ কয়ানিরোম চঙখীবা খোঙচৎ অদুগী অৱাবদুদি ঐ লীজররোই। লাইরিক কয়া অমদসু, নোরোক্কী মশক ওইরবা মফম অদুদা ঐখোয়না লাকখিবগী ৱারী ইনখিবা লৈরে। মমৈথংদা ঐখোয়, কঞ্চনাবরী কৌবা খুঙ্গং অমা য়ৌরকখি, মফম অদুদা লৈরম্বা, ৱানা শাবা অশাঙবা খাংপোক অমদা ঐখোয় ময়াম লৈহল্লম্মী। লৈমায় অদুদি লৈখোম ঙাক্তনি, তূম্ফম অদুনা ৱা অখায়বা ৱাচেৎকী ফম্বাক্লি। মী অমমমগী হিপফম ওইরিবনা চাওৱাক্লা ফুট অনিরোমগী মফম্নি। অশাঙবা খাংপোক অদুগী মথক কুপ্লিবা অদুদি, মফম অয়াম্বদা ইহো-ইহো হোই, মথক য়েংখৎখিবদা অহাঙবা অতিয়াসি লোইনা উই। থুনমক পুক্লিংদা ফাওরকই, হিংননবগী লম্বী হায়বসিদা লৈফম থোক্লবা মরু ওইবদি ঐখোয়গী লৈফম অমদি ইশা-ইশাগী ওইনা মহিক মতাঙ চেন্দনা লৈবগী তঙায়ফদবা অদুনিকো হায়বসি।



এ-ফোর্স হায়না খঙনবা বৃটিশ লানফা কাংবু অমনা রেল লম্বী শেম্বা হৌবা। WW II

মফম অদুদগী খা-থংবদা লৈরিবা বেজ কেম্পশিং অদুদসু তোঙান তোঙানবা লৈবাক্কী মীওই কয়া ফাজীন্দুনা থম্লি । মখোয় মশেল মাগী মাগী ওইজবা ৱাখলগী মওং অদুদনি লৈনরিবা অদু । বৃটিশকী মীওইশিংনা মীয়াম লোয়নবগী হৈনবী, অস্ট্রেলিয়াগী মীওইনা পূন্না হিংমিন্নবগী হৈনবী, দচ্চীমীওইনা মরন্নাই মরন্নাইঙ্গী ৱাখল । আমেরিকানশিংগীদি মতম অদুদা মখোয়গী মওং অসি করিনো হায়বা ঙমদ্রে । ঐখোয়বু ফারকপা কুইদ্রিঙৈগী মতম অদুদি, লানফা ওইরবা ঐখোয় কয়াগী মরক্তা ফুন-চৈনবগী মতাঙসু য়াম্না অঙকপা মওংদা থোকখিদবা নত্তে । পাঙ্গল ফুদোক্লা, খুৎকী খুদুম, কিন য়াওনা ফুনবনা মতম অদুগী থৌদোক্কি, মদুবু য়েংবদা জাপানীজ কাংবুনা নুংঙাইজৈ হায়বদু কোন্না খঙনরকপদগী তোকখীবনি । অদুদগীদি কেম্প অদুদা ওইরিবা মওং অদু হোংলক্লে, ঐখোয় মশেল অফবা ৱাখলদা, অমনা অমগী তেংবাঙনদুনা, লাক্লিবা মতম অদু লেনগদবনি হায়বা ৱাখল অদুগী মপাল তাংনা হিংবা হৌনরকখি ।

টামরকমদা লৈবা ক্বায় তুরেলদা থোং শাবগী থোংখোঙ শেমগৎপদা ঐখোয় কাংবু অমবু মখোয়না শীজীন্নবা হৌরে । তুরেল খোঙনুঙদা চাওরবা

উয়ুং ফূজীনবগী অকুপ্পা মরম ঐখোয়দা শিন্নরমই, মদুনা, মথক্তা শেমগদবা অরুম্বা অকনবা পোৎলম কয়া পুগদৌরিবনি । য়াম্না লুরবা, ৱাখল চঙবা থবক অসি করম্না পাঙথোকখিবনো হায়বদু ঐ শন্দোক্না হায়জগে ।

অচৌ অচৌবা, অশাঙবা অকনবা উ কয়ামরুম ত্রিয়াঙ্গল শানা তুরেল খোঙনুং অদুদা কয়ামরুম হান্না য়ুংদুনা থম্মী । য়ুংলিবশিং অদুগী মতোন্দা



ইং ১৯৪৩, বর্মারোমদা লৈবা রোলসিদা অস্ট্রেলিয়ান অমসুং বৃটিশ লানফা ময়াম্না রেল তালি থাবা হৌরকপা । WW II

থৌরী চিংথোক চিংশিন তৌননবা ময়ায় কুৎথবা য়োৎকী খুজি মওংগুম্বা (পূল্লি) হাপ্লিবা অদুদা অকনবা থৌরী অমা চিংখৎ চিংথ য়ানবা য়ান্দুনা থম্মী । থৌরী অদুগী অরোয়বা মচিন অদু য়াম্না লূম্বা, মখাদা পাকথোকপা য়োৎতুম অমগী মথক্তা নাম্থোক্তনবা লৌশিন্দুনা থম্মী, অরোয়বা থৌরীগী মখাদা য়াম্থরকপা শরুক অদুদি তোঙানবা মরী কয়া থোক্না শন্দোক্লগা ঐখোয় লানফা ময়াম্না তুরেল খোঙনুঙ অদুদা পায়দুনা লেপকদবনি, য়াল্লিবা য়োৎতুম অদু চিংখৎলগা অয়ুঙবা ঊী মতেন্দা থাধনবা । থোঙখোঙ ওইগদৌরিবা উ কয়ামরুমদি অকোয়বদা লৈরিবা জঙ্গল অদুদগী য়ানদুনা পুরকপা ঙাক্তনি । পুরকপদা তৌরিবা থবক্তি,



থাইলেন্দগী ৱাংপোদা চেল্লিবা ক্বাই নোই তুরেল মপাল মশাঙদা উঙাক-উয়ুং পীদুনা শেল্লবা রেল লম্বীদা দিজল রেল কার অমা থৌরকপা ওক্তোবর ২১-১৯৪৫ ।

শামুনা চিংহল্লকপা, নৎত্রগা তুরেলগী ঈচেলদা তউথহল্লকপা অসিনি। উশিং অদুদগী করম্বনা থোংখোং ওইবা ফগনি হায়বদুদি জাপান নুপা অমনা খনবা মতুং ইন্না তৌই। থোংখোংশিংদু, য়োৎতুম য়ান্দুনা থল্লিবা অদুগী মপাচানা, তুদনবা ঙাক্তুনা থম্মী। মথঙদদি ঐখোয়না মথক্তগী অরূম্বা য়োৎতুম অদু য়ুংলিবা উ অদুগী মথক্তা থাধদুনা য়ৈশীনবা হৌরে। অরূম্বা য়োৎ অদুনা য়ৈশীনবগী মতাঙ অদুসু, তুরেল মপান্দা লেপ্পুনা লৈবা জাপান নুপা অমনা কোংঙৌনা কোনশীল্লগা শেম্বা মেগাফোন অমা পায়রগা মখোল হৌনা তানজা নাইবা খোঞ্জেল অমদা ঐখোয় তাননবা, থাধবগী মতম খঙহন্না লাউরকই। অশুম্না পূঙশীং কয়াদগী পূঙশীং কয়া, নোংম নোংমগী ওইনা অয়ুক্তগী নুমিৎতাবা ফাওবা হনবা লৈখিদে। চিংখৎপদসু ঐখোয় চপ মান্নবা তাই, থাদোকপদসু চপ মান্নবা তাই, মখোয়গী ৱাহৈদা ইচি-নি-সান-সি, হায়না হন্না হন্না। অহিংগী মতমদা, ঐখোয়গী লৈফমদা হল্লকপদদি, ঐখোয়গী চিঞ্জাক্লি পীরিবা মহিওই মপংওই তৌবা, ওক্পী মচিঞ্জাক মানবা পোৎ অদু

লৌখৎনবা খুৎ অসিনা চামচ থাঙ্গৎপা ঙম্লদে, পাম্বোমগী অনাবা খাঙবদা অহিং তূম্বফাও ঙম্লখিদবা কয়ানি । অদুবু নোংদি ঙাল্লকই, ঙরাংগী অৱাবদু ঙসিসু অমুক হন্না, নুমিৎ কয়ানি লেপখীদ্রবা থবক্লি ।

মীওইবগী হকচাঙ অমদি পুক্লিংগী মরমদা ঐ, মরক মরক্তা অঙকপা পোকখি । ঐবু থাজবীয়ু, পূম্নমক অদু অকীবগী মশক্লি । ঐগী লাইবক ফবা

ইং ১৯৪৫ কঞ্চনাবরী - অনা অয়েক মায়োক্লবা বৃটিশ লানফাশিংগী লায়েংফম ওইরিবা মখোয় মশেলগী মেদিকেল ৱার্দ অদুগী ওইবা মনুংগী শক্তম । WW II

অমনা, থোংখোং ওইনবা উগী পাইল য়ৈশীনবগী থবক অদুদদি, ঐ কুইনা য়াওখীদ্রে । খরা চৎখৎলগা লৈবা মফম অমদা অমুক, ঐখোয়গী কাংবু খরদি রেললম্বী শেম্বগী লৌনম্বাল থোনবদা য়াওহন্নবা পুরম্মী । মতম অদুদদি ঐখোয়, জাপানগী ননকম্মিসন্দ ওফিসর খরনা শীনবা খরা পীকথবা কেম্পপ অমদা অমুক লৈরে । মখোয় দাকু ঙাক্তনি, মতম পূম্বদা মশাগী অকল অরীং

ফুদোকচবদা পাম্বা, মীবু ৱাহল্লগা নুংঙাইবা, ফৎত্রবা মীওই ঙাক্তনি। মখোয়গী ফত্তবা থবক্তা ঐখোয়না য়ারুদবা তারবা, ঐখোয়দা চৈতুপ পায়দুনা চঙশীল্লক্কনি, মিৎ অসিনা উরিবা অঙানবা মঙাল অসি উদ্রিবফাওবা ফংগনি।

রেল লম্বী ওইননবা লৌনম্বাল থোনবগী থবক অদুদি, লম্বীগী নাকল অনিমক্তগী লৈপাক হোনকৎলক্লগা হেন্না হেন্না ৱাংখৎলক্লিবা লৌনম্বাল অদুদা হৈবনি। লৈপাক তৌরীবা মফম অদুদগী থুমোক্তা লৈপাক হাপ্লগা লৌনম্বাল মথক অদু তান্না পুখৎলক্লগা হৈদোকপা, অমুক কুমথবা, অমুক পুখৎলকপা অসিনি। নৎত্রগা, বোরাখাও অমদা ৱা অনি লেংশিল্লগা, ঐখোয়মী অনিনা মতোন-মতোন পায়নরগা পুখৎলকপসু য়াওই। মওং অসিমদি খরা চম্না লায়হল্লি, অদুবু তশেংনমক্তি য়াম্না কোমথোক্লা অরায়বদি ওইদে। লৌনম্বাল অদুগী লৈরায় অনিমক য়াম্না নান্থগনবা জ্বায়-জ্বায় লাউবা মফম ওইরম্লবদি কাখৎলকপদা নান্থরক্তুনা পুরক্লিবা লৈপাক অদুগী অরূম্বনা হকচাঙদা

মখোয়গী লৈফম মনাক্তা লেপ্তুনা ৱারী শানরিবা লানফা অনি। WW II

নন্দুনা তুবসু কয়ানি। অসিগুম্বসি থোকপদগী, ঐখোয়গী ফৈগনগী তোংশাদা য়াম্না নাবা চোকথবসু ফাওরকই, মরক মরক্তা ইচিং চিংশিন্না পঙথবসু য়াওই। অশুম তৌরকপদা চৎপা ঙমদদুনা ঙাইহাক্তং লেপ্লুবদা ঐখোয়বু শেন্নরিবা জাপানীজশিংদুনা মখোয়গী অকনবা চৈ অদুনা কন্থুরকপদা নুমিৎকী মঙাল অসি মমশীল্লকই। মতাঙ অসিদা মখোয়গী চৈফু অদু নাম্থোক্লনবগীদমক্তা, চৎপা ঙমদ্রবসু ঙম্লনবা হোৎনদুনা চৎলি। নোংমগী থবক হৌবা নুমিত্তা, ঐখোয়না তৌথোক্কদবা লৈপাক্কী চাং অদু অসুক ওইগদবনি হায়বা জাপান নুপা অমনা খঙহনগনি। থবক মওং অদুগী মতুং ইন্না, মীওই খরনা খরা ঙনখৎনা থবক লোইখিবা থোক্লবদি মথঙগী নুমিত্তদি থবক্কী চাং খরা হেন্না অমুক হাপচীল্লগা থবকশুবা মীওই পূম্নমকপু ব্রাহল্লি। মরম অসিনা থবক শুমীন্নরিবা কাংবু অমনা ঙন্না লোইখিবদা মথঙগী নুমিত্তদি পূম্নমক্কী অব্রাবনি। ঙন্না লোইবগী করিসু তোংজদে। কাংবু খরনা থেঙনা থবক শুরবসু, অতোপ্পা কাংবুগীসু মখোয়দা পীরীবা নোংমগী থবক অদু লোইদ্রিবফাওবা শুহল্লি। অশুম তৌবসিদা জাপানীজ কাংবুসু থেঙনা লৈহৌরগা, লানফা ওইরবা বন্দি কয়াদুগী মফমদা লৈবা মখোয়গী শাওনিংবা অদু বন্দিশিং অদুবু ফুরগা কোকপগুম খল্লি, লানফা বন্দি কয়া, য়াম্না থীনা-থীনা শোকপা য়াওই।

"তোঙানবা মখলগী ওইবা নুমিৎ অমগী, ঐখোয়দা ব্রারী লীনিংঙাই লৈব্রা?" ঐঙোন্দা য়াম্না তোয়না হংই। তোঙানবা মখলগী নুমিৎ অমা। মসিগী হায়বা তারবদি, ঐখোয়না থবক মফমদগী হল্লকপা নুমিৎকী য়াচঙবদা ঐখোয় পূম্নমক্কী রোল-কোল তৌবগী মতাঙ অদু ওইবা তাই। কৌরিবা রোল-কোল অদুদা খুন্নিবা মী পূম্নমক মথঙ নুমিৎকী অয়ুক্তা থবক শুবা চৎকদবনি, মশা নাবদগী মদুবু থৌশাদ্রবা, য়াম্না কন্নসু নারবা ওইরবদি, অনাবগী মিং লিস্ট অমা ওর্দরলি অমনা পীশীল্লি। লিস্ট পীশীল্লিবা পাওখোল্লোই (ওর্দর্লি) অদুবু মিকুপ অদুদা শাউগৎলবা জাপানীজ অমনা থীনা ফুবীবদি শোয়দ্রে। মশিগী

থৌওং অসিদি হোংবা লৈত্রবা নিতিগী থবক অমনি। অসিগী মতুংদদি, অনাবা মীওইশিংনা লৈরিবা হোসপিতালনি হায়রীবা মফম অদুদগী মখোয়বু চিংথোক্লুনা পুরক্লগা, নমদুনা রেললম্বী শেম্ফমদা থবকশুবা য়াওহল্লি। করি করিগুম্বা মতমদা, নমদুনা থবক য়াওহনবা মখোয় অনাবশিংদু বোরাখাওগী স্ট্রেটচরদা হাপ্লগা নুংদাং ঐখোয়গী লৈফমদা শিনা পুরকপসু য়াওই। হায়রীবশিং অসে তোঙান্না চিক্লা থোকপা থবক নত্তে, শেন্লিবা রেললম্বী অদুগী মশাঙদা নুমিৎ খুদিংগী ওইনা থোকখ্রবা থৌদোক্নি।

মতাঙ অসিদা ইশাগী ওইবা, ঐগী থম্মোয়দা লৈবা ৱাফম অমদি ফোঙদোকচনিংই। ঐখোয় পূম্নমক্না খঙনবগুম্না, মতম অদুগী মীওই, ঐখোয়গী মরক্তা য়াওবা কয়াবু ঐখোয়না য়াম্না ৱাংনা থাগৎনৈ মরমদি ঐখোয়না লৈরিবা মফম অদুদা মখোয়না পাঙথোকখিবা মীওইবগী ৱাখল হায়বদু চেল্লবা থবক কয়া অদুগীদমক, য়াম্না তোয়নসু মখোয় জাপানীজশিংগী মনুং ফুন্দবা য়াথং কয়া ইন্দবগীদমক শাথিবা মীওৎ মীনৈ খাঙজখিবা কয়া অদুগীদমক্তসু। হায়রীবা মখোয় মীওইশিং অদুগী মফমদা ঐখোয়না থাগচ্চবা, ইকায়খুম্নজবা অদু মতম পূম্বগী ওইনা থমজরী। জঙ্গল কেম্প অদুদা ঐখোয়গী ওইবা ৱারোল পুথোক পুশিন তৌদুনা লৈখিবা ওর্দরলি অদুনা মথৌনা লৈনা মঙোন্দা শীরকপা মরাল নুমিৎ খুদিংগী ঙাকথোক্লবা হোৎনজখি। মা খঙই, মতম পূম্নমক্তা মাগী মপাঙশিংবু কন্নবা হোৎনবদা মহাকপু ঙাকপীবগী ৱাংমদা মখোয়না ফুবীগনি হায়বসু। ফূরবসু মহাক খাঙখি, মখোয়না ফুবদা মহাক চৎপা ঙমগদ্রা, ঙম্লোইদ্রা হায়বফাও খল্লুদনা, মচীন্দগী ৱাহৈ অমত্তা কাঙখিদে।

হায়রীবা ইকায়খুম্নজবা মীওইশিং অদু হৌজিক কদায়দা লৈরিবা করি’মত্তা খঙখিদ্রে- ইকায়খুম্নফম থোক্লবা মিংগী লিস্ট অদুদসু মখোয়গী মমিং নিংশিংবা ঙমদ্রে। নোংমা ঐবু উপাম্বী অমদা নঙ্গল অসি নকশীন্না লেপহল্লগা খুৎ অনিমক তুংলোমদা চিংথোক্লগা উ অদুগী মনিংদা খূজেং অনিমক

লাকশীন্দুনা কিশিল্লমই । খোঙ অনিমকসু তিংখঙ তারানা উ অদুগা পান্ননা পুনশিনখি । মায় অসিদা কিন্না হন্না হন্না থিল্লবা মতুংদা, মফম অদুদা ঐবু হুন্দোক্তুনা থম্লমই । তোল্লবা জিবশিং অসিগী অঙাওবা ৱাখলসে ময়ামগী মফমদা ফজনা খঙহনজনিংই । তৌরিবা থবক অদু চাকশঙগী থৌদোক অমগা মরী লৈনবনি । থাইলেন্দগী অৱাংলোমদা লৈবা কেম্প অমদা, জাপানীজগী চাকখুমদগী চানিংঙাই ওইগদবা করিনো খরা চঙশীন্দুনা লৌরুবগী থবক অদু ঐঙোন্দা তাবদগী চঙশীল্লুবনি । রেদ ক্রোসকী পার্সেল পোৎয়োম অমা জাপানীজশিংগী চৎনবী মতুংইন্না ঈশ্বরদা কৎখ্রে হায়বা হান্না খঙবদগী মখোয়গী হৈ হাপ্লীবা তিন (কোংঙৌ উপু) অদু ঐনা খজিক্তং লেনথৎলুবনি । ঐনা পোৎ পুরক্লনি খন্না খৌরাংনা ঙাইনহৌরিবা লানফা মরুপ মপাঙগী মনাক য়ৌনবা লাকপদা, ঐগী মাঙদা শঙ্গিন অমা ইরঙ লংনা উত্তুনা লৈরম্বা মায়োক্লখি । ঐবু খ্বাঙদা মখোঙনা কাওশীল্লকখি । সেন্ত্রি লৈফম অদু তান্না ঐবু শঙ্গিন মতোন্না ইন্দুনা পুরম্মী ।

মখোয়গী ফূবগী চৎনবী অদু হৌরে । মখোয় কয়ামরুম্না মতম অমত্তদা ঐঙোন্দা চোংশিল্লক্তুনা কাওরম্মী । কোন্নদি কেম্প অদুগী সার্জেন্ট ইন-চার্জ অদু খোরক্তুনা মখোয়না তৌরিবা অদু লেপহল্লি । ঐগী মওং অদু ফনা থীনা শোক্লম্লগনি, ঐ নিংশিংখিদ্রে । মাগী থাঙশাঙ শৎলগা খৌরী মপাদা থম্লগা ময়া খিগৎলি । মতেক মকায় ওইবা ইংলিসতা হায়রকপদু ঐনা খঙবা ঙমই মদুদি মখোয়গী I.J.A. দগী পোৎ হুরানবদি অচৌবা ইরালনি মরম অদুনা ঐগী কোক শোইদৎকদবনি, অসিনি । মতাঙ অমদা, ঐনা মঙোন্দা খঙহন্নবা হোৎনৈ মদুদি ঐগী ওইফম থোকপা পোৎশক অমা লৌবদা ঐবু হুরানবা ওইনা লৌফম থোক্তে হায়বদু । ইশা কঞ্জনবা ঐগী ৱারোল অদু মানা লৌশীনবা ঙম্লমদে । অসুম্না ঐবু, মফম অদুদগী গজ তরারোম লাপ্না সেন্ত্রি লৈফমগী মমাঙদা হৌরিবা দন্দি (অৱাবা থবক) শীফম উপাম্বী অদুগী মনাক্তা

পুননবা য়াথং তৌরম্মী । সার্জেন্ট অদুনা ইমান্নবা বন্দি কয়া, মানা পান্থা মওংদা দন্দি পীখিবা মওং অদু ঐ উখ্রবনি, হন্দকমুক্তি ঐঙোন্দা অমুক থোক্লরে । ঐবু উ অদুদা ঙাশিন্দুনা লেপহল্লমই । খুৎ অনিমক তুংলোমদা চিংথোক্লগা উ অদুগী নাকন্দা পুনশিন্দুনা থম্লে । খোঙ অনিমকসু তিংখং তারানা উ অদুগা কোন্ননা চেৎনা লাকশীনখ্রে । ফূবা য়াবা ফূরগা থিনবা য়াবা থিল্লগা ঐবু মফম অদুদা অদুম হুন্দোক্লম্লে । ঙাইহাক্কী মনুংদা ঐগী হকচাঙদা ফাওরকপা চিকপা, নাবা কয়া অদুদি ময়ামগী ৱাখলদা ঐনা শিন্নজরী । নোং ঙাল্লকপদা ঈশিং থন্না য়াওরবা বালতিন মচাগুম্বা অমা পুরক্লগা ঐগী মাঙদা থম্লমই । মচু তাবা মীওৎ মখল অমা হায়বা তারবদি মসিনি হায়বা তাই । ঈশিং অদু ইনাক্তা থম্লম্লগা, ঐবু থকপা ফংহনদবনি । মথঙদদি লানফা ময়াম (পেরেদ তৌদুনা) লোইনা লেপহন্দুনা থম্লগা I.J.A. দগী পোৎ হুরানবগী চৈরাক্তি মসিনি হায়না লাউথোকপগা লোয়ননা ঐবুসু হাৎলগনি হায়না ফোঙদোকখি । মখা তাবা থবক্তি ঐ নিংশিংবা ঙমদ্রে, ময়াম্না খঙবীরিবসিনি, ঐবু হাৎপগী থবক অদুদি পাঙথোকখিদ্রে হায়বদু । ঐ হোসপিটালদা লৈরকখি, ওর্দরলি অদুনা ঐঙোন্দা ঈশিং পীথক্লবা হোৎনখি । ঐ খঙবা ঙমখিদে করিগী ঐবু ফাখীবনো ? মখোয়না খরা চিংনবা লৈরবদি অসিগুম্বা অসি য়াম্না তোয়না থোকখি । মথঙদদি ঐহাক, রেল লম্বী শেম্লিবা মফম অদুদা লাকখ্রে ।

মফম অদুদা লৈরুরবা মীওইশিংদি, নোরোক হায়বা মফম অদুদা লৈবদা করিসু অকীবা লৈররোই । মরম পূম্নমক, করিগীনো হায়বা অমত্তা লৈরোই, মফম অদুদা লাকপগা, কিনরবা কোলোরাগসু মায়োক্লরগনি । জাপানীজশিংগী লানফা ময়াম থম্ফমগী কোলেরা অদুবু মায়োক্লরুরবা মীওইশিংদি, নোরোক্তা লৈরুবদা করিসু কিফম লৈত্রে, হান্নসু হায়জখ্রবদুনি । কোলেরাগী লাইচৎ অসি মফম অদুদা খঙহৌদনা থোক্লগা, লোইবসু অদুম লোইখি, ঐখোয়বু অশীবা কয়া অদু মৈ থাদোক্লবা নৎত্রগা ফুমজীন্নবা য়াখং তৌই । অহিং অমগী

মতমদা খাংপোকশিং অদু অশীবা ঙাক্তনা, নৎত্রগা শিগদৌরবা মীওই কয়ানা থল্লি । অশুম থোক্লকপা মতমদা লায়না অদুবু কিগনবা জাপানীজশিং অদু লাপথোক্লা লৈখি, কেম্পকী গেট (চঙফম) অদুবুনা তিংখং তারানা এক্সকী মওংদা থাজীন্দুনা থম্মী । লায়না অসি থোকলকপদা লায়েংফম লৈতে মফম অদুদা, ঐখোয়গী হিদাক লাংথক হাপ্লবা পীরিবা খাও অদুদা এসপাইরিন গুলি অমফাওবা য়াওদে । ঐখোয় পূম্নমক্কী হকচাঙদা ওইরক্লিবা, শোন্থরক্লবা মওং অদুগী মথক্তা মখোয়না চৎথরকখিবা মীওৎ মীনৈগী মওং অদুসু অকীবগী মশক্লি । কনাগুম্বা অমা, অয়ুক্কী মতমদদি করিসু তৌরমদবা অদু, নুংদাং পুং তরাগী মতমদা শিরে হায়বা হেক্তা খঙনৈ । ঈশিং ৱাৎপদগী খাঙবা ৱারক্লবদি, ঐখোয় শিবা শোয়দ্রবনি । ঐসু ইমান্নবা কয়াগী অশীবা হকচাঙ মৈ থাদোকপা য়াওরকখি । মসিগী থবক অসি, ঘরীগী কাটানা চৎপগুম, মফম অদুদদি নুমিৎ খুদিংগী লেপত্রবা থবক্লি । ঐখোয় পূম্নমক্লা শিববু থৌশানরকত্রে । হায়নৈ, “মহাক চৎখ্রে, ঙরাং অহিং য়োমশীনখ্রে । মরায়বক ফৈদা, মাদি নাম্থোকখ্রেদো ।”

ঐ অতোপ্পা মতাঙ অমা নিংশিংই । নোংমা লৌনম্বাল থোনবগী থবক অদু লোইরবা মতুংদা, ঐহাক্তা থংননা লৈমিন্নবা মরুপ অদু পোত্থারগে হায়না হিপথখিবগা হায়রকই, ঐ য়াম্না চোকথৈ, য়াম’ নুংঙাইতে ।” নোং ঙাল্লকপদা মহাক মিকপ থোক্লত্রা হায়বদু খঙনবা মশা নোম্লুবদা, মহাক মিকপ অমুক থোক্তনা, শিদুনা লৈরম্লে । অহিং অদুদা শিখিবনি, য়াম্না চিক্লা । ওর্দরলি কাংবু লাক্তুনা মহাকপু পুথোকখ্রে । অশীবগী মশক মমিং তাক্লবা, য়োৎকী কোহ্লিং কারবা মপাক অদুদা মহাক্কী মমিং ইখ্রে । করিগুম্বা নুমিৎ অমদসু কনাগুম্বা অমনা হংলকপা য়াওই : “টৌনি হনুবদু কদায়দা লৈখ্রে ?”

"মহাক মাগী শরুক ফংখ্রে, ঙরাং অহিং য়োমখ্রে।" পাউখুমনি। কনানো অমনা তুমিন্না হায় "মরায়বক ফবনি মহাক নাম্থোকচখিবা।" ঙাঙনরিবশিং অসে শিখিবা মখোয়বু ইকায়খুম্নবিদবগী ৱা নৎতে। অশীবগী ওইখ্রবা রেল লম্বী অদু শেম্বগী মতমদদি, শিবা হায়বদু ঐখোয়গী পুন্সীনা ফংজরগদবা মশক অমা ওইনা লৌনখ্রবনি। কিনরবা নুমিৎ কয়ানি চুপ্পা, কোলেরাগী লায়নানা ঐখোয়গী মরক্তা লান্দাখি, মরুপ মপাঙ য়াম্না শিখি, মশিং কয়া ওইগদবনো চপচানা নিংশিংবদি ঙমদ্রে। লান লোইখ্রবা তুংদা খঙলকখিবা অমদি লমদম অদুগী মীওই, ফারগা থবক শুহনবা মশিং য়াম্লবা মীওই কয়া অমসু লায়না অদুনা শিহনখি।

খন্থদুনা য়েংশি, মীওইবা কয়ামরুম অদু করম্বা মওংদা কদায়দা শিখিবা। রেললম্বী অদু শেম্বদি, থ্রি পেগোদা পাসেস হায়বা মফম অদুদগী পংলাপ



খ্বাঙ য়ৌনা লুবা ক্বাই-নোই তুরেলদা ফুট অমা কোনবা, ফুট তরা শাংবা উপুম অমা থোংখোঙ শেমকৎলকপদা মফম চানা হাপ্লনবা লানফা মরীনা পুশিল্লক্লিবা। WW II

লাপ্তুনা লৈবা থাইলেন্দগী কোনকোইতা হায়বা মফম অদুদা ১৯৪৩ গী ওক্তোবর ১৭ তা লোইশিনখি। থবক লোইরকপদা লৈবাক লৈবাক্কী শিখিবা মশিংগী চপ চাবা স্টেটিস্টিক্কী মতুং ইন্না হায়জবদি ঙমদ্রে। মশিগী মরমদা, চেফোঙ কয়াদা ইনখিবা, পীনখিবা মশিং পন্নখ্রে। ঐনা মসিমত্তংদি পঞ্জনিংই, মদুদি রেল লম্বী অদু কি মি: ৪১৫ শাংনা থা ১৬ কী মনুংদা লোইশিনবা ঙমখি। মফম অদুদগী হিংদুনা লাকচবা ঙমখিবা ঐগী হকচাঙদা ওইহৌরিবা মওংদি ঐগী ফীরাক/লিভর চাওথোকখিবনা চাখিবা পোৎ তুম্বদা মতম পূম্নমক্কী ওইনা চাং নাইদ্রবা ওইরকপনা ইতোলগী লায়না শাগোন্ননা হিংজবা অসিনি। ইশাগী ওইহৌরিবা হকচাঙগী মওং অসিনা তাক্লিবদি, ইমান্নবা কয়ানা নোরোক্কা মান্নরবা মফম অদুদগী হল্লক্লবা তুংদা য়াম্না ৱানা লেন্নরীবা পুন্সী অদুদগী ঐগী অসিনা খরা লাইবক ফনা শাফবা হায়বদু ওইরে। মতম খরদি মীয়াম্না হিংনরিবা পুন্সীগী মওংদা হিংবা ঙমদবদগী সাইক্রিয়াট্রিস্ট অমনা ঐবু লায়েংবীখি। ঐনা হল্লকখ্রবা চহি অমগী মতুংদা, ঐগী অনৌবা পুন্সী অসিগা অমুক হন্না মায়োক্লবা ঙম্লবা হোৎনজখি। অতোপ্পা, থাজবদা লুনা থোকপা ঐগী ৱাফম অমদি, লানগী মতম অদুদা লানফা ওইরুরবা ঙসি ঙসি হিংনরিবা মীওই কয়াগুম্না ঙসি চাওখৎলবা পুন্সীদা হিংনরকপা চহি য়াংখৈ হেল্লবা মতম অসিদা ঙসিফাওবা ঐঙোন্দসু অকী অখংগী মশক ওইবা হেক হেক মঙলাক্লবগী মতৌ অমদি থাদোকপা ঙমদনা লৈরী। ঐখোয়গী (ব্রেন) কোক অসিনা কাউবা ঙমদবগুম তৌই, ঐখোয়না ঙল্লিবমখৈ য়াম্না কন্না, নিংশিংবা অদুবু মুথৎনবা লাক্লরবসু। হৌজিক্তি, ফরিব্রা ফৎতবরা খঙদে, পুক্লিং অসি লেপ্লে।

অসিগুম্লবা, অৱাবা অকীবা মফম মতম কয়া অদুদগী হিংদুনা লাকখিবা কয়াগী মরক্তা বৃটিশ লানফা অমগী তোংঙানবা ৱারীনা মখা তাবা মরীক

চূম্বা পাউদম ওইরগা, অমরোমদা লান হায়বসিগা লোয়নরিবা ফৎত্রবা তমথিবা মচৎ অদুগী মায়োক্তা লেপনীংলকপা কনাগুম্বা মীওইবা অমগী মিনুংশি হায়বা ৱাখল অদুনা অচূম্বা লম্বী থিরকপদা কয়াম ৱাখিবা, করি থোকখিবা হায়বদুগী চাওরবা নৈনরোলগী থৌদোক অমনি মখাগী লামাইদা লাক্কদৌরিবসি । অনিশুবা লাঞ্জাওগী মতম অদুদা থোকখ্রবা, অৱাবনা থল্লবা নোরোক্কী মশক ওইরবা অশিবগী রেল লম্বী অদুদগী শিহৌদনা হল্লকখ্রবা, জাপানীজবু খম থেংনা তুক্কৎচরবা স্কোটলেন্দ মচা অমগী পুন্সীনি । নাকল অমদনা মহাক্কী মফমদা করম্না, করম্বা মতমদা 'লাল্লে ঙাকপীয়ু' হায়জনীংবা মৈচাক্লা পোখাফম খঙদ্রবা জাপানীজ সীফায় অমগীসু পুন্সীনি লাইরিক অসিদা চথুরক্কদৌরিবা মখাগী পাউদম অসিদি ।

জাপানীজ লান্মীনা নৈহৎপিরবা বৃটিশ লানফা অমগী ৱারী

জাপানীজগী মখুত্তা লানফা ওইরবা বন্দি অদুনা মঙোন্দা ৱাহং পাউহং তৌরিবা জাপানীজ (ইন্টরোগেটর) নুপা অদুগী মশক অদু মমিৎ কুপ্তনা, মুন্না য়েংই, মপুক্লিংদা খা-চিক্লা ৱাশকই, "ফৈ, নঙবুদি শোয়দনা নিংশিংগনি।" নহা ওইরিবা বৃটিশ সিফায় অসিগী মপুক্লিংদা চপ য়ুংনা খনখী। লানফা অমা ওইরবা মহাক্লা, য়েক্নবা জাপানীজগী মখুত্তা, হনবা লৈতনা, হেনজিন্না মহাকপু ওৎ-নৈবদু খাঙলকখী। খাঙবা ঙম্লক্ত্রবা মিকুপ্তা, মাগী মমিৎ অনিনা মঙোন্দা ৱাহং-পাউহং চখরিবা জাপান নুপা অদুগী মশক, মহাক্কী অমুবা কুচু, অশীংবা মমিৎ, অপিকপা মনাতোন, অপাকপা মরায়বক, পূম্নমক অদু ময়েক শেংনা উখি। মপুক্লিংদা চেৎনা খল্লি, ঐনা হিংলবদি, নোংমদি নঙবু উবা নুমিৎ অমা শোয়দনা লাক্কনি, মতম অদুদা নঙনা ঙসি ঐঙোন্দা তৌরিবা থবক অসি করিনো হায়বদু নঙোন্দা চপচানা খঙহনগনি।" মানা ৱাশকই।

পৃথিবীগী অনিশুবা লাঞ্জাও লোইখ্রে। ঈংনা পুন্সী লৈতারুনবা, বন্দি অদু ময়ুমদা হল্লকখিরমই। মহাক্লা লানফা ওইনা লেল্লুবা মতমগী অকীবা কয়া অদুনা মতমচুপ্পা মহাক্কী পুক্লিংবু কোইতান তান্নদুনা লাকখি। মহাকপু ওৎ-নৈখিবা জাপান নুপা অদুগী মফমদা লম্মন খুম্নিংবগী ৱাখলনা মশাগী পুক্লিংবু পোত্থাহল্লমদে। অদুবু, খল্লুবদা ওইথোক্কনি থাজদ্রবা থবক অদু ওইথোকপগী তানজা অমা নোংমদি মঙোন্দা লাক্লে।

বর্মাগা থাইলেন্দগা তাইনবা চীংগী লমদম ওইনা তৌরবা মফম অদুদা জাপানীজ কাংবুদা খুৎলাই থাদোক্তুনা চঙজরবা, বৃটিশ লানফা ময়াম শঙ মচা মচা কয়াদা ফাজীন্দুনা থল্লি । মফম অদুগী মৈ হৌনা শারবা নুংশানা মীওই পূম্নমকপু খাঙবা ঙমহন্দনা ৱাহল্লি । ইং ১৯৪৩ গী মতমনি, চহি অমগী মমাঙদা খা-নোংপোক থংবা এসিয়াগী অয়াম্বা লমদম জাপানীজ ইম্পেরিয়েল আরমীনা তকখায়রকপদগী বৃটিশ আমেরিকান গর্ভনমেন্টকী মখাদা লৈরম্বা অয়াম্বা মফম লৌশীনখ্রবনি । মতম অদু, জাপানীজগী মখুত্তা লানফা ওইরবা বৃটিশ এল্লাইদ ফোর্সকী অপূনবা, য়াল্লবা মীয়াম অমবু চাওরবা জঙ্গলগী মফম কয়া শেংদোকহন্দুনা, চীং ককহন্দুনা কি মি ৪২০ শাংনা থাইলেন্দদগী বর্মা য়ৌগদবা রেল লম্বী অমা শেম্লনবগীদমক খুদোংথিবা কয়া মায়োক্লহন্দুনা বৃটিশ লানফা ময়াম্বু নমদুনা থবক শুহল্লকপা মতমনি । লানফা ওইরবা মীয়াম অদুগী মরক্তা এরিক লোমাক্স কৌবা স্কোটলেন্দ মচা অমা য়াওরী । মহাক মরেপ ৱাংই, মপাঙ্গল কন্না মশা পারপ তৌই । বৃটেনগী রোয়াল কোর ওব সিগনেলদা সেকেন্দ লেফট নেন্ট ওইনা লাকখিবনি । লানফা অমা ওইনা মঙোন্দা শিন্নবা থবক্তি, মখোয়না লৈরিবা মফম অদুদা লানফাশিংগী লৈফম ওইহল্লিবা শঙ মচা মচা কয়া লৈরিবশিংদুগী অনকপদা লৈরিবা জাপানীজ মিলিটারি বিলদিং কয়াদুগী খঙন খুদম ওইনা, উ-না মওং কয়া শেমহনবনি । মফম অদুগী সেন্টিগ্রেদ দিগ্রি ৩৮ হেন্না শারবা নুংশাদা রেল লম্বী ককহল্লিবা, মপুক্লিং শোম্থনা উরবা, আমেরিকান, অস্ট্রেলিয়ান, দচ্চ, বৃটিশ, মালায়ান, বর্মিজ, ভারতমচা অমসুং চাইনিজনচিংবা মখোয় ময়াম অদুদগীদি মঙোন্দা শিন্নরিবা থবক অদুনা খরা হেন্না শাফবা ওইনা মহাক্কী মপুক্লিংদা খঞ্জখি । অরাম খৌরাংবনা লোইনমক চোখথনরবা মমান্নবা বন্দি (লানফা) মখোয় কয়াগী ফীভম অদু মরক মরক্তা মহাক্লা তূমীন্না য়েংজৈ । মখোয় অয়াম্বনা মেলেরিয়া, কোলেরা, বেরি- বেরি অমসুং তাইফোইদনচিংবা লায়না কয়াগী অৱাবসু খাঙনরিবা ঙাক্তনি, অমরোমদা মখোয় পূম্নমক, হিংখিগনি হায়বগী থাজবা ৱাখল অমত্তসু লৈনরক্ত্রবনি । অশীবগী রেল লম্বী

"দেথ রেলৱে" হায়না খঙনখ্রবা চীং-মান, জঙ্গল, তুরেল কয়া ফাওদুনা থাইলেন্দদগী বর্মা য়ৌরকপফাওবা শেমখিবা রেল লম্বী অসি ইং ১৯৪২ গী সেপ্তেম্বর তারিখ ১৬ তগী হৌরগা ইং ১৯৪৩ গী দিসেম্বর তারিখ ২৫ দা মপুংফানা লোইখি । বৃটিশ এল্লাইদ ফোর্সকী লানফা লিশিং ১৬,০০০ (তরাতরুক) কী পুন্সী পিখম্লখি, এশিয়া লৈবাক কয়াদগী ফারক্লগা থবক শুহনবা মীওই লাখ অমগী মথক্তা শিখি ।

অশুম্না রেল লম্বী অদু ককপদা য়াওরিবা মমান্নবা মীওই কয়াগী লৈফম ওইরিবা মফম অদুদা এরিক লোমাক্স কীসু লৈফমনি । মপুক্লিংদা হৈনিংবা অমত্তা পোক্লমদে, মথন্তা মহাক্কী লৈফম শঙ অদুদা অহিং অহিং হল্লকই । লৈখোম হোন্নবা মফম অদুদা উচুক য়ুংশিল্লগা সেন্টিমিটর খরদমক ৱাংখৎনা শেম্বা ইরল ইরল লনবা ৱাগী কাংথক অমদা নৎত্রগা কদ্রক কদ্রক লাউবা থোকউ থোকউবা অহাঙবা মফম অমদা মহাক্কী তূম্ফম্লি । শঙ অদুগী মথক্তা কূপলিবনা নোংজুথাগী নোং খনবা ঙম্লরোইদবা কোনা মনাগী ইহো ইহো হোবা ঙাক্তনি । মা মথন্তা হায়জে, "অৱা অনা কয়া খাঙনরিবা অসি কোক্লবা তেংবাঙ অমত্তা লৈত্রেকো ! করম্না থোকখ্রিবা- - ? মানা ঙক্লা খল্লি । তূম্বা ফাওবা নুংঙাইফম খঙদনা ৱাহল্লবা ! স্কোটলেন্দদা ওইখিবা মহাক্কী নুংঙাইনা পেনজরবা পুন্সী অদুদগী য়াম্না লাপ্না, অমসুং মমা মপাগী মনাক্তগীসু য়াম্না তাম্না কঞ্চনাবরী হায়বা মফম অসিদা লানফা ওইবগী ৱারবা পুন্সী অসিদা করম্না লাকখ্রিবা - - !

Eric Lomax, Scotland মচানি । মহাক স্কোটলেন্দগী কোনুং Edinburgh তা, খৃস্ট কুম ১৯১৯ গী মে তাং ৩০ দা পোকখি । পৃথিবীগী অনিশুবা লাঞ্জাও লাক্ত্রিঙৈগী মমাঙদদি মহাক্কী পুন্সী অসে মমা মপাগা লোয়ননা য়াম্না নুংঙাইনা, পুক্লিং ঈংনা তপ্না হিংজরকই, অমসুং মমা মপাগী অমত্তা ঙাইরবা মচা ওইনা চাউজরকই । হরাও নুংঙাইবা পামজবা পাখংমচা অমা ওইনা মহাক, রেল গারীগী মরমদা পুক্লিং চঙলকপগা মরী লৈননা মহে

মশিং তম্বদসু তেলিগ্রাফ, তেলিফোন অমসুং Radio গী Technology দা থোইদোক্লা হৈনিংবা পোকলকখি ।

ইং ১৯৩০ গী লোইরমদাইদা, মশম মুরপ তৌবা, মশক ফজবা পাখংমচা Lomax, সহরগী তেলিফোন অমসুং Postal দিপার্টমেন্টতা ক্লার্ক ওইনা থবক অমা ফংখি । মশাগীসু নিংজবা থৌরাং অমা লৈজরম্মী মদুদি মহাক্কী নুংশিনজবী লৈশাবী অদুগা লুহোংলগা মশাগী শিনফম অসি Telecommunication দা চৎথরগে হায়না । অদুবু ইং ১৯৩৯ গী মতমদদি পূম্নমক অদু পুমওন ওন্নরম্মী । মার্চ থাদা Hitler না জেকোশ্লোভাকিয়াদা লান্দাশিল্লকপদগী পোলেন্দ লৈবাক্তসু খুদোংথিনিংঙাইগী অকীবা লাক্লমই । April থাদা Lomax সু মরৈবাক নিংবগী মথৌ পাঙথোক্লবা শেম শারে, চহি ১৯দা শুরিবা মহাক্লা মিলিটারি সার্বিস তা চঙখিবদা মমা মপানসু চাওথোকচৈ, অমরোমদা মহাক্কা নুংশিনজবী লৈশাবী অদুনসু মহাক লানফমদগী হল্লক্ত্রিবফাওবা লাংতক্লনা ঙাইগনি হায়না ৱাশক্লমই ।

থা মঙাগী মতুংদা Great Britain সু লান য়াওরে হায়দুনা লাউথোরকপা মতম অদুদা সেকেন্দ লেপ্টনেন্ট ওইরবা Lomax পু বৃটিশকী মীচঙদা লৈবা লৈবাক কয়াগী সিফায়শিংদা ঈ-পাও থাদোক থাজিনগী Training পীননবা India দা থারক্লমই ।

অসিগী মতুংইন্না, মথং মথং মহাক্লা য়াওরীবা সিফায়গী Regiment অদুসু বৃটিশ গোর্ভনমেন্টকী হুকুম অমনা সিঙ্গাপুরদা লৈবা British Colony অমদা থারকখিবনি ।

মতম অদু ইং ১৯৪০ গী সেপ্তেম্বর থাদনি । জর্ম্মনগী Nazi কাংবুগা জাপানীজগা পুন্না থবক তৌমিন্নবগী য়ানচে হান্ননা সহি তৌনখ্রবনিনা অমসুং মদুগী মতুংইন্না জাপানীজশিংনা খা নোংপোক্তা লৈবা এসিয়াগী লমদম অয়াম্বদা তকশীল্লক্কুনা অকনবা শাফু পীরক্লবা মতমনি ।

ইং ১৯৪১ গী দিসেম্বর ৭ তা জাপানীজ এরোপ্লেন ময়াম্না পাসিফিক ওসিনদা লৈবা হাৱাই ঈথৎকী Pearl Harbour দা আমেরিকাগী জাহাজ মপৈ অমা মপুং ফানা মাঙ তাকহল্লবা মতুংদা British কী লোইলম ওইনা লৈরম্বা Hong-Kong, মখোয়না লৌশিনখিবগা লোয়ননা আমেরিকাগী মখুত্তা লৈবা গুৱাম অমসুং ৱেক ঈথৎশিংসু লৌশিনখ্রে । অসিগী মতুং তারকপা ওইনা, জাপানীজ নিংথৌরেলগী ওইবা লান্মী কাংবু ময়াম্না ফিলিপিন্স, মালায়া, বোর্নিও অমসুং সুমাত্রানচিংবা লোইনা খুদুম চনখিরমই । মতম অদুদা পৃথিবীগী খ্বাইদগী কল্লবা লানবল ওইনা লৌনরম্বা সিঙ্গাপুর ফাওবদা অকীবগী মমি তারক্লমই । বৃটিশনা হোৎনবা, ঙাকথোকপগী থবক পূম্নমক লোইনা অরেম্বা তারকখি । এরোপ্লেন কয়ানা নোংথক্তগী থাদরকপা বোম্ব কয়া অদুগী মতেংনা জাপানীজ লান্মীশিংনা লৈখাদা মপুং ফানা তকশীল্লকপগা লোয়ননা ইং ১৯৪২ গী ফেব্রুয়ারী তাং ১৫ দা মফম অদুগী বৃটিশ লান্মী পূম্ন মক মখোয়গী মখুৎ চনখ্রে । বৃটিশকী চুংশীন্নবা (Allied Force) কী লান্মী কয়া খুৎলাই থাদোক্তুনা জাপানীজগী মখুত্তা বন্দি (লানফা) ওইরবা ময়াম অদুগী মরক্তা য়াওরীবা Lomax গী মপুক্লিংদদি, থৌদোক অদুবু অঙকপা, অকীবা, অশাওবগা লোয়ননা অমসুং মথ্বায় প্রোক প্রোক চাক্লা খাঙলকখিবনি ।

অসুম্না, বৃটিশকী সেকন্দ লেফটনেন্ট লোমাক্স, বন্দি ওইরবা মমান্নবা লিশিং কয়ামরুমদুগা লোয়ননা ফেব্রুয়ারী তাং ১৭ তা কিলোমিটর কুনমঙা লাপ্পা লৈবা সিঙ্গাপুরগী নোংপোক থংবা মচিল অদু ফাওবা জাপানীজনা পুরকপদা য়াওরকই । চারা তংখায় হেল্লক্লবা বন্দি চহুমগী কাংবু অমগা লোয়ননা, জাপানীজগী ৱার মেমোরিয়ল অমা শাননবা থা অনি চুপ্পা অচৌবা জঙ্গল অমা শেংদোকহনবদা মহাকসু য়াওরমই । নুমিৎ খুদিংগী মখোয়গী লৈফম, বেরেক অদুদগী থবক শুফম তান্ন লাকপগী লম্বিদা, য়েংবদা নুংঙাইত্রবা, এসিয়ান সিফায়শিংগী ককথৎলবা মকোক ময়াম, য়ুংদুনা থম্বা ৱাখোক মতোল মতোলদা হাপচীন্দুনা থম্লম্বদু উবদা মথ্বায় শোকখি ।

মতম খরগী মতুং, ইং ১৯৪২ ওক্তোবরগী অয়ুক অমদা লোমাক্লকা লোয়ননা অতোপ্পা বন্দি চাতরুক অমবু হোইদুনা সিঙ্গাপুর স্টেসন ফাওবা

লানফা ওইনা পুরক্লবা বৃটিশকী য়াম্লবা কাংবু

পূরক্লগা, শোর হোনফম লৈত্রবা পোৎ পুনবা রেল গারী অমদা মখোয় পূম্নমক নমশীন্দুনা মফম অমা য়ৌননবা অমুক থারক্লে। নুমিৎ মঙানিগী মতুংদা মখোয়বু পুরকপা গারী অদু Bang Pong কৌবা Bangkok তগী কিলোমিটর ৮০ লাপ্পা লৈবা থাইলেন্দগী সহর মচা অমা য়ৌরক্লমই।

বন্দি ওইরবা মখোয় পূম্নমকপু, শা শন হোইজিনবগুম, ঈশিং থুমখিবদগী লৈখোম হোমহৌরবা মফম অমদা তংখায় অমা পুৎথনা শাবা ৱাগী খাংপোকশঙ খরদা চঙহল্লমই। য়েক্লবগী মখুৎতা বন্দি ওইবগী অৱাবা পোৎলুমদি নোংম নোংমগী হেনকৎলক্লে, অসিগী মথক্তা, চাননবা চিঞ্জাকতা নত্তনা অনাবগী হিদাক ৱাৎলকপা অমসুং নুংশাগী অকনবা মৈশা খাঙবা তারকপা অমসুং মখোয়গী কাংবুদগী ঈ-পাও অমত্তসু খঙনদনা লাপ্পা নাইতোম তারকপা, পূম্নমক অদুনা অৱাবগী মথক্তা হাপকৎলকপা অহেনবা

অৱাবগী পোৎলুম ওইরম্মী । লানগী পাউ তাবা ফংননবগীদমক্তা, বন্দিশিং অদুগী মরক্তগী বন্দি কাংবু খরদি য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইনা অরোনবা রেদিও রিসিভর অমা লোন্না পানখৎপগী থৌরাঙ তৌবা হৌখি । লোমাক্স অমসুং মাগা লোয়নবা বন্দি খরনা রেদিও শাবদা চঙগদবা পোৎ হায়বদি ৱায়র অমসুং য়োৎ কোরীগী মচাক খোমজিন থিজিনবা হৌরে । লোমাক্স বন্দিশিংগী চাক থোংফমদা থবক শুবগী শিন্থা অমা পায়রম্মী, মরম অদুনা মৈনাক্তা চংবগী খুদোংচাবদু ফংবনিনা অরোনবা রিসিভর অমগী শাগদবা শরুকশিং অদু শৌজিন খোৎচিনবগী থবক মহাক্না পাঙথোকপগী খুদোংচাবা ফংলম্মী । চয়োল খরগী মনুংদা রেদিও অদু শাবা লোইরদুনা, কোফি হাপ্পরম্বা য়োৎকী কোৎহ্লিং কারবা তিন অমগী মনুংদা মখোয়না রেদিও অদু



সিঙ্গাপুরদগী থাইলেন্দ ফাওবা ত্রক গারী কয়াদা নমশীন্দুনা পুরকখিবা মখোয় লানফা ময়াম

লোৎশীন্দুনা থম্লে । নুংদাংগী মতমদা লোমাক্স অমসুং ওফিসার ওইমীন্নরকপা মখোয় বন্দি কাংবু পুল্লপ তাশীন্নদুনা নিউ দিল্লিদগী শন্দোরকপা রেদিওগী

পাউ হেক-হেক তাই । নোং ঙাল্লকপদা লানগী পাউ অদু, মখোয় মশেল ৱাহৈনবু ওইরে, খঙনবা খুদম্লবু ওইরে বন্দি পূম্নমক্কী মরক্তা খঙনরম্মী, চেদা খঙনবা খুদম্না ইরবদি চে অদু কোন্না মৈ থাদোকই ।

হায়রিবা থৌওং অসি জাপানিজশিংনা খঙবা ঙমদনা অশুম চৎথরকপনা, বৃটিশ বন্দি ময়াম অদুসু, রেদিও অদু শীদোক্লগা নৌনা অমুক পানখৎপদসু থোইনা অকীবা লৈরক্রে । অসুম্না ইং ১৯৪৩ গী ফেব্রুয়ারী থাদা কঞ্চনাবরী কৌবা খুঙ্গং অমা তান্না মখোয়গী থবক শুফম হোংলকপদা, শীদোক্লবা রেদিওগী পার্টশিং অদু চেকশীন্না মখোয়গী মশাদা লোৎশীন্দুনা পুরকখীরমই ।

খা-নোংপোক এসিয়াগী লমদমদা, মতম অদুগী ওইনা জাপানীজশিংগী য়াম্না মরু ওইবা Railway গী Workshop অমা লৈরম্বসি কঞ্চনাবরী হায়বা খুঙ্গং অসিদনি । মফম অসিদগীনি বর্ম্মা য়ৌনবা রেল লম্বী অমা শেমগৎপগী অমসুং ভারত্তা লান্দানবা শেম শারীবা জাপানীজ শিংগী থৌরাঙ ১সুং চঙগদবা পোৎ পূম্নমক্কী Supply তৌবগী খুদোংচাবা Army Head Quarters ওইখিবা । অমরোমদা, বৃটিশকী বন্দিশিংনা ক্বাই তুরেল (River Kwai) লানথোক্লা থোঙ অমা শাগদৌরী । পৃথিবীগী মীরোলনা খঙন তানহৌরবা Bridge on the River Kwai হায়বদুনি, অদুবু বৃটিশ Allied Force গী Plane শিংনা থোং অদুগী শরুক খরদি বোম থাদদুনা থুগায়খি অদুবু কোন্না অমুক শেমজীনখি ।

বৃটিশ বন্দিশিংগী লৈফম অদুদা য়াম্না চেকশীন্না জাপানীজশিংনা ঙাক-শেল্লবসু, লোমাক্সনা লম অদুগী মেপ অমদি লোন্না য়েকপা হৌখি, করীগুম্বা মখোয়না নাম্থোক্তুনা চেল্লকপা তারবদি, মেপ অদু তঙাইফদবা মচাক অমদি ওইগদ্রা হায়দুনা । বন্দি কয়াগী পুক্লিংদা অকীবা ফাওদবসু নত্তে, করীগুম্বা জাপানীজশিংনা লান অদুদা মায়থীবা থোক্লবদি, মখোয় পূম্নমকপু হাৎপীগদ্রা হায়নসু । মতাঙ অসিদা লোমাক্সনা চপ চানা থাজে, মখোয়না জঙ্গালদবু চেনথোকখিবা ঙম্লবদি হিংবগী তানজা অমদি শোয়দনা ফংগনি ।

তঙায়ফদনা, মরু ওইবা পাউ খরা ফংননবগীদমক, মহাক্না মরক মরক্তা জাপানীজ কেম্প লৈরীবদুগী ওফিস লৈবা মফম অদুদা চঙবা ফংবগী তানজা হেক ফংবগা য়াম্না শিংনা মখোয়গী চে-চাং অমসুং শিজীন্নরিবা মেপ্নচিংবদু য়েংথোরকই । কেম্প অদুদগী চৎখিবা ১সুং লাক্লিবা ত্রক গারীগী ড্রাইভরশিংদসু ইচম চম্না লানগী ঈ-পাও হংই । মহাক খঙদবদি নত্তে, মদুদি বন্দি ওইরবা অস্ট্রেলিয়া মচা অমদা মখুৎনা শেমজবা মেপ অমা য়াওরম্বগীদমক জাপানীজশিংনা কাপখায়দুনা হাৎখিবদুসু । শিবগী হায়রুরবদি, মফম অদুগী বন্দি অয়াম্বা চাব থকপা ব্রাৎলকপা, লায়না মখল মখল অমসুং তমথিবা মীওৎ মীনৈনচিংবা মরম কয়াদগী নোংম নোংমগী মখোয়গী মীশিং হন্থরক্লবনি । অদুবু লোমাক্লকী মফমদদি, করিগুম্বা খরা তৌদুনা হিংদবা য়াদে হায়বসিনি ।

থা অনিরোমগী মনুংদা অকুপ্পা মরম য়াওবা মেপ অমদি থৌরাং তৌরে, মেপ অদু চেকশীন্না বন্দিশিংগী খোঙহাম্ফম (লেত্রিন) অমদা লোৎশীন্দুনা থল্লে । August ১৯৪৩ ফাওবদি করীগুম্বা খুদোংথিনিংঙাই মরম অমত্তা লৈত্রবা মাল্লম্মী । মহৌশাগুম, নোংমদি বন্দি পূম্নমক পুং তরুক্কী রোল কৌনবা পরেং লেংহল্লগা, মখোয় পূম্নমকতা য়াম্না অঙকপা পোক্লা মখোয়না লেপ্লিঁভেদা মখোয় পূম্নমক্কী লৈফম খাঙপোক শঙ পূম্নমক্তা করী করী লৈবগে হায়বা খঙনবা (Search) তৌগনি থিগনি হায়না লাউথোরকখি । বন্দিশিং অদুনা খুদক্তা উখিরমই, মাগী মাগী ফমুং কয়া জাপানীজ সিফায় কাংবুদুনা মথক মখা ওন্থোক্তুনা য়েংবা উপুশিংদগী য়াওরম্বা পোৎ চিংথোকপা, ফিরোন কোইচায় চাইনা কনথোক্তুনা য়েংলিবা পূম্নমক অদু ।

পুং কয়া হৌখ্রে, নুংশা শাবসু হেল্লক্লে । শারবা নুংশাদা লেপহল্লিবা বৃটিশ বন্দি কয়া অদুগী পুক্লিংদা হেন্না অকীবা নুংনাংবা পোক্লকই মরমদি মখোয় মখোয়গী লৈফমদগী সিফায়শিংদুনা পুথোরকপা পোৎ-চৈ, মরু ওইনা য়োৎপি, লৈশিন্নবা Screw (স্ক্রু) অমসুং ব্রায়রনচিংবা কয়া মাগী মাগী শঙ মমাঙদা পৈ-পৈদুনা থম্বদু মখোয়সু উরম্মী ।

জাপানীজ সিফায় অমদি, বন্দি অমগী ফমুং মপাদা হাথু হাথুনা লেপখি। বন্দি অদুগী ফমুংগী উপাক্তা নপলিবা, পোস্টেজ স্টাম্প অমগী Size দা শেম্বা অঙৌবা চেগী Triangle মওং অদু মহাক্লা খুদক্তা উখ্রমানে। মানা চিংথোক্লুবদা খঙবা ঙমখ্রে, মদু Solomon ঈথৎকী অয়েকপা অমনি অমসুং মদুদা শোক্লরিবা লানগী Radio report খরা ঐখোয়গী বন্দি খরনা শিন্দোক্তুনা থল্লে হায়বা - - । জাপানীজ সিফায় অদুনা লাউরকপদা অতোপ্পা সিফায় কয়াসু মনাক্তা চেনশীনখিরমই। পোৎ থিবগী থবক অদু য়াম্না চরাঙননা কনশীল্লকই। থুনমক, ঈখং খঙহৌদনা অমুকসু অশাওবগী খোঞ্জেল অমদা সিফায় অমনা লাউরকই, হন্দকমুক্তি Lomax কী লৈফম খাঙপোক অদুদগীনি। "হে ঈশ্বর ! লোমাক্সনা খল্লি, মখোয় ঐগী রেদিও ফংখ্রেনা।"

ফূবা- হৌরে

বন্দি অমগী হিপফম কাংথক মখাদা, কোৎল্লিং কারবা, কোফি হাপ্পরম্বা কোংঙৌ অমনা য়োমশীন্দুনা থম্বা রেদিও অদু মখোয়না থেংনখ্রে। খুদক্তা মহাক্লা ফংগদবা দন্দি মখল অমদি, কে জি তরানিথোই লূম্বা, খৎপাইফম অশাঙবা পানবা নুঙথঙ অচৌবা অমনা, চাউরবা উতুপ অমা লৈবাক্তা য়ুংননবা পুং কয়া চুপ্পা মথক্তা য়ৈশীনহনগদৌরিবনি।

মথঙ নুমিৎ নিনিগী মতমদি করিগুম্বা অমত্তা থোকলমদে, অদুবু মখোয় বন্দি পূম্নমক য়াম্না পাখৎনা অকীবদি পোক্লরমই। মদু করিগুম্বা (Storm) অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমা থোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা ঙাইহাক ঈংনা চিক্লা লৈবদুমক্লী হায়না লোমাক্সকী পুক্লিংদা ফাউরম্মী। হান্না, চয়োল খরগী মমাঙদসু নাম্থোক্তুনা চেনগে তৌরম্বা ওফিসর কয়া মশা-মশাগী মোংফম তৌথোকহল্লবা মতুংদা মখোয়না ওৎ-নৈদুনা হাৎখ্রবনি।

নোংমা সেপ্তেম্বর তাং ২১ গী অয়ুক্তা, জাপানীজ সিফায় অমা লোমাক্সনা লৈবা খাংপোক অদুদা চঙলক্লমই। মখোয় মঙাগী মিং, মথঙ মথঙ কৌরক্লে,

লোমাক্সকী মিংনা ইকোন কোন্না । "নপোৎ নচৈ য়োমশীল্লু, অদুগা ঐখোয়গী ইতুং ইল্লকউ ।" সিফায় অদুনা লাউরকই । মশা নীক্লা লোমাক্সনা খনখি, "ঐখোয়গা লৈমিন্নবা বন্দি অমদা তমথীনা ৱাহং পাউহং তৌবদগী, মহাক্লা ঐখোয়গী মিং তাকথোক্লকপ্রা ।" হায়না - - । য়াম্না থুনা মখোয়গী লেত্রিন (খোংহাম্ফম) অদুদা য়েংথরগা অরোনবা মেপ অদু মখুৎনা পায়শিল্লমই । মানা খল্লি "নাম্থোক্তুনা ঐখোয় চেনবা তারবদি, মেপ অসি দরকার ওইগনি ।" অশুম্না লোমাক্স, অতোপ্পা বৃটিশ ওফিসর অহুম অমসুং অষ্ট্রেলিয়ান মচা অমসু য়াওনা কঞ্চনাবরী কৌবা মফম অদুদা লৈবা অতোপ্পা কেম্প অমদা পুরক্লমই । মখোয়বু লৈমায়দা হুন্থরগা মখোয়গী পোৎয়োমদা য়াওনরিবা মপোৎ-মচৈ পূম্নমক পুমচায় চাইখায়বিরম্মী । শন্ত্রি ময়ামদুগী মরক্তগী অমনা লোমাক্সকী মেপ অদু ফংবমক্তা য়াম্না খুদোংথীরবগী খুদম ওইনা মেপ অদু মখুৎনা হাইদুনা উৎলম্মী । বন্দি পূম্নমক মৈ হৌনা শারবা নুংশা অদুদা লেঙ-ওৎপা য়াদনা করিগুম্বা অচা অথক অমত্তা পীদনা থম্লগা নুমিৎ অদুমা লেপহনখি ।

নুমিদাং পুং তরা তারকপা মতমদা, অনকপদা লেপ্লিবা গয়ন্তি পায়বা শন্ত্রি কাংবু অমনা বন্দি অমবু কৌথোকখ্রে । লোমাক্সনা উবদা মাগী মরুপ অদু মখুৎ অনিমক কোকথক্তা থাঙ্গৎহনখি । অসিগী তুংদা মশা মউ ফবা সিফায় অমনা মানা পায়রীবা গয়ন্তি মখোক অদুনা শাফু কন্না বন্দি অদুগী মনঙ্গন্দা ফৈনা হাইজিন্দুনা ফুবদা নুপা অদু লৈমায়দা উপ্রাক্লা শিত্তুনা তুখি । শন্ত্রি খরসু চঙশীল্লক্তুনা, বন্দি নুপা অদু হেক শিবা মান্দ্রিবফাওবা, কাওশীনবা ফুজীনবদুদা য়াওরম্মী । অশুম্না বন্দি অমসু পুশিল্লক্তুনা ফূরবা তুংদা, মখোয়না লোমাক্সপু কৌরক্লে ।

"মশিওইরেকো" মানা চঙশীল্লকপা মিকুপ্তুদা খনখি । সেকোন্দ খরগী মনুংদা মহাকপু লৈমায়দা হাইথহনখি, মচিন্দা ঈ ওরকই । কল্লবা গয়ন্তি মখোক্কী শাফু অদুগা লোয়ননা মাগী নঙ্গন্দা অমসুং মকোক্তা য়োৎকী বুট খূ'নিংনা নেৎথরকপদা লৈমায়গী নুংজ্রেঙগা মমায়গা তকখায়নরম্মী । মাগী

হকচাঙ মনুংদা শরু তেকপগী মখোল মথন্তা তাজরম্মী । মহাক্লা হেক জ্ঞান মাঙদ্রিব ফাওবদি মহাকপু ফূবদু লেপখিদে । নোংঙাল্লকপগী অয়ুক অঙনবদা লোমাক্স অমুক হন্না জ্ঞান তারকই । মশাদা শেৎলিবা ফুরিৎ খোঙ্গ্রাও-ঈ-না পূমচু চুরে, মচেৎ মচেৎ তৎলে, মশা পূম্বসু পুংপঙ পঙনা শিথরে । অতোপ্পা বন্দি মরী অদুসু লৈমায়দা পদ্রাক পদ্রাক তাদুনা লৈ, অনি অমদি য়াম্না ৱানা নাহেরম্মী । জাপানীজ সিফায়শিংদুদি অনকপা গার্দ রুম অমদা পোখাদুনা লৈরী । মখোয়বু য়াক্লবা নুংশাগী মৈশাদা নুমিৎ নিনি হুন্দোক্তুনা থমখি, চাননবা চিঞ্জাক অমত্তা পুরকখিদে, মরক মরক্তা অপিকপা মগ-তা হাপ্প চা খরা থক্লনবা পীরকপদু নত্তনা । থাংশাং অমনা মশা 'পূম্বদা থিংজিল্লকপগুম, অকীবা ফংনা অৱাবা অনাবা অমনা মশা লেং ওৎপা ঙম্লমদে অমসুং অরাম-খৌরাংবনসু খাঙবা ঙম্লমদে । মহাক্কী ৱাখলদা নিংবা কায়রকপনা পিক থল্লম্মী । "ঐখোয়বু, শিবা ফাওবা অশুম্না হুন্দোক্দৌরিব্রা, নত্রগা ঐখোয়বু অমুক লোইশিনবা লাকখিগদ্রা ?" মহাক্কী কায়রক্লবা, শিরক্লবা আশাবু অমুক হিংকৎহন্নবগীদমক্তা ঈশ্বরবু খুরুমজরম্মী । অমরোমদা, মানা অঙাং ওইরিবঁঙে মাবু পোকপী মমানা মঙোন্দা তাকপীখিবা মশাগী পুক্লিং ৱাখলবু চেৎনা থাজবগী পাঙ্গল থৌনা অদুগীদমক্তসু মমাগী মফমদা তৌবীমল খঙনা মপুক্লিংনা খুরুমজৈ ॥ নুমিৎ হুমনি শুরকপগী অয়ুক্তা মমান্নবা বন্দি খরা মফম অদুদা থারক্তুনা, অশোল অনা পুনবা Stretcher দা মখোয়বু হাপ্লগা কেম্প হোস্পিটাল অমদা পুরকখি । মনুং অদুদা লৈরম্বা দাক্তর ওইবা Dutch মচা বন্দি অমনা মখোয়গী মফি মরোল হোংদোকপিরে, ঈ-নাই, লৈখোম্লচিংবা মশা পূম্বদগী চামথোকপীদুনা মহাক্লা ঙমজবা থাক্তা মখোয়বু সেবা তৌবীরম্মী ।

লোমাক্সকী ফিভম লুনা লৈরে, মরমদি মাগী মখুৎ অনিমক তেক্লে, ৱাচপ থাদুনা অমুক অচূম্বা মওংদা লাক্লনবা থম্বা তারম্মী । মাগী মনাতোন কায়রে, য়েৎথংবা নিঙগোঙগী শরু কায়বগা লোয়ননা থবাক্কী শরু হুমদাং অয়াম্বা চেকখায়রে । শঙলপ তৌনা মুশিল্লবা ঈ-না মশা পূম্বা পূমচু চুরম্মী ।

"ঐনা উখিবা পূন্নমক্তগী, খ্বাইদগী তমথিনা ফুবদি নখোয়গীসিনি, দাক্তরদুনা হায়, "ঐসু মশিং থিবনি, পুং তরুক্কী মনুংদা চাম্মাপল লক শুগনি নখোয়বু ফুখীবসি।" চয়োল অনিগী মতুংদা, জাপানীজনা তমথীনা লাক্লরকপা মখোয় মঙাবু পুং মঙা তারকপা অয়ুক্কী মতমদা তূম্বদগী হৌদোক্তুনা মিলিটারী হেদ ক্বার্টর্স অমা তান্না হোইদুনা পুরম্মী। মথোল অনি ৱাংবা য়ুম অমগী মনিংদা ৱা-না শাবা শা মকোল মানবা পরেং অমা লৈবদু মিটর ১.৫ ৱাংই, শাংবসু মিটর ১.৫ নি অদুগা পাকপদি মিটর মখায়দগী খজিক্তং হেল্লি।

লোমাক্সপু খুকউখুদক কুলহল্লগা অখূবা থোঙ অদুদা লিৎশিলহনবদু য়াম্না ৱাখি, ৱাচপ থাদুনা বেনদীজ য়েৎলিবা মখুৎ অনিদুগা লোয়ননা শারঙ মনুং ফাওবা মশাবু চিংশিন্নবা হোৎনবদা। মনুং অদুদা লেপখৎপদি য়াদ্রবনিনা চেপনা হীপ্লগা কোনশীন্দুনা লৈখি।

নুমিৎ নিনিগী মতুংদা লোমাক্স শারঙ অদুদগী পুথোরক্লগা মিলিটারি পোলিস বিলদিং অমগী মনুংদা লৈবা, য়েংবদা হৈনিংদবা মোৎলবা কা অমদা থমজিল্লমই। মতম অদুফাওবা মাগী ঈ তৈরবা অতৎপা ফিরোল অদু শেৎলি। মমাঙদা লৈবা জাপানীজ সিফায় অনিদু ময়েক শেংনা উবা ঙম্মী, মখোয় অনি ইস্ত্রি তকপা অনানবা য়ুনিফোর্ম শেত্তুনা তেবল অমগী মনাক্তা ফম্লম্মী, অমদি তাকাসি নাগাসে কৌবা নুপা অমনি।

ব্রাহং পাউহং তৌবদা হৈনজদবা মীশক অমা

ঙাইহাক মিকুপ খরগী মমাঙদা, তাকাসি নাগাসে হায়রীবা সিফায় অদু মিলিটারী হেদ ক্বার্টর্স মনুংদুদা মরু ওইবা চে মপৈ অমা ফর-ফর হাইদোক্নুনা মুন্না য়েংদুনা লৈহৌবনি। মতুংদা, সরজেন্ট অমা কা অদুদা চঙলকখিরমই। নাগাসে-দা মহাক্না খুদক্তা হায়রে "ঐখোয় নঙবু দরকার লৈ।" "বন্দি খরনা রেদিও অমা শিজীন্নরম্বা থেংনরে, মখোয়গী মরক্তগী অমদসু মেপ অমা য়াওরমই। নঙনা ব্রাহং তৌননবা চৎপা তারে, লাও।" হায়রিবা ব্রাফম অদু হায়বা ইনবা ওইনা নাগাসে মকোক নোমলমই। অদুম্নদি ওইরগা সরজেন্ট অদুগী মতুংইন্না থোরকপদা, মশাগী ব্রাখল লৈজবা ঈং-তপ্পবা চহি কুনমঙা শুরবা মহাক অদু মপূক্লিংদা অকীবগা লোয়ননা চিংনদবা ঙল্লমদে, তুংদা করি তৌগদৌরিবনো হায়বদু খল্লুবদা। মহাক্তি, সিফায়দি ওইরগা সিফায় মান্দবনি, চুম্না হায়রবদা মহাক ইংলিসকী ছাত্র অমা ওইনা টোকিওদা লৈরিঙৈদা চাংনাইনা চর্চ কাজরকপা ছাত্রনি। টোকিওদা লৈরিঙৈদা মশাগী ওইনা লৈজবা মহৈ-মশিংগী থৌরাঙ পূম্নমক অনিশুবা লাঞ্জাওনা কায়হনখিবনি।

মনঙ্গন্দা অনাবগী অরুবা মওং অমা লৈরবসু, জাপানীজগী আরমী মিনিস্ত্রিদা মাবু লোল অমদগী লোল অমদা হন্দোকপা ইন্টরপ্রিটর ওইনা কমিসন রেঙ্ক নত্তবদা হাপখিবনি। মাগী ইহান হানবা থবকতি সাইগোনদা হৌখি, মফম অদুদা মানা, বৃটিশ কাংবুদগী ফারকপা চে-চাং দোকুমেন্টস কয়া জাপানীজ লোলদা হন্দোকখি। ইং ১৯৪২ গী মে থাদ সিঙ্গাপুরদা চৎলগা মফম অদুদা লৈবা জাপানীজ সিফায়শিংগী নুংঙাইনবা থল্লিবা বর্মা নুপী কয়াবু মানা জাপানীজ লোল তম্বীরকই। মঙোন্দা শিন্নরিবা থবক অদু নাগাসেগী

মপুক্লিংদা নুংঙাইজরমদে । "ঐখোয়না শোক্লরিবা লাল অসিগী থবক্তা মশিনা করী তৌগদৌরিবনো ?" মহাক ঙক্লা খনজে ।

ইং ১৯৪৩ সেপ্তেম্বর থাদগী হৌনা, কঞ্চনাবরীদা লৈবা জাপানীজ মিলিটরি পোলিস প্লাতুন অদুগী মরক্তা নাগাসেবু থল্লকপনি । মফম অদুদা মহাক্লা তৌবা থবক্তি, লানগী বন্দি ওইরবা বৃটিশ মচাশিংদা জাপানীজ ওফিসরশিংনা হায়রক হায়রকপা য়াথং অদু মহাক্লা ইংলিসতা লাউথোকপনি । বন্দি কয়া থল্লিবা মফম অদুদা চঙবদা মহাক অঙকপা পোকখি মরমদি লায়েংফম্লি হায়রীবা মফম অদুদা লৈবা শঙ পুম্নমক অদু মথক নিংথিনা কুপ্লমদে, অমসুং নোংজু মতম অদুদা নোংনসু চোৎলবা কম্বলনা মশা য়োমশীনজরগা মশাগী লাইহৌ খাঙদুনা, নিক্তুনা লৈরম্বা অনাবা বৃটিশ লানফা ময়াম অদু উবদা মাগী মপূক্লিং নুংঙাইখিদে অমসুং অদুক পূক্লিং শোক্লা নুংঙাইতনা লৈরম্বা অদুগা, মানা অমুক মথঙদা উগদৌরিবা অনিদুগী মরক্তা করিসু চাং তম্লিংঙাই লৈরমদে ।

নাগাসে-না মাগী মমাঙদা লেপ্লিবা, মশা কংশিন্না শোন্না উরবা বৃটিশ সিফায় অদুদা য়েংলম্মী । ব্রা হন্দোক্লোয় ওইরিবা নুপা (নাগাসে) অসিনা খল্লি "মহাক মশাদি অকনবা মী ওইনা উই, অদুবু মপুক্লিংদদি কিরম্লগনি ।" পন্দনা ফজনা ঙাঙবা ইংলিসতা নাগাসেনা লোমাক্সপু ফম্লনবা হায়রম্মী । মনাক্তা লেপ্লিবা জাপানীজ সরজেন্ট অদুগা ঙাইহাক ব্রারী শানরগা নাগাসেনা লোমাক্সতা ওনশীল্লক্কুনা হায়রকই ।" নঙনা, জাপানগী মায়োক্তা অরোনবা থবক কয়া শন্দোকই, মরম অদুনা নঙবু মফম অসিদা পুরকপনি ।" অব্রাবা উৎপা খোম্হোক্তা চেকশীন্না হায়রকই । "রেদিও অদু শাবদা নঙ য়াওই হায়বা ঐখোয় খঙলে - মসি নঙগী মরুপশিংনা মশা মশানা হায়দোকচরকপনি । হৌজিক্তি হায়রো, অতৈ অতোপ্পশিংসু য়াওব্রা ? রেদিওগী মচাকশিং অদু

কদায়দগীনো ? মদুদা, অখঙ অহৈগী অকুপ্পা থবকশিংদু কনানা তৌই ?" মশাদা ফাওরকপা অকীবা অদু খঙহন্দনা, সেকেন্দ লেফ্‌টনেন্ট লোমাক্সনা য়াম্না তপথনা অনৌবা ঈ-পাও (ইনফোর্মসন) অমত্তসু মঙোন্দগী পীরমদে । নাগাসেনা হন্না হন্না তক্লরবসু, লোমাক্স চেৎনা খাঙলমই ।

মতাঙ অদুদা জাপানীজ সরজেন্ট অদু য়াম্না শাওগৎনা নাগাসেদা লাউদুনা হুকুম তৌরকই । ব্রাহং তৌরিবা মহাক্তি লেপ্তুনা হংলম্মী অদুবু মানা লখা তক্লরবসু লোমাক্সনা মহাক য়াওই হায়বা য়ারমদে নত্রগা মাগী মরুপ কনাবুসু শেরান্ননা হায়জীল্লমদে । ব্রাহং পাউহংগী মতম অদু পুং কয়া চৎথরকপদা জাপানীজ সরজেন্ট অদু মৈ হৌনা শাউরকখি । ঙাইহাক মতম খরগী তুংদদি, অচূম্বা পাউখুম ফংদ্রবদা মহাকনা নিংবা কায়রীবদুগী খোঞ্জেল অমা মাগী ব্রাহংদা য়াওরক্লে ।

"লান অসি কনানা ঙমগদৌরী ?" অকনবা খোঞ্জেলদা হংলকই । "কদায়দনো বৃতিসকী চৃংশিন্নবা কাংবুনা লাক্কদৌরিবসি ?

করিসু খঙদে হায়বগী মওংদা লোমাক্স, মাগী লেংজুমতমক শুপকৎলমই ।

ঈশিং হৈজীন্দুনা ওৎপা

লেপ্তুনা ৱাহং চৎথরকপগী শাংলবা পূংশীংনা নুমিৎ কয়ানি ফারক্লবা মতম অদু ফাওবা তাকাসি নাগাসে হায়বা নুপা অদুদি লোন হন্দোক্লবগী ওইনা মখোয়গী মরক্তা অদুম লৈখি । কুইরক্লবা মতম অদু ফাওবা লোমাক্স, জাপানীজগী মতেঙ ওইবা ৱাফম অমত্তা পীরমদে ।

কোন্থংদদি, শাউরবা মিলিটরি পোলিস অদুনা মহাকপু খুৎপাক্লা থাবা হৌরক্লমই । হন্না হন্না লোমাক্সকী মমায়দা খুৎপাক্লা থাজিল্লকপদু য়েংবা ঙম্লক্তদুনা তাকাসি, মমায় লৈথোক্তুনা খাঙই । ঙাইহাক করিগুম্বা মিকুপ্তা পোলিস অদুনা কা অদুদগী থোকখিবদা নাগাসেনা লোমাক্সতা মমায় লুকথরগা তুমীন্না হায়খি- “নঙসু য়াওই হায়না নশানা য়ারবদি মখোয়না নঙবু ফূরীবসি লেপকনি ।” মঙোন্দা খমথেংবা মিনুংশি ফাওরকখি ।

হায়খ্রিবা ৱাহৈশিং অদুদা লোমাক্সনা করিসু খুমখিদে, নাগাসেগী মমিত্তা য়ানিংদনা য়েংলকপা মিৎয়েং অদু নক্তনা । শাউরবা লোমাক্সকী শংবানবা মমিৎ অনি অদু য়েংলগা নাগাসেনা খল্লি- “ঐঙোন্দা ওইরম্লবসু মানা খল্লিবা অসিমক ঐঙোন্দসু ফাওগনি, ঐ খঙই ।”

মতম কুইশিল্লকপগা লোয়ননা, চা অমসুং থুম তোৎপা চাক্তগী হেন্না করীসু অমত্তা পীজদ্রবা লোমাক্সকী হকচাঙ শোনজীল্লক্লে হায়বা মহাক্কী পূক্লিংদসু ফাওরম্মী । পোলিস কাংবু অদুনদি হেনজিন-হেনজিন্না মহাকপু ওৎলী, অচুম্বদু তাকথোক্লক্কনি হায়বগী ৱাখলদা । “মেপ অদুগী অকুপ্পা মরম নঙ কদাইদগী ফংই ? নঙগা কনাগা পূন্না থবক তৌমিন্নে ?”

অমুক্তংদি লোমাক্সনা খুমখি “রেল লম্বী হায়বসি ঐনা পামজবা হৈনবীনি । ঐনা য়েকথোক্লবা অসিদি, ঐগী নিংশিংখুদম ওইগে তৌবনি ।”

"নঙ নচিন থীবনি।" জাপানীজ অদু মৈ হৌনা শাউনা খুল্লকই। কোন্না, মঙানি শুরকপা নুমিত্তদি, শিবগী দন্দি পীবা য়ারবা লোন্না পাউ পুবা স্পাই অমনি হায়না লোমাক্সপু মরাল শীরকলিবদুদা মশানা য়ারে হায়না সাইন তৌগদবনি হায়নসু নাগাসেনা মঙোন্দা খঙহল্লমই।

"সাইন তৌরো, চথরীবা ব্রাহংগী থবক অসি লেপ্লগনি।" মানা লোমাক্সতা হায়রম্মী। হৌজিক মতম খরা লৈরিঙৈসিদা অচুম্বা অদু হায়দোকহৌরবদি নঙগী খুদোংচাবা ওইগনি, নৎত্রবদি নহাকপু হাৎখ্রগনি।"

লোমাক্স অমুক্কা হেন্না য়ানিংলমদে।

"মসি মপান্দা পুথোকখ্রো।" মিলিটরী পোলিসমেন অমনা হুকুম তৌরকই।

শারবা ওক্তোবর থানি। শারবা নুংথিলগী মতম অদুদা লোমাক্সপু পোলিস নুপা অনিনা মপান্দা চিংথোরকই। মাগী মমায় মমিৎ, হকচাঙ, লোইনা ঈ থোক্লম্মী। ক্বাই তুরেল মপানগী নাকল অমদা লৈরম্বা বেঞ্চ অমদা মহাকপু লোংনা হিপহল্লগা মাগী তেক্লবা মখুৎ নাম্মা মশাগী নঙ্গন মখাদা চিংশিন্দুনা থম্লে, অতোপ্পা মখুৎ অমদুনা মাগী থবাক্তা ফৈনা থম্লগা মাবু লাকশীন্দুনা পুল্লম্মী। মহাক ব্রারে হায়বদু নাগাসে খঙই।

নাগাসেনা লোমাক্সতা হংই- "ব্রা হায়দোক্লবা শেম শারব্রা ?"

লোমাক্স য়ানিংদবা উত্তুনা মঙক হাইরম্মী।

বৃটিস বন্দি অসিগী মচীল অমসুং মনাতোন্দা খুদৈ অমনা কৃপশীল্লগা, সেন্ত্রি অমনা অশাঙবা রববরগী পাইপ মতোন্দা য়াওবা মখুম অদু লৈথোক্লুনা অকনবা ঈশিংগী ঈচেল অমা লোমাক্সকী মচিল ১দি মনাতোন কৃপ্লিবা খুদৈ অদুগী মথক্তা কাপশীনবা হৌরক্লে। থাজীল্লকপা ঈশিংনা মাগী শোর ফুনকৎলক্লবদা, তৌফম খঙদনা ঈশিং চোৎলবা ফি অদু ফাওনা শোর হোন্ননবা

লাক্লরকপদু নাগাসেগী মমিৎনা উখি । লোমাক্সকী মপুক কংখৎলক্লে, মহাক ঈরাক্লদুনা শিগদৌরে । মচীন্দা কুপ্লিবা ফি অদু লৌথোকখ্রে, লোমাক্স জ্ঞান মাঙনা মমঙদা লাওবগুম লাউরকই- "ইমা ! ইমা" ।

অমুক হন্না মহাকপু থেমলম্মই, মহাক য়ারমদে ।

সিফায় অমা চঙশীল্লক্কুনা উশা অমনা হন্না হন্না কনথৎখি । ফুরীবদু লেপ্পা মতমদা, অচোৎপা খুদৈ অদুনা অমুক হন্না মমায়দা খুমজিল্লকপদা লোমাক্স খাঙবা ঙমদ্রদুনা লাউরকই । লোমাক্সনা কপ লাউবা খোঞ্জেল অদু তানা তানা নাগাসেনা মপুক্লিংদা খল্লি- "হৌজিক ঐগী ইমানা ঐবু উরবদি, মহাক ইকায়জগনি ।" লোমাক্স, শোর ফুনকৎতুনা শিরগনি খল্লুবদা কিরক্লবা নাগাসেনা লোমাক্সকী মিহুল য়েংলুবদা সরজেন্ট অদুনা নাগাসেগী মপুক্লিংদু খঙলদুনা লাউরকই- "হেই, পাঙদবা নঙ, জাপানীজ ইম্পেরীয়েল আরমীগী ব্রাহং পাউহং তৌবা মী নৎত্রা ? নঙগী নতীঙ নরীংজেল কদাইদা মাঙখ্রে ?" নাগাসে. সরজেন্ট অদুদা য়েংখৎলকই, মানা খুম্মি" ? হন্দকমুক্তি খরা কন্না হোৎনরগে ।"

ঈশিং হৈজীন্দুনা ওৎপা হৌরকপদা, নাগাসেগী থম্মোয়নুংদদি উনীংদনা তৃকথরকই । মানা খল্লি - "ঐনা ইরৈবাক্কীদমক থবক তৌগনি হায়না সহি তৌবা মতমদদি ঐহাক চাওথোকচখি, অদুবু হৌজিক্তি ঐনা খনগদৌরিবসি করিনো ঐ খঙদ্রে ।"

তমথিবা মীওৎ মীনৈগী দন্দি অদু নোংমা নোংমগী চৎথরকই । মতাঙ অমদা লোমাক্সপু পোলিস বিলদীংগী নাকন্দা লৈবা ইরুজফম কা অমদা পুশিল্লগা মথক মখা ওন্ননা মখোঙ মথক্তা য়ানখৎলগা চাউরবা কেটলি অমদগী ময়াদা ঈশিং হৈজীল্লমই । চয়োল অমা খরা হেল্লকপা মতমদদি মখোয়না তৌরম্বা ওৎ- নৈবগী থবক পূম্নমক থাদোক্লে, লোমাক্সনা ঙম্লে ।

হৌজিক নাগাসেগী ইকোন কোনবা থবক্তি, কেম্প অদুদগী অতোপ্পা মফম অমদা লোমাঙ্কপু থাগদৌরী হায়না পাউ পীবা অসিনি । কদায়দা পুগদৌরিবনো হায়বদুদি মহাক হায়দোকপা ঙম্লমদে । আরমীগী ত্রক গারী লাক্লবদা, লোমাঙ্ক অতোপ্পা বন্দি খরগা ত্রকতা কাখৎনবা হোৎনবদুদা নাগাসেসু লোমাঙ্ককী মনাক্তা চঙশীল্লি ।

জাপানীজগী ব্রাহং পাউহং তৌখিবা নুপা (নাগাসে) অসিনা মাগী নুংঙাইজদবা ব্রাখল পূম্নমক করিনো অমা তৌদুনা লোমাঙ্ককী মফমদা খঙহঞ্জনিংখি, অদুবু ঙমখিদে করম তৌনা পাঙথোক্কদবনো হায়বদু । কোম্থংদা অমুক্তংদি নাগাসেনা তপ্পা হায়জখি "খদাঙ অদু থাঙ্গৎপীয়ু ।"

লোমাঙ্ক হন্না য়েংলকই, মাগী শাংবানবা মমিৎ অনিদুদা পিক থনখি নাগাসেবু নুংশিদবা তুক্কৎচবনা ।

অৱাবা খাঙবগী মতম লোইরে

হৌজিক লোমাক্সপু পুরকপা মফম মফম খুদিংদা, মঙোন্দা পীগদৌরিবা অৱাবা অদু হেন্না হেন্না অমুক্কা শাথিগনি হায়বসি মহাক খন্দ্রে । মিলিটরি

জাপানীজ সিফায়না শেন্নরিবা লানফাশিংগী মওং - WW II

পোলিসকী মখুত্তা তমথিনা ওৎপগী হায়ফম খঙদ্রবা অৱাবা কয়াদুনা মহাক্কী হিংনিংবগী অচেৎপা ৱাখলবুসু লাকশীল্লমগদৌরবনি । অদুবু ঈশ্বরগী মফমদা মহাক্কী থৌনা হাপ্পীয়ু হায়দুনা চেৎনা খুরুমজখিবা অদুনা ঈশ্বরনসু মাগী মতেং পাংবীখি, মহাকপু হিংহনবীখি । অমরোমদা মহাক্না নুংশিজরবা মমা মপাগী অমসুং মহাক্না নুংশিনজবী লৈশাবী, মখোয়গী ৱাখলনসু মহাকপু শৌগৎপিখি,

হিংলকপগী পান্বে ওইখি । মানা খল্লি, “ঐনা মখোয়বু অমুকহন্না উনবগী তাঞ্জা মচেৎ অমত্তংবু ফংলবদি, লান অসিদা য়াওরবসু মতিকচাবা তাঞ্জা অমনি । “খ্বাইদগী হেন্না তমথিবা ফৎতবদি, ঈশিং হৈদুনা ওৎখিবদুনি, “মানা চেল্লিবা গারী মনুংদা ফম্না ফম্না খল্লি । কয়ারক মঙোন্দা ঈশিং, হৈজিনখিবনো মহাক তশেংনা খঙদ্রে কয়াম কুইনা ওৎখিবনো হায়বসু খঙদ্রে । অদুবু মঙোন্দা থোকখ্রবা অৱাবগী মতম পূম্নমক্তুদা, মহাক করিগুম্বা অমত্তা মরু ওইনা মেপ অদুগী মরমদা করিসু তাকথোক্লরোই হায়বদুদি মহাক্কী পুক্লিংদা লেপখ্রবনি । অয়েকপা অদুদা য়াওখিবদি থাই-বর্মিজ রেলৱেগী লম্বী, লোয়ননা লম্বী মশাং অদুদা লৈখিবা বৃতিস লানফাশিংগী (Pow) লৈফম কয়াদুনি । হায়রীবা মচাকশিং অসি মখোয়না খঙখিবা থোক্লবদি, মানা খল্লি, “ঐ শিরবনি ।”

মানা ময়েক শেংনা নিংশিংবদি মাবু ফুবদু নত্তে, লোল হন্দোক্লবগীদমক মতম পূম্বদা য়াওখিবা জাপানীজ নুপা অদুনি । লোমাক্লকী মপুক্লিংদা জাপানীজশিংগী ফত্তবা হায়বদুগী অপূনবা শক্তম অমদি নুপা অদুনা ওইখি । ৱাহং পাউহং তৌনা অমসুং মাবু অৱাবা পীদুনা ওৎখিবগী মতম পূম্নমক্তা মহাক্তি শোয়দনা য়াওরবনি । মতম পূংশিং পূম্নমক্তা লোমাক্লনা তাখিবসু মহাক্কী খোঞ্জেলনি, হৌরকপদগীনা অরোয়বা ফাওবা ।

জাপানীজশিংনা লোমাক্লকী মফমদা য়াম্না তমথিনা নুংশিহৈতনা চৎথখিবা থবকশিং অদুগী অপূনবা শক্তম অমদি ইন্টরপ্রিটর অদুমক্কি মহাক্কী পুক্লিংদা । ইন্টরপ্রিটর অদুনা মরক মরক্তা তুমিন্না “নশাগী নরাল য়াজরো” হায়রকখিবা মতমদা লোমাক্লনা নুপা অদুগী মমায়দা মুন্না য়েংবগী তাঞ্জা অমা হেক হেক ফংখি । মানা নিংশিংবা পাম্মী, কাউদে, নুপা অদুগী শাওং, অমুবা মমিৎ, অপিকপা নাতোন অমসুং অপাকপা লাইবক।” ঐ নঙবু নিংশিংবা পাম্বী ।” মশা মথন্তা হায়জে । মরমদি, নোংমদি শোয়দনা ঐনা নঙবু থেংনবা মতম

লাক্কনি, মতম অদুদা নঙনা ঐঙোন্দা তৌখিবা পূম্নমক অসি করিনো হায়বদু খঙহন্নগনি ।”

পুং কয়া থৌরক্লবা তুংদা আরমী ত্রক অদু মফম অমদা লেপ্লে । Bangkok তা লৈবা জাপানীজ মিলিটরী পোলিস হেদ ক্বার্টর্স অমদা লোমাক্স অমসুং অতৈ বন্দিশিংদু কুমথহল্লম্মী । বিচার তৌদ্রিঙৈগী মমাঙ নুমিৎ মঙানিদি, অচৌবা মীয়াম লৈবা Cell অমদা লোমাক্সপু শো লোনশীন্দুনা থম্লম্মী ।

জাপানীজ আরমীগী বিচার তৌবা নুপা অদুনা লোমাক্সতা শীবা মরালগী শাংলবা চার্জ সিট অদু পাথোক্লমই । মখোয়গী হুকুমগী ৱারোল অদুদা চিংনবা অমত্তা য়াওরমদে । “জাপানীজগী মায়োক্তা তৌরম্বা থবক্কীদমক নঙ নশাগী নরাল লৈরে ।” কোর্ট ওফিসর অদুনা লাউথোরকই । “চহি মঙা অকনবা থবক শুবগী দন্দি নঙোন্দা পীরে ।”

লোমাক্স, অৱাবা কোক্লে খন্না শোর হোন্দোক্লমই, অমবু ওইরে, হৌজিক্তি শিবগী দন্দি নৎত্রেদনা ।”

ইং ১৯৪৩ ওক্তোবর তাং ২৭, নুমিৎ মাপন্নিগী মতুংদা, পোৎচৈ মাল পুবা রেলগারী অমদা লোমাক্সপু সিঙ্গাপুরদা লৈবা Outram road Jail দা থারক্লে । জেল অদুমক্তি অকীবগী লায়না কয়ানা থল্লবা, কা মচা মচা ঙাক্তগী মফমনি । মফম অদুদা লৈরম্বা বন্দি পূম্নমক অপাৎপনা য়োমলম্মী, মেলেরিয়া, পেলাগ্রা অমসুং ইতোন্না নারবা ঙাক্তনি, হিদাক লাংথক্কী লায়েং লৈরমদে ।

মফম অদুদা লোমাক্স, মখা তানা অশুম লৈরকপদা, নিংবা কায়রক্লে, মরমদি মহাক্কা লৈমিন্নবা বন্দি অমসু মানা লৈরিবা কা মনুংদুদা শিখ্রে । মানা থম্মোয় শোক্লা খল্লি - “মখোয়না ঐখোয়বু শা-গুম্না লোয়নৈ ।” মহাক্লা জাপানীজশিংবু নুংশিদবা, তুক্কচবা অশুম হেল্লকপগা লোয়ননা, লোল হন্দোকপা ইন্টরপ্রিটর অদুবু মুন্না মুন্না য়েংই । লোমাক্স ময়াং য়াম্না কংলে,

মখুৎ নাম্মসু মথক য়ৌনা কোনশীনবা ঙল্লমদে । "ঐ 'সিদগী থোকখিবা তাই, মথন্তা খল্লি, নৎত্রবদি ঐসু মখেয়গা লোয়ননা শিরগনি ।" থোকখিগদবা মফমদি হোসপিটালদনি । নারে হায়জীন্নদুনা চরা হেনজিন্নরবদা জাপানীজশিংনা লোমাক্সপু মফম অদুদা থারকখি । থা তরুক্কী মতুংদা Ontram road কী Jail দা অমুক হল্লকখি । মানা অমুকসু খল্লি, "তুশিন্দুনা শোক্লে হায়জীন্নরগা হোসপিটালনা অমুক হন্না ঙাক শেনবীদুনা লৈরুবনা হেন্না ফগনি ।"

অৱাঙবা য়োৎকী সিরি অমদগী, মশানা মখাদা তাশিঞ্জদুনা জ্ঞান মাঙশীন্নরমই । নুমিৎ নিনি লৈরগা মাগী Cell অদুদা দাক্তর লাক্কুনা মহাক তশেংনা জ্ঞান মাঙব্রা হায়বদুগী চাংয়েং ওইনা মশাদা য়েত্তুম্না থিনবদা, মশাগী ওইনা থাজদ্রবা মরিংজেল অমনা তুমিন্না খাঙদুনা, খঙহন্দনা লৈবা ঙমখি ।

মাগী থৌরাঙ অদু পাঙথোক্লে । মহাক অমুক হোসপিটালদা লৈরে । মাগী শোল্লবা হকচাঙদা ঙাথরগা মমান্নবা অমনা হায়রকই" এহ: সিদি অমুকহন্না লোমাক্সনিনা ।" লোমাক্স মিৎ পাঙথোরকই, মমান্নবা অদুদা য়েংদুনা নোকই ।

হন্দকমুক্তি, তান চানরুবদগী ইং ১৯৪৫ গী আগাষ্ট থাদা হিরোসিমা অমসুং নাগাসাকিদা এতোম বোম থাদদুনা লান লোইখিবগী মতম অদুফাওবা লোমাক্স, হোসপিটাল অদুদা লৈননবা হোৎনখি । মহাক্না ঈশ্বরবু থাগচৈ মরমদি অৱাবগী মতম কয়াদা মহাকপু শিহন্দনা থম্বীরকখিবগীদমক্তা ।

মশা কনখৎহনবগী ওইনা, থাইলেন্দদগী মহাক India ফাওবা লাকখি । অসিগী মতুং, ওক্তোবর ১৯৪৫ দা পোক্লফম Britain য়ৌনবা জাহাজ তোংদুনা ময়ুম য়ৌবগী নুংঙাইবা ৱাখলগা লোয়ননা লাক্লে । চহি অহুমমখায় চুপ্পা অৱা অনা খাঙলুরবগী তুংদা হৌজিক্তি অৱাবা পূম্নমক লোইখ্রবগুম মপূক্লিংদা ফাওরমই ।

পাউখুম থিরকপা

ঔত্রম রোদ জেলদগী লোমাক্সনা চৎখ্রবা তুংদা নাগাসেদি কঞ্চনাবরীদা থাশীং কয়ারোম মখা তানা লৈরকখিরম্মী। হৌজিক্তি অমুক হন্না মাগী ৱাহং পাউহং তৌবগী থবক অদু লোইখ্রে। মহাক্কী থবক ওইনা লৈহৌরিবদি অইবা চে-চাং কয়া হন্দোকপা, লানফা থম্ফম কয়াদা য়েংশিনবা চৎপা, অমসুং নুংদাংদা নোংমৈ পায়রগা, জাপানীজ লান্মীনা বৃটিশকী পেরাক্রুপর থিবদা মতেং পাংবা অসিনি। মহাক্না তৌরিবা থবক কয়া অসি ওইদুনসু, বৃটিশ লানফা অদুনা কপ লাউখিবগী খোঞ্জেল অদুদি মতম অদু ফাওবদা মাগী পূক্নিংদগী মুখৎপা ঙমদ্রি। নুপা অদুগী মমিং, মহাক নিংশিংবা ঙমদে অদুবু মহাক্কী য়ানিংদবা মিৎয়েং অদুমদি ময়েক শেংনা লৈহৌরী।

"মহাকপু হৌজিক হিংলিব্রা ? নাগাসে ঙক্লা খল্লি। হিংলিবা ওইরবদি, করী করী মঙোন্দা থোকখ্রবা ?"

লোমাক্সপু ওৎ-নৈবিখিবা অদু নিংশিংলকপদা, নাগাসেগী মফমদা লৈতাফম খঙদবা অৱাবনা নল্লকই। মহাক্নদি মতম পুম্নমক্তা মরৈবাক্কীদমক মথৌ পাঙথোকপদা মশাগী ওইনা লেমজবা থবক ওইনা থাজবা লৈখি, অদুবু অদুগুম্বা অমম্বদা থাজরুবা অদুনা মরম ওইদুনা, ঙাকপী হৈতনা ওৎ-নৈবগী থবক্তা মহাক্না য়াওশীল্লুবা অদুগী মরমদা করম্না অমুক লাল্লবনি হায়জগদৌরিবা - - ? নিংথৌবু লুনা খঞ্জবা জাপানগী মীওই অমা হায়বসিগী অশেঙবা ৱাহন্থোক্লা করি ওইরিবা ? ৱাহং কয়া অসিনা, নুংদা লৈবা মহাক্কী থৱায়দা মৈ হৌনা চাক্লম্মী।

লান লোইখ্রবা মতমদা নাগাসে অসি অমুক হন্না বেঙ্কোক্তা লাকই, অমসুং চয়োল খরগী মনুংদা, মফম অদুদা লৈরম্লবা, লান ঙম্লবা বৃটিশকী

মীওইশিংনা মহাকপু মখোয়গী কান্নগদবা থবক্তা শীজীন্নরমই । জাপান সিফায়শিংনা লানগী বন্দিশিংবু নুংশিহৈতনা ওৎপীখিবগী মরম হংবগী থবক্তা মহাকসু বৃটিশকী য়াথং অমগী মখাদা মশাগী তেংবাঙ পীবা ওইনা য়াওখী ।

মথঙদা, বৃটিশ, অস্ট্রেলিয়ান অমসুং দচ্চনচিংবগী ওফিসর কাংবু অমবু থাই-বর্মিজ রেলৱে মশাঙদা শিথ্রবা (লানগী বন্দি) লানফাশিংগী মোংফম থিবদা নাগাসেবু লমজীংহল্লমই । করি করিগুম্বদা থেংনরুবা মফম কয়াদি তমথিনা ফৎতবা অকীবগী শক্তমনি । হকচাঙ কয়াদি তংখায়তমক ফূল্লম্বসু য়াওই, নৎত্রগা শোঙলবা জঙ্গল মনুংদা হুন্দোকপিবদগী লৈপাকমথক্তা পুমদুনা লৈরম্বসু য়াওই, অতৈ কয়ানা, খুদম লৈত্রবা মফম কয়াদা মোংফম ওইরম্বসু কয়া অমনি ।

বর্মা মনুংগী মফম অমদা সিফায়শিংবু লৈপাক তৌথোকহনবদা, বৃটিশ সিফায় অমগী লেমহৌরীবা হকচাঙগী শরুক অমা থেংনরুই । মখুৎ অদুনা থাও লিটর কুন চনবা পাত্র অমা পায়দুনা লৈরল্লি অমসুং মদুগী মনুংদা য়াওরল্লিবনা, অমুবা কয়লাস তৈশীল্লবা চুরুট হাপফম (সিগরেট কেস) অমনি । হায়রীবা চুরুট হাপফম অদুগী মনুংদা খুৎনা ইরম্বা চেজেৎ অমা চহি অনি হেল্লক্লবা মতমফাওবদা য়াওরম্বা থেংনখি । সিফায় অদুনা খাঙখিবা অকোনবা মীওৎ মীনৈ অদুবু পাঙথোকখিবা জাপানীজ ওফিসার খরগী মমিং ইদুনা লৈরল্লি ।

তৌরল্লিবা অকীবা মওংগী পংখৈ অদু থেংনরুবদা নাগাসেগী পুক্লিং ৱাখল শোক্লা নুংঙাইখিদে, ৱাখল মাঙলকই, মানা খল্লি, "ঐখোয়গী লান্মীনা অসিগুম্বা হায়ফম খঙদনা তমথিবগী থবক অসি তৌখ্রবনিকো ।"

ইং ১৯৪৬ কী জুন থাদ, মহাক্লা বটিশ কাংবুদা তেংবাঙ পীবগী থবক অদু লোইরে অমসুং মতম অদুদা চহি কুন্নিপাল শুরবা মহাক্লা ময়ুমদা অমুক হনখিবগী অয়াবা বৃটিশনসু পীরে । ময়ুমদা, মমা মপানা মাবু অমুক হন্না

উজবা ফংবদা কয়াম হরাওজখিবা । অদুম ওইনমক, মখোয়গী ইমুঙ অদুসু জাপান লৈবাক্কুম্না য়াম্না নিংবা কায়না অৱাবা ফীভম অমদা লৈরম্লে । মফম অদুদা, চাননবা চিঞ্জাক লৈরমদে, থবক শুফম লৈরমদে । মথঙগী চহি অনি অদুমদি, নাগাসেনা থোকলু থোক্লুবা থবক খরা শুরমই, অমরোমদা মখোয়না চাবা য়াবা মনা-মশিং খরা থাজবা অদুনদি মখেয়গী কোন্নবা হায়বদুসু ওইরমদে ।

হৌজিক নাগাসেগী মফমদা অরাম খৌরাংবা কোকপা ঙমদবগী অৱাবা অদুদগী অমুক হেন্না অৱাবা অমা লৈরী । মহাক মশা মথন্তদা য়াম্না তোয়না তোয়না হংদুনা লাক্লি "ঐখোয়না লান অদু করীগী য়াওরুরিবা ? অদুক ফৎত্রবা থবক অদু ঐখোয়না করিগী পাঙথোকখিবা - - ?"

পাউখুম অসি ফংননবা হোৎনবদা, নাগাসেনা ফিলোসোফি, হিস্ত্রি অমসুং ধর্ম্মগী লাইরিক কয়া পুক্লিং চঙনা পাখি, অমসুং লাইরিকশিং অদুদা তাক্লিবা মতুং ইন্না মশাগী ৱাখল অমসুং লমচৎকী নুংদা লৈরিবা অদুগী মঙাল অমা ফংজবা ঙম্বগী আশাদা পুক্লিং লূপ্না ঈশ্বরগী মফমদা চঙজদুনা মতম লেপ্লি । অসিগুম্বা পুন্সীগী মওং অমদা লৈরকপদগী মহাক অসি ৱা ইঙাঙ ঙাঙদবা, শাউরং পেরংনবা মীওই অমা ওইরক্লমই । নুমিৎ কয়ানি চুপ্না, কদায়দা চৎলিবনো খঙদনা মফম কয়াদা কোয়চৎ চৎলমই অমসুং লানগী মতমদা ওইখিবা মশাগী লমচৎ অদুগা মাগী পুক্লিংগা য়ানবা অমা পুরক্লবা হোৎনরম্মী । মশাগী থওই ৱাওইদবা মানবা লমচৎ অদুদা মহাক্কী মমা মপা অনিদি য়াম্না শাওখি । মহাক্কা মাইওনশীন্ননা ৱাঙাঙনবা মতম খুদিংদা, নাগাসে, য়েংবতমক য়েংলকই করিগুম্বা ৱাহৈ অমত্তা ঙাঙথোক্তে ।

লান মতমগী, নুংশি হৈতনা ফৎত্রবা থবকশিং অদু খল্লুরিবমখৈ, মহাক্কী ৱা ঙাঙদবা ফুম্বঙনবদু হেনজিল্লকখি । নোংমা নুংথিল অমা মহাক, সমুদ্র মপালদা লৈবা অচীকপা মফম অমদা চৎলগা, সমুদ্রদা মখোঙনা অদুম

কূমথরগা ইরাক্লদুনা শিজনবগী থৌরাঙ তৌই । সমুদ্র খোংবালদা মতম কুইনা লেপখি, চাওরবা ঈথক্লা চোং ফন্দুনা চেনশীল্লক্লিবা অদু য়েংনা য়েংনা মশাগী অরোয়বা খোঙথাঙ অদু লৌবদি ঙমখিদে । চয়োল খরগী মতুংদসু সমুদ্রদা অমুকহন্না হি অমদা চৎলি । হি অদুগী নাকন্দা মখোঙ নাম্ম থাদরগা চোংথখিনবা থৌরাঙ তৌই, হন্দকমুকসু মশাগী অনীংবা অদুনা মহাকপু সমুদ্রদা চিংথবা ঙমখিদ্রে ।

ইং ১৯৪৯ গী সেপ্তেম্বর থাদ নাগাসে টোকিওগী মতাইদা লৈবা হায়স্কুল অমদা ওঝা অমা ওইনা থবক ফংলে । মথঙগী চহি অদুদি হীরম অয়াম্বগী লম্বীদা শীন্দোক শীঞ্জীন য়াবগী মতাঙ অমসু লাক্লে, অদুবু মহাক্কী মশাদা য়াম্না তোয়না থোকপা শোর হোনবগী অৱাবা অমসুং লোক খুবগী লাইওং অমা খাঙবা তারকখি । দাক্তরদা য়েংহল্লুবদা মহাক ত্যুবরকুলোসিসনা নাবদগী য়েৎথংবা থম্বোম্বীগী শরুক্তা অতৎপা মখুল অমা লৈরে হায়বা খঙলকখি । চহি কয়া মহাক্লা হঙ্গৎ হন্দা হোসপিটালদা চৎপগী থবক মতম অদুদগী হৌরক্লে । নোংমদি মাগী মরুপ অমগা চাক চাম্মীন্নরুরগা হল্লকপদা মহাক্কী থবাক মনুংদা শেগাক কায়না নাবা অমা খঙহৌদনা লাকপদা, শোর-হেনবা ঙমদনা ৱান্থদুনা তাখি ।

মহাক্লা লম্বীদা তাশিন্দুনা লৈবা মতম অদুদা, মাগী ৱাখলদা উরকই, বৃতিশ সিফায় অদুবু মচীন্দা ঈশিং হৈজীল্লগা অৱাবা খাঙহন্না ওৎপীখিবগী মতম অদু । "নুপা অদুসু অশুম্না খাঙলমগনিকো" মানা খল্লি । মঙোন্দা তৌবীখিবা অদুগীদমক, ঐসু অৱাবসি খাঙবা তাবনি । মহাক্তি ঐনা খাঙলিবা অৱাবা অনাবা অসিদগী শরুক কয়া হেল্লবা অৱা-অনা খাঙখ্রবনি, ঐ করিগুম্বা অমত্তসু ঐগী অনাবা অসিগী মরমদা হায়খ্ররোই ।" হোসপিটালদা য়েংলুবা এক্সরেদগী মঙোন্দা হাইরপ কনবা হার্ট এতেক অমা থোকখ্রে হায়বা খঙলক্লমই । মহাক পন্থদনা ময়ুমদা লাক্তুনা লৈরে অদুবু মতুং তারকপা চহি

কয়া অমদি মহাক্কী মশাদা থবাক্কী অনাবা অমা খাঙদুনা লাক্লি, অমসুং মহাক্কী অনাবা অদু মহাক্না তৌখিবা অরানবা থবক্কী মহৈনি হায়না খন্দোকচরম্মী। অনাবা অদুনা মঙোন্দা লাকশীল্লকপা মতম খুদিংমক্তা মহাক্না বৃটিশ সিফায় অদুগী মফমদা তৃমীন্না মশাগী মরাল য়াজৈ। "ঐ খঙদ্রে, মহাক লান অদুদগী শিহৌদনা হনখিবরা ?" নাগাসেনা খল্লি। ঐনা অমুক্তং মহাকপু উনজবা ফংলবদি ঐবু ঙাকপিয়ু হায়জগদবনি।

হৌজিকফাওবদা ৱাখলনা লাঙ্গোয় চল্লিবা

লোমাক্স সু পুক্লিং ৱাখল শোক্লা, নিংবা কায়না ময়ুমদা হল্লকখিরমই । সৌথাম্পটন হিথাঙফমদা, জাহাজ অদুদগী মহাক্লা কংফালদা কারকপা মতম অদুদসু মহাক্কী অশোকপা মপাম্বোম অনি অমসুং খুদাঙ অনিমক্তা অনাবা ফাওরী । মহাকপু ওকপীনবা, হিথাঙফম অদুদা কনা অমত্তা লৈরমদে, অমসুং মীওই অমনা মাবু ওকপীবগী মহুত্তা, মাগী মপানা থারকপা চিথি অমনা মহাকপু ওক্লমই । চিথি অদুদা ইরিবনা, মহাকপু পোকপী মমা অদু চহি অহুমগী মমাঙদা শিখ্রে অমসুং মাগী মপানা মতম অদুদগী হৌনা অতোপ্পা নুপী অমা লুহোংদুনা লৈখ্রে অসিনি ।

পাউ অদুনা, নহা ওইরিবা মঙোন্দদি থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইহনখিদে । "চহি কয়া চূপ্পসিগী মতমদা ঐনা নিংশিংদুনতা লাকপা য়ুম অদু লৈত্রবা - - " মথ্বায় নুংঙাইতনা মহাক্লা খল্লি । ইদিনবর্গ য়ৌরকপদা, মহাক্কী পুক্লিংনা কোমথোকচনা নুংঙাইবা অমত্তং ফংজবা হায়বা তারবদি মহাক্লা লান চৎত্রিঙৈ, নুংশিননা শকখঙনখিবী মহাক্কী লৈশাবী মরুপ অদুনা মতম অদুফাওবা মশাগী ৱাশক ঙাক্কুনা লোমাক্সপু ঙাইদুনা লৈরম্লি । অনৌবা পুন্সী অমদা নৌনা খোঙদাবা পাম্বদগী মহাক্লা থুংলবা চয়োল অহুমগী মতুংদা লোমাক্স মহাক্কী লৈশাবী মরুপ অদুবু লুহোংদুনা য়ুন্থানবগী পুন্সীদা খোঙদামিন্নবা হৌরক্লে । মপালথোংগী মওংদদি মহাক্কী পুন্সী অদু নুংঙাইনা লৈতারবা মান্না পুন্সীগী থৌদাং য়ানা লৈরবগুম খন্নে । ইং ১৯৪৮ দা সিফায় ওইবগী থবক অদু তোক্লগা চহি খরা সমুদ্রৱাংমদা চত্তুনা গ্লাসগোদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি অমদা পার্সোনল মেনেজমেন্টকী ওইনা লৈরুই । মতম অদুদা মহাক, মশক মতৌ ফজরবী অঙাং নুপীমচা অনিগী মপা অমা ওইরক্লে ।

অদুম ওইনমক, লান মতমদা ওইখিবা মশাগী অকীবা অদুমদি মতম অদুফাওবদা মাগী পুক্লিংবু থাদোক্তুনা চৎখিদ্রি। ঈশিং হৈজীন্দুনা মহাকপু ওৎখিবা, মহাকপু ফৃখীবনচিংবগী অকীবা মমি কয়া, তূন্নীঙৈদা উরকপদগী লাউ-খোংদুনা অহিংদা য়াম্না তোয়না মঙলাক্লে । মরক মরক্তসু মহাক্কী পূক্লিংনা, নাগাসেগী মশক উরকই, মাগী খোঞ্জেল তারকই । অশুম্না মঙলাক্লবা অহিং খুদিংগী নোংঙাল্লকপা নুমিৎ অদুমদি ব্রা লাং অমত্তা ঙাঙদনা নুমিৎচূপ্পা লেল্লি । করি করিগুম্বদা মহাক্লা ফোর্ম অমা মেনশিন্নবা হোৎনবা, চিথি অমা ইননবা তৌরুবদা, মাগী পূক্লিংনা মখাতানা হেক্তা নিংশিংলকই কঞ্চনাবরিদা মহাক্লা লেনখীবা মতম কয়া অদু । মহাক্কী য়েৎথংবা পাম্বোল অমদি খূজেংদা তেকখ্রবা শরুশিং অদু কৈদৌঙৈদসু মফমচানা লৈরবা হায়বদু ওইদবনা মশাগী মমিং সাইন তৌবা ফাওবদা য়াম্না অনাবা ফাওরী । অশুম কুইশিল্লকপগা লোয়ন লোয়ননা মহাক্কী পুক্লিং ব্রাখল হেন্না হেন্না শোক্লকই । মতম অদুদা লোন হন্দোক্লুবা ওইনা লৈখিবা ইন্টরপ্রিটর অদুগী মশক অদু মহাক্কী পূক্লিংদা মতমচুপ্পা লাকশীন্দুনা লৈরকখিবগী মরমনা, জাপানগী মীওই অতৈবুসু হেন্না তুক্কচবা নুংশিদবা পোক্লকই । অসিগুম্বা ব্রাখল অসিনা মরম ওইদুনা, কনাগুম্বা এশিয়াগী ওইবা মী অমগী মশক হেক উবগা মাগী পুক্লিংদা হেক্তা উরকই, হৌখ্রবা মতমগী অকীবা কয়া অদু ।

মহাক্লা তৌরিবা ওঝা ওইবগী থবক অদু নিংথিজনা চথরবসু, মমান্নবশিংদগী মহাক অশুম অশুম লাপথোক্লা মথন্তা লৈবা হৌরকই । ময়ুমদসু, করিসুনত্তবা হীরম, মহাক্কী থক্লনবা চা পীরকপদা ঈংনা পীরকই হায়না শাওরকপদা নত্তনা চিথিপুবা পোস্টমেন লাকপদসু থেঙনা লাকই হায়দুনা মশাগী অশাওবা অদু খম-থেংনা ফূদোক্তুনা ঙাঙ্ই। অসিগুম্বা মতমদা মাগী নুপীনা হংজৈ -

"করি তৌরবগে ? নঙ হান্নগা শুকমান মান্নদ্রে ।"

"কৈসু তৌদেদা ।" লোমাক্সনা হেক্ত খুমই । য়ারবদি ঐ ইথন্তা থাদোকপিয়ু ।"

লোমাক্স ৱা-লাং অমত্তা ঙাঙদনা, শাউরং পেরংননা মতম অয়াম্বা লেল্লি । মঙোন্দা লানগী ৱারী শারুবা য়াদে, মদুনা, মশাগী নিংবা কায়বদা মথ্বায় নুংঙাইতবদা মৈ চূবা হেল্লি । অশুন্না তৌরকপদগীদি কোন্না মখোয় অনিগী য়ুম্বানবগী পুন্সী অদু কায়খী ।

চহি অনিগী মতম হৌখ্রে । লোমাক্স মশাগী চহি হুস্ফুমাথোই শুরক্লে । পেত্রিসিয়া ৱেল্লস কৌবী চহি নিফুহুমদোই শুরবী নর্স অমগা খঙনদুনা মখোয় অনি অনৌবা মরুপ অমুক ওইরকখি । মখোয় অনি তিন্নবা নুংঙাইবা, ৱারী ৱাতাই কোম্না শামিন্নবা মরুপ মপাঙ ওইরুবনা লোমাক্সকী পুন্সীদা পেট্রিবু খঙনরুবদু মশাগী অৱাবা পুরীবা আত্মাগী মফমদা থোইদোক্লা কান্নরবা হিদাক মখল অমগুম থোকখি । মখোয় অনি মতম কয়া অশুম লোয়নরকপদগী, পেট্রিনস খঙলক্লে লোমাক্সনা খংশাউ শাউগনবা অমসুং তূমিন্না লৈরবসু নূঙ্গুম্না লৈখিবগী মরম । পূম্নমক অদু মহাক্লা লান্দা থেঙনখিবা, মশাদা থোকখিবা থৌদোক কয়া অদুননি হায়বা পেট্রিনা জ্ঞান তারম্মী, অমসুং মতমগী মতুং ইন্না ফরকখিনি হায়বদু মপুক্লিংদা থমখি । মখোয় অনি ইং ১৯৮৩ দা লুহোংদুনা লৈমিন্নরমই ।

অদুবু লোমাক্সকী পুক্লিংদা লৈখ্রবা অকি তুজুংগী নিংশিং ৱাখল অদুমদি অদুম মখা তানা নিংশিংদুনা লৈরী । করী অমুক হায়গনি Car অমগী সাইলেন্সর পাইপ তা মখোল হৌনা কামথোরকপদা নোংমৈ কাপ্লকপগী মখোল ওইনা খল্লি অমসুং য়ুনিফোর্ম শেৎপা মীশক অমা হেক উরুবদা য়েক্লবা জাপানীজ সিফায় ওইনা উই ।

নোংমদি মহাক্কী Bank account কী মরমদা করিগুম্বা খরা খন্নরুগে হায়দুনা ইদিনবর্গ Bank তা চৎলুই। বেঙ্ককী এসিস্তেন্ট কেরানি অদুনা হংফম থোকপা মহাক্কী মমিংমথা, লৈফম অমসুং পোকপগী তারিখ হংলকপদা ইখঙ খঙহৌদনা লোমাক্সকী পুক্লিংদা বেঙ্ক ক্লার্ক অদুবু জাপানীজগী ইন্টরোগেটর অদু ওইনা খল্লকপদগী য়াম্না পাখৎনা মফম অদু থাদোক্কুনা হল্লক্লমই। মহাক্না জাপানীজশিংবু হৈনদবা তুক্কচবা অসিদি খমথেংখ্রবা হায়বদুনি। নোংমসু অমুক, ময়াম চাফম থকফম রেস্তোরেন্ট অমদা জাপানীজ মতৈ-মনাও চাদুনা লৈরম্বা উবদা মহাক ফম্মু হায়বা য়াখিদে।

শোক ১৯৮৪ দা লোমাক্স থবক্তগী পোত্থাদুনা মাগী নুপীগা মখোয় অনি ইংলেন্দগী অৱাংথংবা সমুদ্রখোংবালদা লৈবা সহরমচা অমদা লাক্লমই। মতম অদুদসু মশাগী ওইবা পাখৎপা, অকীবা অদুনা মাবু খক থাদোক্কুনা চৎখিদ্রি। মমঙদা মহাকপু ফূরন্দগী মঙলান্নদুনা মহাক লাউখোংনা হৌগৎলি। মাগী পুক্লিংদা, মমাংঙৈ লান মতমদা মায়য়োক্লখিবা জাপানীজ ইন্টরোগেটর, ৱাহং-পাউহং তৌখিবা নুপা অদুনা লান হায়বা অদুগী ফৎত্রবা খঙন, খুদম অমা ওইনা মতম অদু ফাওবা লৈহৌরি, মাগী মশক অদুনা মানা তুন্নিঙৈগী মতমদসু মাবু কোইতান তান্নরী।

লোমাক্স য়াম্না চিংনগনবা, থাজগনদবা মীশক্লি, মথন্তা নাইতোম চিক্ল লৈবা পাম্মী। অচম্বা ৱারেপ অমা মপুক্লিংদা থম্লবা হোৎনবদা মঙোন্দদি অচৌবা অরুবা হীরম অমা ওই। অসিগুম্বা, অরুবা, অৱাবা কয়াসি হেঞ্জিল্লকপগা লোয়ননা, মহাক্কী নুপীনা মপুরোইবগী ওইরক্লিবা ফিভম অদু খঙদোক্লবা হোৎনবদা হেন্না অৱাবগী মশক ওইরক্লমই। মাগী মওং মতৌ লমচৎ অসিমক্না মখোয় অনিগী লৈনরিবা মরীদসু অকায়বগী মচাক ওইবা হৌরক্লে।

শোক ১৯৮৬ লোইরমদাইগী মতমদদি পেট্রিসু অমুক শাংথনা খাঙবা ঙম্লক্তে । “কনাগুম্বা অখঙ-অহৈশিংগী মতেঙ লৌগে হায়রগা লৌরো, মানা লোমাক্সতা হায়রম্মী । অদু নৎত্রগদি ঐখোয় অনিনা য়ুম পাল্লুরিবসি কায়রগনি ।” মতম অসিদগী ইকুই কুইদনা, নোংমা লোমাক্সনা, লন্দনদা লৈবা ওর্গেনাইজেসন অমনা ফোঙলকপা পাউ অমা থেংনখি । পাউ অদুমক্তি, লান্দা ওৎ-নৈবীখিবগী অৱাবা খাঙলক্লবা মীওইশিংবু Medical Foundation অমনা হিদাক লাংথক তৌদুনা চেকশীন থৌরাঙ তৌবীবগী মরমদনি । লোমাক্স মশামক হায়রীবা মফম অদুদা য়াওশীল্লে, Patient অমা ওইরে । থা-থাগী লায়েং চৎথরকপা মতম অদুদা মহাক্লা লানগী বন্দি (POW) অমা ওইনা থেঙনরকখিবা মশাগী থৌদোক পূম্নমক, লান লোইখ্রবা মতুংদগী ইহান হানবা ওইনা পাউদমখি । লায়েংবগী মতম পূম্নমক্তা লোমাক্সকী মনাক্তা লেপখীবা মাগী নুপী পেট্রিদি, মপুরোইবনা মচা খায়না লীরকপা অকীবা-অৱাবগী ৱারী কয়া অদু তাবদা ৱান্থখি । মিকুপ অদুদগী মহাক্লা লোমাক্সপু অমুক্কা হেন্না ইকায় খুম্নজবা হেনখি অমসুং মথন্তা মপুক্লিংদা খল্লি- “মীশক অমদি লৈরেদনা চপচানা মায়য়োক্লবা য়াবা ।”

মশাগী প্রায়শ্চিত
(তৌখিবা মপাপ কোক্লবা হোৎনজবা)

অমরোমদা লান লোইখ্রবা মতুংদগী নাগাসে চহি কয়াচুপ্না, মশানা তৌখিবা, মশাদা য়াওখীবা হিংচা য়াইতম্বগী শাজৎ অদুগা মহাক্কী ৱাখলগা মতম পূম্নমক্তা লেপ্তনা মুক্লরকখি। মশাদা ওইরিবা ৱাখলগী লায়না অদুগী মরমদা মহাক্না ৱা-তান্নরুবা সাইকিয়াত্রিস্ট অমনা মঙোন্দা পীরকপা Relaxant (ৱাখল ঈঙথহনবা) হিদাক অদু চাবদগী মাগী পুক্ষীদা অহানবা ওইনা মীয়াম মমাঙদা, লানগী বন্দিশিংবু মখোয়না ওৎ-নৈখিবা কয়াগী মরমদা ফোংনা ঙাঙথোকপা ঙমহনখি। অশুম্না মীয়াম মাঙদা মানা ফোংনা ঙাঙথোকপা ঙমখ্রিবসি দাক্তর অদুনা হায়বা পাউতাক্কী মতুংইন্ননি হায়বসু মহাক খঙলম্মী। মাগী থম্মোয়নুংদা লৈখিবা পামজবা ৱাখলদি, বর্মা য়ৌনবা রেল লম্বী শেম্বদা শিখিবা বৃটিশ বন্দি কয়াদুগী থৱায়দা মানা ঙমজবা করিগুম্বা খরা তৌদুনা মহাক মশাবু কৎথোকচবা অদুনি। অদুবু, মহাক করী তৌবা ঙমগদৌরিবনো ?

ইং ১৯৫৫ দা নাগাসেনা অপীকপা ইংলিস স্কুল অমা লিংখৎলবা মতুং চহি খরা লৈরগা য়োসিকো ফুজিৱারা কৌবা চহি কুন্থ্রাহুমদোই শুরবী নুপী অমগা মরুপ ওইরম্মী। নুপী অদু (তাতামি, হোলসেল) পূন্না থাবা দুকান অমগী মপুনি। নাগাসেনা নুপী অসিগী মফমদা লান মনুংগী ৱারী পূম্নমক তমজবা ঙম্লমই অমসুং মতম অদুদা মহাক্না খঙখি উখিবা, থেংনখ্রবা অৱাবা কয়াগী ৱারী লীথোকচরমই।

"অকীবা ফংনা পাঙথোকখ্রবা নুংশি হৈতবগী থবক কয়া অদুগীদমক্তা, ঐ প্রায়শ্চিত (লঙজখিবা ইরাল) কোক্লবা করীগুম্বা অমা তৌগে হায়না ৱাশকখ্রবনি।" নাগাসেনা মঙোন্দা শন্দোক্লা হায়রম্মী। "ইশা ইথন্তগীত

নত্তে, অতৈ জাপানীজ ইম্পেরিয়েল আরমীদা য়াওবা, তূমীন্না লৈশিনখ্রবা মখোয় কয়া অদুগীসুনি ।”

বৌধ ধর্ম্মদা চেৎনা থাজরবী য়োসিকো, নাগাসেগী মফমদা মিনুংশি পোকপগা লোয়ননা মহাকপু মশাগী ৱাখল অদুদা চঙশীন্নবা থৌনা হাপলম্মী ।

“মসি অরায়বদি ওইরোই ।” নাগাসেনা মখা তাই । অসিগুম্বা ৱারী অসি তানিংদবা মীওই কয়াসু লৈরী, অদুগা হৌজিক হিংলিবা হান্নগী (POW) বন্দিশিংনসু মখোয়গী থম্মোয়দা য়াম্না তুক্কচ্চরমগনি --- ।”

থৌনা লৈবা ৱাঙাং অদু য়োসিকোগী থম্মোয়দসু ফাওরদুনা, মহাকসু মতম পূন্নমক্তা নাগাসেগীদমক্তা লেপকনি হায়না ফোঙদোকচরম্মী, ইকুই কুইদনা মখোয় অনিসু লুহোংদুনা লৈমিন্নরে ।

নাগাসেনা পাঙথোকচনিংবা থবক অদুগী অহানবা তাঞ্জা অদু লাক্লে । জাপান লৈবাক্কি অচম্বা সিতিজেনশিংবু সমুদ্র ৱাংমদা চৎহন্দুনা, লান মতুংদা লৈনরম্বা অপনবা নিয়ম কয়া কোমথোকপগী অয়াবা অমা জাপান সরকারনা লাউথোরকখি । মতাঙ অদুদা নাগাসেনা খল্লম্মী “ঐ কঞ্চনাবরীদা অমুক হন্না চৎপা ফংলগনি, মফম অদুদা ঐগী ইপাপ কোকপগী থবকসু হৌবা য়ারগনি ।” নাগাসে অমসুং মাগী নুপী, মখোয় অনিগী ভিজাগী দরখাস্ত থাখ্রে, অমসুং ভিজা ঙাইনরিঙৈ মতম অদুদা, খোঙচৎ অদুগীদমক্তসু মখোয়গী শেল তুংশিলহৌরে।

ইং ১৯৬৩ গী আগষ্ট তারিখ ২০ দা নাগাসে মাগী নুপীগা লোয়ননা থাইলেন্দ য়ৌগদবা প্লেন অদু তোংদুনা লাকখি । পুং মরী পাইরবা তুংদা ঙাইহাক পনবগী ওইনা হোং-কোংদা হেক কুমথবমক্তা নাগাসেগী থবাক মনুংদা শেগায়রবগুম য়াম্না নাবা ফাওরকখি অমসুং শোর হোনবদা ৱারম্মী । মহাক্কী নুপীদদি মঙোন্দা ফাওরক্লিবা অনাবা অদুগী মরমদা করিসু হায়রমদে, অদুবু নুপী অদুনদি ঙাইহাক ময়াম পনফম Terminal মনুংদুদা ওইরকপা

মাগী নুপাগী অৱাবগী মায়থোঙ অদু উবদা অদুম খঙলে মহাক মশাদা অনাবা অমনা attack তৌরে লাকশীল্লে হায়বদু ।

"ঐ করিসু তৌররোই ।" নাগাসেনা য়োসিকোগী মপুক্লিং নুংঙাইহন্না হায়রম্মী । "শুপ্নগী মিনিট অমরোমদি পোথাগে ।"

মথঙ, এরোপ্লেন্দা অমুক কৌশিন্দ্রিবফাওবা মাগী নুপীগী তম্পাক্তা মকোক মোনখাঙদুনা পোথাদুনা লৈ অমসুং লাঙতক্লরবা য়োসিকোনা মখোয়না লাক্লিবা খোঙচৎ অদু মখা তাখিসিরা, তাবা য়াখিগদ্রা হায়দুনা হংজবদা নাগাসেনা খুন্নকই- "ঐদি মসি তৌদবা য়াদ্রবনি ।"

অকোনবদা, মখোয় অনি কঞ্চনাবরীদা লৈবা রেলৱেগী মফম অদু য়ৌরক্লে, অমসুং মখোঙনা কঞ্চনাবরীগী অশঙবা লম্পাক্তা থল্লিবা ৱার সিমেটরী অদু ফাওবা লম্পাক অদু শমদুনা লাক্লমই । লম্পাক অদুগী ময়াইমক্তদা অঙৌবা মচুগী অচৌবা ক্রোস (cross) অমা লৈচিল থাংদ্রবা অতিয়াগী মচুগা শীংনবগুম লেপ্লি । চহি তরানিপানগী মমাঙদা নাগাসেনা মওং তাদনা লোইশিন্দুনা থল্লম্বা মোঙফম কয়াদুগী মহুত্তা হৌজিক্তি, পিথ্রাইগী প্লেক (7000) লিশিং তরেৎতা নুংশিবা ৱাহৈনা হক্লবা সিফায় লিশিং তরেৎকী মতম কুইনগী পোথাফম (মোঙফম) লৈরম্লে । ইরিবশিং অদু য়েংদুনা মাগী ৱাখলনা শাগৎলি অমসুং খল্লি, ওৎ- নৈবীখ্রবা ব্রটিশ নুপা অদুসু ময়াম অসিগী মরক্তা ঈংনা চিক্লা পোথাদুনা হিপ্লমগদ্রা হায়দুনা ।

মনাক্তা লেপ্লিবা মাগী নুপীগা লোয়ননা, নাগাসেনা লৈপরেং অমা Cross অদুগী মখোঙদা কৎলম্মী । মখুৎ অনি লোন্ননা ঈশ্বরগী মফমদা মহাক্কী হায়জবা (প্রার্থনা) তৌবা মিকুপ অদুমক্তদা, ইখঙ খঙহৌদনা পুক্লিংগী অঙৈংবা শান্তিগী মওং অমা মঙোন্দা ফাওরকপগুম খঞ্জখি । "তৌরিবা অসিনা ঐবু ঙাকপিরে হায়না লৌগদ্রা ?" মানা খল্লি ।

চহি অনি লৈরগা মহাক মফম অদুদা অমকুসু লাকখি, অদুগী মতুংদসু লাকখি । মথঙ চহি তরাহুমদোইগী মতমদসু নাগাসেনা মফম অদুদা (কঞ্চনাবরীদা) তির্থ চৎপগুম মতম কুনলক হেন্না লাক্তুনা শিখ্রবা সিফায়শিংদুগী মফমদা মশাগী নুংগী ওইবা ইকায়খুম্নজবগী ৱাহৈ কয়াগা লোয়ননা মহাক মশাবু অমসুং জাপানীজ লাম্মীশিংনা তৌখিবা তমথিবা থবক কয়া অদুগী মরাল পূম্নমক অদুবু শোল্লবা মাগী লেংজুমদা থোঙ্গৎচরগা ঈশ্বরগী মফমদা হন্না হন্না ঙাকপিয়ু হায়না প্রার্থনা তৌজরকখি ।

নহাক্লা মফম অদুদা হন্না হন্না অশুম চৎলিবসি করিগীনো ?" মাগী নুপীনা হংলম্মী ।

"ঐ খঙদে ।" নাগাসেনা খুম্মী । "হোয়, ঈশ্বরনা ঐবু কৌরী হায়বসু য়াই, মফম অদুদা ।"

পাসিফিক (Pacific) মহাসাগরনা কোনবা মফমদা শোক্লখিবা লান অদুগী থৌনাফরবা, হিংহৌরবা মীওই কয়াগী মরক্তা অমগা অমগা নুংশিননা, ৱাখল তানবা অমা পুরক্লবগী ৱাফম কয়া নাগাসেনা মীয়াম তিনবা, অমসুং মীয়ামগী খোঙচৎ কয়াদা ঙাঙথোকপা হৌখ্রবনি । মানা লাউথোকখি - "অমুক হন্না কৈদৌঙৈদসু অতোপ্পা লৈবাকশিংদা জাপান্না খৎনবা হৌবগী থবক তৌরোইদবনি ।" অদুগা, হৌখ্রবা লান অদুদা জাপানীজ সিফায়না পাঙথোকখিবা তমথীনা নুংশি হৈতবগী থবক কয়া অদুবুসু শন্দোক্লা পাউদমখি ।

মাগী নিংঙমদবগী ৱাহৈ কয়া অদুনা জাপানগী মীওই কয়াবুসু শাউহনখিদবা নত্তে । খবরগী ইদিটোরিয়েল কয়াদসু মাগী ৱাফম অদুগী পাউখুম ওইনা ইনরকখি মদুদি জাপান লৈবাকসু তমথীরবা মতম কয়াদুগী মতিক চাবা দন্দি ফংখ্রবনি, অদুনা নৌনা অমুক ইরাল য়াজরুবগী মরম লৈতে হায়না ।

মরাল য়াজবা অসে, নাগাসেগী পুক্লিংদদি লেপখ্রে । ইং ১৯৭৬ তা মানা (Proposal) ৱাফম অমা পুখৎলকখি মদুদি মমাংঙৈগী অপূনবা বৃটিশ লান্মী বন্দিশিং অমসুং মতম অদুদা লৈখিবা জাপানীজ সিফায় পূম্নমক কঞ্চনাবরীদা অমুক্তং পুল্লপ উনবা ফৈ হায়না । মরুপ মপাঙ ওইনবগী ৱাফমদা অদুক হাক্লদি নত্তনা, বৃটিশ লান্মী মরক্তা বন্দি ওইরুবা মীওই কয়াদি ৱাফম অদুবু কন্না শৌগৎখি । "ঐখোয়দি নাগাসেবু Kwai তুরেলদা লংথবা পাম্মী ।" সিফায় অমনা অশুম্নসু ফোঙদোকখী ।

জাপানীজ কাংবুগী মরক্তসু ৱাফম অদুদা অয়েৎপা কয়াদি লৈখি । ফোরেন এফেয়ার্সকী মিনিস্ট্রিনা ৱাফম অদুবু য়াম্না শাউনা, নাগাসেনা পায়খৎকদবা থবক অদু তোক্লনবা ইনশীল্লমই ।

অদুবু নাগাসেগী ৱাফম অদুবু য়ানিংবা কয়াসু লৈবনা, চহি অদুগী ওক্তোবর থাদা, লান লোইখিবদগী চহি কুন্থ্রাগী মতুংদা, লানগী বন্দি ওইখিবা মখোয় কুনহুমদোই (২৩) বৃতেন, অষ্ট্রেলিয়া অমসুং আমেরিকাদগী কঞ্চনাবরীদা লাক্তুনা মতম অদুগী সিফায় ওইখিবা জাপানীজ ৫১ গা উনখি । অহানবদদি, লান মতমগী য়েক্লবা ঙাক্তনিনা কয়া হৈনিংদবা পোক্লরবসু থুনমক মখোয় মশেল ৱারী লীনখি, পাউ তম্নখি অমসুং অমনা অমবু ইকায়খুম্নখী ।

লান্দা শিথ্রবা কয়াগী মোংফমদা চত্তুনা মখোয় পুল্লপ য়েংমিন্নখি, অদুগী তুংদা মিটর ৩০০ শাংবা ক্বাই তুরেলদা শাখিবা থোং অদু মখোয় পূন্না লানমীন্নখি । নাগাসেগী মফমদদি, থৌদোক অদুনা মাগী থৱায়বু মিকপ থোকহনবগুম খঞ্জখি অমসুং তুক্কচ্ছনবগী অমসুং য়েংথীনবগী লেমহৌবা খরা মমি শামখীবা হৌরক্লে ।

ঐ মাবু ফংলে

মহাকপু ওৎখিবা জাপানীজ নুপা অদুবু নিংশিংবনা লোমাক্সকী পুক্লিংদা মতম চুপ্পা য়েৎশীন্নদুনা লাকলি । মহাক ইংলিস ঙাঙবনি, মঙোন্দদি খুৎ অমুক্তসু থাখিদবনি । অদুবু মঙোন্দা ব্রাহং তৌবগী মতম পুন্নমক্তদি মহাক য়াওদবা লৈখিদে । লোমাক্সপু মতম খুদিংদা, হায়দোকউ হায়দুনা তক্লখিবনি । "মহাকপু দন্দি পীনবগী লম্বী অমদি ঐ শোয়দনা থিগনি ।" লোমাক্সনা হন্না হন্না খল্লকখি ।

করম্বা জাপানীজগী আর্মী য়ুনিৎ অমনা মহাকপু ওৎখিবনো হায়বদু খঙদবনা, কঞ্চনাবরীদগী হিংলকখিবা বৃটিশকী মীওই কয়াদা মখোয়না খঙবা মতম অদুগী কেম্প ওফিসিয়েল খরা নিংশিংলবদি মঙোন্দা পাউ পীরক্লবা চিথি ইজরম্মী । হান্নগী (POW) লান্দা বন্দি ওইরুবা কয়াগীদমক ফোঙবা Magazine অমদসু মহাক্কী ব্রাফম অদু হাপতুনা খঙহনখিবদা করিসু কান্নবা ফল লাকখিদে ।

মতুং তারকপা, ইং ১৯৮৯ গী ওক্তোবর থাদা লোমাক্সনা উনবা চৎলুবা মাগী মরুপ অমনা খবরদগী চপথত্তুনা থমহৌবা (Newspaper Clipping) অমা লোমাক্সকী মখুত্তা শিন্নখি । "মসি নঙগীদমক ঐনা থমহৌবনি" মরুপতুনা হায় । "লান মনুংদা জাপানীজশিংনা ওৎনৈখিবগী ব্রাফমদা নহাক পুক্লিং চঙই হায়বা এহাকসু খঙই ।"

পাউ অদুমক্তি টোকিওগী জাপান টাইমস (Japan times) কৌবা ইংলিসতা ফোংবা খবর অমদা হাপখিবা Article নি । ব্রারী অদুদি তাকাসি নাগাসেগী মরমদনি, মহাক্লা ইকুই কুইদনা ফোঙখিবা Crosses হায়বা লাইরিক অদুদা মহাক্লা খঙহৌবা, থেঙনহৌবা লান মনুংগী অমসুং মতুংগী ব্রারী কয়া য়াওবা অদুগী মরমদনি ।

লোমাক্সনা Artcle অদু পা-ন পা-ন হায়- "মহাকসু মীহাৎপা কাংবু'দুগী মরক্তা অমনি ।" মিকপ অসিদা মশাগী থম্মোয়গী অনাবদু হৌগে তৌরকই, শোর ফুল্লকই । Japan times তা (Reporter) পাউমী অদুনা অশুম্না ই- "জাপানীজ মিলিটরি পোলিসনা কঞ্চনাবরীদা বন্দি অমবু ওৎখিবা থৌদোক কয়া মহাক নিংশিংলি । বন্দি অদুদা শীবা মরালদি রেলৱেগী মেপ অমা পায়রম্বগীনি । মখোয়না মহাকপু ওৎপগী মওং অমদি মাগী মখনাওদা য়ান্নবা ঈশিংগী চাং অমা হৈজীনবনি ।"

"ঐনি বন্দি অদু !" লোমাক্সনা খঙহায় হায়রকই । খবরদা য়াওরকপা চহি হুম্ফুতরামাথোই শুরবা নাগাসেগী ফোতো অদুদা মহাক থৱায়শোক্লা য়েংই । "ঐ থাজদে, জাপান্দা মী মিল্লিয়ন ১২০ লৈবগী মরক্তা ঐনা থিরক্লিবা মীশক্তু মহাক্লি হায়বা ঐ থাজদে ।"

লোমাক্স, ময়ুম হেক য়ৌবগা মাগী নুপীগী মনাক্তা চেনশীন্দুনা হায়রুই "ফংঙেনে হৈ ! নুপা অদু ফংঙেনে !" মহাক ইপা পাখৎলি ।

পেট্রি, পাখৎপা য়াওদনা তপ্পা হংলকই । "হৌজিক করি তৌগে খল্লিবা ?"

"ঐ তশেংনা খঙদে ।" লোমাক্সনা খুম্মী ।" অদুবু, মহাক্কি ঙকশমদা ঐগী খুৎ অনিসিনা চপখায়বদি পাম্মী ।"

নাগাসেনা ইবা লাইরিক্তুগী কোপি অমদি লোমাক্সনসু ফংলে । মানা মথ্বায় শোক্লা পারকই । "মাগী মমায়দা মখোয়না ঈশিং হৈজীল্লি । অচোৎপা ফি অদুনা মাগী মচিন অমসুং মনাতোন মেনশিনখিদুনা শোর হোনবা ঙল্লমদে । মহাক ৱানা শ্বর হোন্নবা লাক্লখি অমসুং নুংশিৎ চিংশিন্নবা ময়া কাথোরকই । মখোয়না মচিন্দা অমুক ঈশিং হৈজিল্লি । মহাক্কী মবুক কংখৎলকপদু ঐহাকসু উখি । বন্দি অদুবু অদুক থীনা ওৎপদু উবদা, ঐ ইশাগী জ্ঞান মাঙলম্মী ।

ঐগী নীকলকপা হকচাঙ লাকশীনবা ঙমদনা নিংবা কায়রম্মী । মহাক শিরগদ্রা খন্না পূক্লিংদা অকীবা ফাওরকই ।”

নাগাসেগী মরমদা অমুক্কা হেন্না খঙননবা চিথি অমা ইখিবা কান্নগদ্রা হায়দুনা পেট্রিনা মাগী নুপাগা খন্নরম্মী । লোমাক্সনা য়ারমদে অদুবু পেট্রিনা কন্না তকশীনখি, মহাক্লা থাজে মদুদি মরম চানা অফবা ব্রাখলগা লোয়ননা নাগাসেগা পাউ ফাওনবনা মাগী মপুরোয়বদা য়াওরীবা অশাওবা অদু লৌথোকখিনবগী অমত্তা ঙায়বা উপাই অমা ওইগদ্রা হায়না । খন্নরিবা ব্রাফমদুগী মতুং তারকপা ওইনা, শাওনিং শাওনিং লোমাক্সনা চিথি অদু মাগী নুপীনা থারকপা ওইনা ইখ্রো হায়বগী অয়াবা পীরম্মী ।

“নখোয়না তমথীনা ওৎপীখিবা নুপা অদু ঐগী ইপুরোয়বনি ।” পেট্রিনা নাগাসেদা ইরম্মী ।” “চহি কয়া অসে, পাউখুম ফংদ্রবা মশাগী ব্রাহং কয়াগা লোয়ননা হিংলক্লবনি । ওইবা য়াই, ব্রাহংশিং অদুগী পাউখুম ফংহনবগী উপাইদি অদোম্মা শোয়দনা ওইগনি । অদোম্মা য়াবিনিংদবদি, ঐগী ইপুরোয়বগা পাউ ফাওনবদা য়াবীগনি খঞ্জে ।” চিথি অদুগা লোয়ননা লোমাক্সকী অনৌবা ফোতো অমসু হাপখি ।

চয়োল অনিগী মনুংদা নাগাসেদগী পাউখুম লাকই । মহাক্লা ইরকখি- “নহাক্কী নপুরোয়ববু অমুক্কং, উনজরগা ঐনা মঙোন্দা ঐবু ঙাকপিয়ু হায়জবা ঙম্লবা ঐনা ঈশ্বরবু চহি কয়া অসি খুরুমজদুনা লাকপনি ।” মানা মখা তানা ইরকই, নঙগী নপুরোয়বা লোমাক্স মশা মউ ফনা, পুকচেল চাওরবা মীশক অমা ওইনা খঙজে, মাগী নুংগী ব্রাখল করিনো হায়বা ঐনা খঙজবা ঙমদ্রবসু” “পূম্নমক অসি য়াম্না অব্রাবগী মশক্লি ।” পেট্রিনা অমুক হন্না ইখি । মহাক্লা নাগাসেগী মফমদা শুগায়না ইদুনা খঙহনখি, লোমাক্সনা খাঙলকপা, মহাক্লা লানফা ওইরিঙৈদা মঙোন্দা ফুবীখিবা চৈফু অমসুং মদুনা ঙসিফাওবদা

মওং তাদ্রবা মহাক্কী হকচাঙ অমসুং মখুৎ অদুনা করিগুম্বা ঈ-পাউ অমফাওবা মশানা Type তৌবা য়াদ্রবনিনা কনাগুম্বা অমদা হায়জরগা ঈ-পাউ অমা Type তৌহনবগী মথৌ তারকপা অসিনচিংবা ।

"মীষ্টর নাগাসে, ঐগী ইপুরোয়বদি য়াম্না থৌনা ফবা নুপানি ।" মহাক্না ইরম্মী । "মীওইবা অমদা অদুক নুংশি হৈতনা মীওইবগী ৱাখল য়াওদনা ওৎপীফম থোক্তবনি । নঙনা থবক অদুদা য়াওবগীদমক, মানা নঙবু মপুংফানা ঙাকপিবা ঙমগদ্রা হায়বদুদি য়েংখিবা তারি, ঐনা নৎচদে, মতম অদুদা, মফম অদুদা য়াওখিদবা ঐনা করিসু অচুম অরাল খঙগদবা নত্তে ।"

মশাগী ওইনা তুংগী আশা ফোঙদোকচবগা লোয়ননা চিথি অদু অশুম্না লোইশিল্লি । "ওইবা য়াই, মীশক অনিগী মফমদা নৌনা চান্নবগী, শন্তাইনবগী অমসুং পুন্সী অনিগী তোঙানবা ৱারী ইতিহাস, চহি কয়া চুপ্পা য়েৎশীন্নদুনা লাক্লবসু তুংদা অৱাবা কোক্লনবগী শান্তি ফংনবগী মতম অদুমক লাক্লবনি হায়বদু ।"

হৌখিবা মতমগী নিংঙমদবনা থল্লবা শাংলবা চিথি অমদা নাগাসেনা পাউখুম পীরক্লে অমসুং লোমাক্সনা মহাকপু ঙাকপিবা অদু ফংজনবগীদমক্তা মহাক্না লোমাক্সকা উনজবা য়াগদ্রা হায়নসু হংজরক্লে ।

নাগাসেনা খঞ্জরিবা থম্মোয়গী অশেংবা অদু পেট্রিগী পুক্লিংদা ফাওরম্মী, অদুবু লোমাক্সনা য়ানিংলমদে । "চহি কয়া চুপ্না ঐনা খমথেংনা নুংশিরক্লুবা মীশক অদুবু করম্না ঐনা উনগদৌরিবনো ?" মানা য়ানিংদনা হায়রম্মী ।

মতাঙ অসিদা পেট্রিনা মাবু উনদবা য়াদে হায়না খক তকশীল্লমদে অমসুং ৱাফম অদুগা মরী লৈনবা হীরম কয়াদা ঈংনা তপ্না খন্নরম্মী । "হৌজিক অসে, নঙোন্দা লৈরিবা অমম্বা অদুদগী খোঙ থাংদোকপা মতম চপ চারবনি ।"

মানা মপুরোয়বদা হায়জরম্মী । “থবক অসিগীদমক চঙশীনগদৌরিবা লম্বী অসিদা ঐ ননাক্তা লৈগনি, কৈদৌঙৈদা নঙ নথন্তা থাদোক্লোই ।”

নাগাসেনা ইরকপা চিথিদা অমসুং মানা ইবা লাইরিক্তা য়াওরিবা মশাগী ওইবা পূক্লিংগী অৱাবা, নিংঙমদবা ৱাহৈ কয়া অদুনা লোমাক্সকী থম্মোয়দসু পাল্লম্মী । অদুম্নদি ওইরগা, চহি কয়া চুপ্পা মাগী পূক্লিংদা উংখৎলক্লবা অশাওবগী মৈ অদুবু নেমথহনবদি মঙোন্দা লুনা থোক্লমই । মখোয়না মাবু য়াম্না তমথিনা ওৎখিবা মতম পূম্নমক্তা নাগাসে হায়বা নুপা অদুদি অদুম য়াওরক্লবা মরম্না মতম চুপ্পদা মহাকপু মাগী পূক্লিংদা নিংশিংদুনা লৈরকখি । লোমাক্সনা হৌজিক মহাকপু অমুক মিনুংশি খঙবা মীশক অমা ওইনা লৌরগদ্রা - - ?

অকোনবদদি, মাগী নুপীনা তকশীল্লকপা ৱাফম অদুদা লোমাক্সনা য়াদবা ঙমদ্রে অমসুং মশামক নাগাসেদা পাউ পীথ্রগে হায়দুনা য়ারে । মহাক্না হায়নীংবা ৱাহৈ খরা য়াম্না তেন্না ইননবা মাগী নুপীদা হায়রগা ইহল্লম্মী । য়াম্না শন্বা, অপান্নবা ৱাহৈ অদু অশুম্না লোইশিল্লি । “ঐখোয় অনিমক্কী ওইনা অমুক্তং উনবা হায়বদুনা অফবদি ওইগনি ।”

কাইনথংদা কোমথোক্লরবা
(অরোয়বা শরুক্)

এরিক লোমাক্সকী মপূক্কিং পোথাফম খঙদনা লাঙতক্লরি । গ্রেট বৃটেন্দগী থাইলেন্দ য়ৌবা ফাওবা নোংথক লম্বীদা পাইদুনা লাকখিবা খোঙচৎ অদুসু থোইদোক্লা শাংখ্রবা, পুঙ তরামাথোইগী মতমনি । অদুন্নদি ওইরগা বর্মাগী লমখৈগা তাইননা লৈবা লাপখ্রবা লমদমগী মফম অদুদা মহাক্লা য়ৌরকখিবা, খাঙলকখিবা মতমগী খোঙচৎ অদুমদি মাগী মফমদা হেন্না শাংখ্রবা খোঙচৎ অমা ওইনা মাগী পূন্সীগী অয়াম্বা মতম লৌখ্রবনি ।

চান্নরবা মতুংদা তাকাসি নাগাসে অমসুং এরিক লোমাক্স-টোকিওগী মফম অমদা নুংশিননা লেপমীন্নবা ।
Photo Curtesy-Reader's Digest-Golden Jubilee 2004

মহাক্কী অনিশুবা নুপীগা মখোয় অনি লুহোংদুনা লৈমিন্নরকখিবা চহি তরা

ফারকপা মতম কুমজা ১৯৯৩, মার্চ তারিখ ২১ দা লোমাক্স মশাগী নুপীগা লোয়ননা বেঙ্কোক য়ৌনা পাইগদবা এরোপ্লেন অদুদা কাখৎলকখি। এরোপ্লেন মনুংদা ফমদুনা লাকখিবগী মতম অদুতা নত্তনা, থাইলেন্দ য়ৌরগা কঞ্চনাবরী ফাওবা রেল অমুক তোংদুনা লাকখিবগী মতম অদুফাওবদা লোমাক্সকী



চুংকাই ৱার সিমিটরী- থাইলেন্দগী কঞ্চনাবরী সহরদা লৈরিবা, শিখ্রবা লানফাশিংগী অপূনবা মংফম মরীগী মনুংদা অমা।

মায়থোঙদা তাখিবা, মপুক্লিং পোত্থাফম খঙদবগী মমি অদু মাগী নুপী পেট্রিনা ময়েক শেংনা উখি। মরেপ ৱাংবা, মপোক হৌরবা স্কোটলেন্দ মচা অসি মাগী আনোক ম্রিংফম চানা থল্লগা, মতম অমদা অৱাবা থৌদোক্কী মিংচৎ লৈখ্রবা, ২বা পৃথিবীগী লাঞ্জাও মনুংদা বৃটিশ লান্মীগী অপূনবা লানফা ময়াম্না শাখিবা ক্বাই তুরেলগী মথক্তা লৈবা খোং "দ ব্রিদজ ওন দ রিভর ক্বাই" হায়বা অদুদা মীয়াম কয়া লাম্থোক লানশীন তৌনরীবদুবু মুন্না য়েংই। মখোয় অনিনা চৎলিবা লম্বীগী নাকল অনিমক্তা, লমকোয়রকপা মীওই কয়ানা মফম অদুগী নিংশিংখুদম ওইনা লৈখিবা য়াবা পোৎ মখল কয়া য়োল্লিবা দুকান কয়া,

অমসুং অরাকপা মীওই কয়াগী পোত্থাফম ওইরিবা রেস্টোরেন্ট কয়ানচিংবা লৈরিবা পূম্নমক অদু মুন্না য়েংই । মঙোন্দদি, উরিবা পূম্নমক অদু কয়াগী মতিক অচুম্বা, অশেঙবা হায়বদু মানখিদ্রবা ! কয়াদা ঙকখ্রবা । অসুক ফজনা উরবা মফম অসিদা মতম অমগী ওইনা কয়াদা তমথিনা ওৎ-নৈবগী মফম ওইখিবা !

লোমাক্স মতে মনাওনা থুংলুবা হোতেল অদু, মহাকপু ওৎপীখিবা মফম অদুদগী কিলোমিটর অমা ফানা লাপলমদে । মথঙগী নুমিত্তা নাগাসেগা উন্নগনি হায়বগী অহিং অদু মহাক পাক্লা তূমথবা ঙমখিদে । হৌখ্রবা চহি য়াংখৈরোমগী মতম পূম্বদা মশিং নাইদনা মাগী ব্রাখলদা মঙলাক্লবগুম লাকখ্রবা মীশক অদুবু মহাক্কা মায়োক্লগদৌরিবা ? মখোয় অনি করি করি হায়নগদৌরিবা ? হান্নমা মহাক্কী ব্রাখলদা লম্মন খুম্নিংবগী মৈরী অদুনা, হাৎলবনি হায়না হন্না হন্না কয়ারক খনখ্রবা মীশক অদুদা মহাক্লা ব্রা ঙাঙবা ঙমগদ্রা ?

মথঙগী অয়ুক্কী পুং মাপন তারকপা মতমনি । মখোয় অনি তুরেল মপাল অদুদা লাক্লি, উরিবা মফম কয়াদু মুন্না য়েংই । মহাক্কী নুপীগা মখোয় অনি মফম অদুদা লৈবা ব্রার ম্যুজিয়মদা চত্তুনা উৎলিবা পোৎশক কয়া অদু য়েংই, পূক্লিং লৈতাদনা ঙাইহাক পল্লম্লগা মফম অদুদগী অশুম লাকপদা খল্লি, ঐনা মফম অসিদা লাক্লিবসি অরানবা অমরা ? খঙহৌদনা উরে, মাগী মনাক তম্না চঙশীল্লক্লিবা জাপানীজ নুপা অমা । মমায় অদু অহল ওইশিন্না উরে, মনমসু পোন্তক তৌরে । খুদক্তা লোমাক্সনা খঙই, নুপা অদুনি । লোমাক্স চপতিংনা লেপ্তুনা লৈ নুপা অদুবু ঙাইদুনা । মহাক্কী নুপী পেট্রি, করিগুম্বা অমত্তা খঙহন্দনা নাকল অমদা চৎথোক্লগা লৈখি ।

লোমাক্সকী মশম, মকোয় পূমঙৌ ঙৌখ্রবসু মতম অমগী জাপানীজ ইন্টরপ্রিটর অদুনা শকখঙজবা ঙম্মী । মতম অদুফাওবা মহাক মরেপ ৰাংনা মশা পারপ তৌরি । নাগাসেনা লোমাক্সকী মনাক নকশীল্লকপগা লোয়ননা,

দোন ৰাক ৰার সিমিটরী- মশিসু কঞ্চনাবরী সহরদা লৈবা,
লানফাশিংগী ওইবা মংফম মরীগী মনুংদা অমনি ।

মতম পূম্বদা মশাগী (নাগাসেগী) পূক্লিংদা উদুনা লৈরকখিবা শাওং, অমসুং মতম অমদা, মহাক্কী মমিত্তা য়ানিংদবগী খমথেংবা মিৎয়েংনা য়েংলকখিবা মিৎ অনিমক অদু মহাক খঙবা ঙমখি । নাগাসেনা লোমাক্সকী মনাক য়ৌরক্লবদা মশাগী মকালাম্না নোকপা মিনোক নত্তবদা লোমাক্সপু য়েংদুনা হাইরপ নোকচরগা মখুৎ অনি নাকন্দা হাইথজরগা মরু লুকথনা খুরুমজরম্মী । "ঐ থৱায় য়াম্না নুংঙাইজদে" নাগোসেনা তপ্না হাইজৈ "অশুক্কী মতিক নুঙাইতে, মদুদি ঐ- - -" নাগাসে ৰা ঙাঙথোকপা ঙমদনা কপ্লকই । লোমাক্স মখুৎ তিংথোরকই, নাগাসেনা মদুবু মখুৎ অনিনা চেৎনা পায়শীনজৈ । ঙাইহাক্তি মখোয় অনিমক ৰা অমত্তা ঙাঙনখিদে । লোমাক্সকী পূক্লিংদা খল্লকই, "ঐখোয় অনিমক অশুক্কী মতিক অৱাবদি খাঙনরবা - - ।" অকোনবদা অচিকপদু

কায়হন্না লোমাক্সনা হায়রকই - "অকোনবগী ওইনা ঐখোয় অনি উনখিবা নুমিত্তুদা নঙনা হায়খীবদু নিংশিংব্রা ?"

"নিংশিংদ্রে" নাগাসেনা খুম্মী, ঐ নিংশিংদ্রে " ।

নঙনা হায়খী- "খদাঙ থাঙ্গৎলু ।" লোমাক্স ঙাইহাক্তি তুমীন্না লৈরগা মোমোন নোকলকই । মাগী পূক্লিংদা লৈরম্বা লৈতাফম খঙদবা মওং অদু খরা খরা মুৎথবা হৌরক্লে ।

নুপা অনি অদু পুং কয়া চুপ্পা, লান মতমদগী ওইনরকখিবা মখোয় অনিগী পুন্সীগী মরমদা ৱারী শানদুনা লৈখিরম্মী । মতাঙ অমদা নাগাসেনা মহাকপু ঙাকপীনবা হায়জবদা লোমাক্সনা ৱাফম অদু য়াখিদে ! মথঙগী নুমিৎ হুমনি অদুমদি মখোয় অনি কঞ্চনাবরিদা কোয়মীন্নখি । লান মতমগী মিলিটরি পোলিস হেদ ক্বার্টর্স ওইরম্বা মফম অদুদা মখোয় অনি গারী অমদা পূন্না লাকমিন্নরগা য়েংমিন্নে । হান্নগী শঙ কয়া অদু শীদোক্লগা অনৌ অনৌবা বিলদিঙনা মফম অদু কল্লম্লে । মফম অদুদা থোকখিবা হৌখ্রবা মতমগী তমথিবা থবক কয়া অদু মখোয় অনিমক্কী পুক্লিংদা ফাওনরকখিদবা নত্তে, অদুবু মদুগী অকুপ্পা মরমদা মখোয় অনি ৱারী শানখিদে ।

লোমাক্সকী মফমদা নাগাসেনা বিলদিঙ অদুগী মনিংদা লৈরিবা তুরেল মপাল অদু য়েংনিংলবদি চৎলুসি হায়বদা লোমাক্সনা খুমই- "ঐ চৎনিংদ্রে, পৃথিবী অসিদা লৈরিবা মফম কয়াগী মনুংদা ঐনা অমুক হন্না চৎনিংদবদি মফম অদুনি ।"

থুনমক হায়রীবা ৱাফম অদুদা য়ানিংবগা লোয়ননা নাগাসেগী ঙক নোম্মী । ঐসু খঙজে, মদু ঐগী ইফমদসু, নিংশিংলুবদা খ্বাইদগী হেন্না অকীবগী মশক্লি ।"

অশুম তপ্লা তপ্লা, অরুবা অৱাবা হীরম ওইনা খন্নরম্বদগী মখোয় অনিগী পুক্লিংদা খরা খরা লায়থোক্লরকপা মিকুপ্তদি মখোয় অনিগী ওইবা মশা-মশাগী হৈনবী, অপাম-পামদ অমসুং অফবা লাইরিক কয়া পাবনচিংবগী মরমদা ৱারী শানবা হৌরকই। মখোয় অনিগী মরক্তা ৱাখল তানরকপা, নুংশিনরকপা হৌরকই।

নাগাসেনা হায়জবদগী লেমাক্স মতৈ মনাওবু মহাক্কা লোয়ননা জাপান্দা এরোপ্লেন তোংদুনা চৎমীন্নখি অমসুং মশাগী লৈফম সহর অদুদা মতম কয়া লেনমীন্নখি । মতম অদুফাওবদা পাউখুম ফংদ্রিবা ৱাহং অমদি নাগাসেগী মপুক্লিংদা লৈরী, লোমাক্সনা মহাকপু ঙাকপীরগদ্রা ?

টোকিও সহরদা অরোয়বা নুমিৎ খরনিগী ওইনা মখোয়অনি পূন্না লৈমিন্নরক্লবদা, নোংমগী নুংথিল অমদা লোমাক্সনা মহাক্কী নুপী পেট্রিবু নাগাসেগী নুপী য়োসিকোগা লোয়ননা কৈথেলদা পোৎ-চৈ লৈননবা থাদোকখ্রগা, নাগাসেগা মখোয় অনিতমক লৈহৌখি ।

মখোয় অনি হোতেল অমগী কা মনুংদা ফম্মীন্নদুনা লৈখি, মিনিট কয়া, ৱারী অমত্তা হৌদোক্লখিদে । মতুংদা লোমাক্সনা তপ্লা হায়রকই, “নঙনা অসিগুম্বা মতম অসি পাম্লমগনি হায়বা ঐ খঙই ।” হৌখীবা অহিংদা মহাক্লা ইথোক্লবা চিথি অমা নাগাসেগী মখুত্তা খুৎশীন্নে । নাগাসে, চিথি অদু হাংদোক্কুনা ৱাহৈশিং অদু পারি- “কঞ্চনাবরীদা নখোয়না ঐবু তমথীনা লোয়নবীখিবা অদু ঐনা কাউবা ঙমদ্রবসু, নঙগী হোংলক্লিবা থম্মোয়, নশানা য়াজরীবা নরাল, নঙনা তৌরিবা থবক, পূম্নমক অসিবু খল্লুরগা ঐনা নঙবু ঙাকপীবগী ৱাফম অমা পুথোকচরক্লিবা অসি নঙনা লৌশীনবীয়ু ।”

নাগাসেগী মশাপূম্বা হরাওবগী ঈথক অমনা কুপশীনখিবগুম ফাওরমই। মানা মখা তানা ইরিবা অদু পাথৈ- "ঐসু খঙই, জাপানীজ মীওই পুম্নমক্না তৌখিবা মরালগী পোৎলুম পুম্নমক নঙগী কোকথক্তা পুরী হায়বা, মদুসু নঙোন্দগী থাদোকচবা য়ারবনি।"

নাগাসে, লোমাক্সতা য়েংলকই, মখুৎ অনিনা লোমাক্সগী মখুৎ চেৎনা পায়শীল্লি, মখোয় অনিমক্কী মমিত্তা ঈহৌরকপা পিগী মরীক্লা চোৎলকই। "কান্নদ্রবা লান হায়বসি তুক্কচ্চবগী মশক্নি," লোমাক্সনা হায়রকই, মতম অমদদি মসি লোইশিনখিবা তাবনি।"



মতম খরা শীজীন্নরম্বা দ দেথ রেলৱে।

মথঙগী নুমিত্তদি, মীওই অনি অসি নুংশিবা ৱাহৈ ফোঙদোক্লদুনা কায়নবগী মতম য়ৌরকই। নাগাসে মখুৎ তিংথোক্লুনা লোমক্সতা ওনশীল্লকই "চহি কয়া অসিগী মতুংদা, হৌজিক্তি ঐখোয় অনি মরুপ ওইনরবনি।"

মখোয় অনি পূন্না উন্নখিবা নুমিৎ অদুদগী হৌনা, নাগাসে অমসুং লোমাক্স অনিমক্কী মখা তারকপা পুন্সীগী মতম কয়াদি মখোয় অনি ঈ-পাউ ফাওননা,

চিথি ইনদুনা, ফোন তৌনদুনা মতম লেনবা হৌনখি । মখোয় অনিগী মরক্তা চৎনরীবা ঈ-পাউ, পাউজেল কয়া অদুদি হৌখ্রবা মতম অমদা, অৱাবা অকীবগী মিকুপ কয়াবু শরুক য়ামিন্নখ্রবা মরুপ অনিগী মরক্তা অমনা অমগী তেঙবাঙ পীনদুনা, মমৈথঙদা ঈংনা চিক্লা লেনবা পুন্সীগী খল অমা ফংনখিবা অদুনি ।

লোমাক্সনা হায় ঃ- ঐনা খঙলমদবা, নৌনা খঙজরকপা অমদি, ঙাকপীবা হায়বা ৱাহৈ অসিদা য়াওরীবা অৱা অনা কয়াবু ফহনবা ঙম্বগী পাঙ্গল অসিনি । অসিগুম্লবা ঈশ্বরনা পীনবীবা খুদোল অসিগা লোয়ননা হৌজিক্তি ঐহাক, ঐগী পুন্সী অসিগা লোয়ননা নুংঙাইনা হিংবা ঙমজরে ।

ফোটো খরা অমসুং মোংফম অহুমদা লৈরিবা অশীবশিংগী চার্ট ঃ-

কঞ্চনাবরীদগী মখারোমদা কি. মি. ৫ লাপ্না লৈবা টামরকম কেম্পতা লানফা শিংনা মাগী মাগী হিপফমদা লৈনরীবা মওং

কঞ্চনাবরীদা লৈরম্বা এটাপ কানতিনগী শঙ মনাক্তা চাক লৌননবা পরেং লেপ্পরিবা লানফা ময়াম



লানফাশিংনা লাইবক ফরবনি খন্নবা, চাক থোংফমদা থবক শুরীবা লানফা খরা

বর্মাগী থম্ব্যুজয়ট হায়বা মফম অদুদা জাপানীজশিংনা থবক শুহল্লিবা বর্মিজ নুপীশিংনা গেসোলিন থাও দ্রম কয়া গারীগী দাবাদা হাপচীল্লিবা

Country of Origin	Total Numbers	CHUNGKAI	KANCHANABURI	THANBYUZAYAT	Total	Total Deaths
British	30,000±	1,384	3,568	1,588	6,540	6,540
Dutch	18,000±	313	1,896	622	2,830	2,830
Australian	13,000±	-	1,362	1,348	2,710	2,710
Malayan	NA	37	104	79	220	220
Indian	NA	6	12	15	33	33
NewZealand	NA		2	3	5	5
Canadian	NA		1	1	2	2
Burmese	NA		1	1	2	2
Unknown	NA		35	114	149	149
American	700 ±	-	-	-	remains repatriated	356
Other	NA		1	1		2
SUBTOTAL	61,000±	1,740	6,982	3,771	12,849	12,849±
Asian labourers	200,000					80,000±
Japanese	15,000					1,000
TOTAL	275,000±					94,000±

থাইলেন্দ-বর্মা রেল লম্বী শেম্লকপদা শিখ্রবা লানফা কয়াগী ১দি থবক শুবা মীওই কয়াগী হকচাঙ, তোঙান তোঙান্না লৈবা সিমিত্রিদা লৈরিবশিং অদুগী অকুপ্পা মীশীংগী ৱারোল পীবা চার্ট ।

- লোইরবা -

Bibliography

(লাইরিক অসিগী অকুপ্পা মচাক ফংলকফম)

I. The true story of the Death Railway & the Bridge on the river kwai. — I.J.-Thailand

II. The 2nd World War (A military History) - Gordon Corrigan

III. Imphal - Geoffrey Evans & Antony Brett James.

IV. Reader's Digest : 50th Anniversary Publication 2004.

লান পামজদবা ফ্রাঙ্কলিন দি রুজভেল্ট
প্রসিদেন্ট ওব অমেরিকাগী ৱাহৈ খরা

"ঐ লান উরে
কংফালদা শোক্লবা সমুদ্রদা শোক্লবা
খুৎলায়না শোক্লবা হকচাঙদগী
ঈখেঙ তাবসু উরে - -
হুগী গ্যেস চিংশিল্লুরবা থবোম্বীদগী
লোক খুদুনা খাঙবসু উরে - -
চাওরবা সহর কয়া অমা
মরু ফংনা মাঙবসু উরে - -
পুং নিফুনিপানগী মতম মখোঙনা
চঙশীল্লুরগা চোকথনা
চৎপা ঙমদ হন্দোক্লুরকপা
লাম্মীগী পরেং কয়াসু উরে - -
[illegible]বা কংদলা চারা হেল্লবা
[illegible]গী মশক কয়াসু উরে - -
[illegible]ইবা কায়নবদা
[illegible]
[illegible] উরে - -
[illegible]মদে [illegible]
[illegible]চৈ - -।

[illegible] আগষ্ট ১৪ - ১৯৩৬

IM. KHOL PUBLICATIONS
MANIPUR

ISBN 9789385627163
90000 >